ঐনা অমুকস্ হায, তশেংনানি ওজা, ঐ মাগী লুহোঙবগী [illegible] লাকেবী খুদোংচাবা লৌবা নচ্চদে । [illegible]সিন্দা এ মাবু [illegible] [illegible] উজবদা ঙাযবি । মহাক লৈশাবির্নি, [illegible] [illegible], [illegible] [illegible] [illegible]দবা অদু ঐঙোন্দা অকিবা ফার্ডাব্র [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible], [illegible] খকপা যায, ঈশিংদা চোংথবগা শিনা যাম. [illegible] অমনা [illegible] [illegible] [illegible]খ্রদা ওজা হোযনা ওইগদবা যিবম্লা [illegible] [illegible] লৈশাবী অসি মশক [illegible]দে, ধন্মা তিন্নে, যেক সলাই তিন্নদে । ঐগীদ খনবা শোযনে । ওজানা [illegible] [illegible] খনবিবগে ?

ওজা মাধব মিকুপ খন [illegible] লেখ্রে । যাচংবা [illegible] মান্ন মল্লাবা ওইজববসু ওজা মাধবকী মমি [illegible] পিগী [illegible] বা চেনবা ঐ ঙ্ক অদুগা মচিনবান অদু নিক্লপ তৌবগা ঐঙোন্দা হাযবকই, কবম তৌগদনা, ওজাবুদি ঐনা যাম্না নুংশিজে । ইচেগা ইবাইগসু ঐনা হাযবদা কবিগী যাবোইদগে । অদুদা ওজাগী অহল-লমন যাউদনা কবম্না ব্রা তুপথোক্লগদগে ? হুম, মদু ওইবা যাবোযদা । মদুনবু যাববদি ঐখোযদি যাম্ন লাইবক ফৈনা ।

ঐনা, হায ঐনা যাববদি ঐখোয ইমুঙনা যাববনি হৌজিক লৈকায অসিদগী জীপ অমা ব্রাযবসি অদুগা ওজা, ইবাই, ইচে, নমৌনুপী অদুগা ঐগা পুল্লপ তোংলগা ঐখোয যুমদা চৎসি । ঐনা নুপী অসি চেল্লক্লবনি

হায়না ইমা ইপাদা শক তাকচগে । ঐখোয়গী অহল-লমন অমুক্তা খুবমহনবিয়ু । অদুগী মতুংদা ঐনা য়ুমদা অসুম লৈহৌরগে নখোয়খে অমুক য়ুমদা হনখ্রো । ইরাই নুমিত্তা হাযবদি হান্নগী লুহোঙগদবা নুমিৎ অদুমক্তদা ঐখোয় লুহোঙবা লাকচগে । ওজানা হৌজিক ইচে ইবাইগী য়ুমদা চৎলগা হায়নবিয়ু । ঐ থোঙ্গান্দা ওজাবু ঙায়দুনা লৈজগে । করিগুম্বা মখোয়না ঐ উনিংলবসু কৌশিনবিরকউ ।

মিকুপ খর তুমিন্না লৈরুরগা ওজা মাধব ঐনা হায়বদো য়ারে হায়না খনগ্রে ।

ঐনা অমুকসু খর চেকশিন্না মাধবতা হায়, ওজা ঐ মীনিনে । নমথাক তৌবা হৈজবা নত্তে । মহাকপু অশিবা হায়বদুদগী কনবিসি । ঐদি নুপী লৈজদ্রিবা পাখংনি; মা লৌবদা ঐ কবিসু কায়দে । ঐবু ওজাহোয়না নুংশিদ্রবা নৎত্রগা মাগী অতোপ্পা অশা অমা লৈদুনা যাবিদবদা ঐগী করিসু অকাযবা লৈতে । ব্রা মখা তাননিংঙায লৈতে ।

ঐনা হায়জবিবসে য়াবিববদি মান্দোব শিররোয় । বার্ত্তন হায়দোকপা কোযচেন চেন্নববোয় হাযবদি খুং যৈবা ওজাশিং, ঈশৈ শকপীশিং, ক্কা, ত্রৈ অনাংফমগী শিনবা লাংবা অমত্তা কাযবরোয় । পোলোয শেৎপী ফোটো নম্বা অসিনচিংবা অহোঙবা অমত্তা লৈবরোয় অহোঙবা হায়ববু বড়গী মশক, য়ুম্নাক, শাগৈ, মমিং, লৈফম অসিতা মঙান্নরে ।

ঐসু নুপী অমমুক যেং, অমমুক যেং, পক্লেগা পক্লদেগা, য়েক থোক্লেগা থোক্লদেগা, যৈগা ফত্তেগা অমত্তা হায়নববোয ।

ঐগী বা অদু মাধবনা তাবিদুনা মফি মখোল শেৎচিল্লগা ঐগা লোযননা কোঙাঙা লৈবা লুহোঙকমদা চৎলম্মী, থোঙ্গান্দা হায়নখিবগী মতুং ইন্না ঐ লৈহৌরে । ওজা ইমুঙদা চংখ্রে । ঙায়হাক লৈবগা মাধবনা ঐ কৌশিল্লকই । ঐসু চংলে ।

লৈশাবী অদুগী মকোক ইনফি মচি অমনা কুপশিল্লি । মহাক মমাগী ওইরোমদা ঙাথদুনা ফম্মী । মরক মরক্তা ঐঙোন্দা লোন্ন লোন্ন য়েংলকই । ঐনা হেক ফমথবগা মাধবকী মবাইনা ঐঙোন্দা 'করি লমদগীনো হংলকই । ঐনা 'খুরাযদগীনি' খুম্মী

"খ্বায়রম্বন কৈথেনগী কদোমদা চৎলি। কয়াম লাম্লি"।

ঐনা খুমই, খ্বায়রম্বনগী অৱাংদা মাইল ৪/৫ চৎলগা লৈ।

মবাই-ইবুঙোনা হায়বদো ঐখোয়সু য়ারে। হৌজিক কমদৌসি হায়বা ?

ঐনা হায়, জীপ অমা ৱায়রগা হৌজিক ঐখোয়গী য়ুমদা চৎখিবা হোরেন ঐগী য়ুম য়ৌরগা ইমা ইপাবু খুরুমহনবা, অদুগী তুংদা হান্নগী লুহোঙবগী নুমিৎ অদু কায়হন্দবা।

মবাই-হোরেন য়ুম য়ৌরগা ঐখোয় ইমুঙগী ৱারি অসি তারগা নখোয়গী অহল লমন্না য়াবিদ্রবদি, ইজ্জৎ লৈতেগা হায়দুনা।

ঐনা খুম্মী, মদুগীদি করিমতা খনবিগনু। য়ুমগী অহল লমন্না ঐ অসি নুপী পুশিল্লক্তবগী ৱা থোক্লরিবনি।

মবায়-নংগী নচিন ননাউ কয়া লৈবগে ?

ঐনা খুম্মী, ঐখোয় ইচিন ইনাউ ৬ লৈ। ঐনা অতোম্বনি। ইয়াম্বশিংলোয়না ময়ুম পান্দুনা মচা লৈনখ্রে।

মবাই-অদুদি মাধব নং কবি খল্লিবা ?

মাধব-ইবাই মসি ঈশ্বরগী থৌজাল ফংবনি, খঞ্জে ঐদি।

মবাই-অদুদি নিংথৌজমগী জীপ অদু ঐনা থবক অমা চৎলুসি লাকউ হায়রুচো।

ওজা মাধবনা মোরাদগী হৌগৎলগা ঐঙোন্দা হায়, ওজা ফম্মু। ঐ গাড়ি লৌরুগে।

মবাইনা মচেদা ওনশিল্লগা হায়খি, নখোয় নফি-নরোল শেৎলো। হৌজিক গাড়ি লাক্লনি। ইম্ফাল ঙায়হাক্তা য়ৌরুসি। কুইরোই হনগৎ হন্দা পুং অমত্তগী লম্লি।

ওজা মাধব চৎখিবগা মনিলৈমানা চা পুথোরক্লগা হায়, ইমা মাম্মদি। মমানা খুম্মী, গাড়ি ৱায়বা চৎখি।

মনিলৈমানা ঐঙোন্দা চা গ্লাস অমা পিরকই। মদুদা ঐনা হায়, অহন্দা হান্না পিয়ু।

ঐগী ব্রা অদু তাবদা মপানা হায়, ইবুঙো, নংনা অতিথী হায়বদু থোকই । নং হায় পায়য়ু । ঐখোয়সু পায়নিদা । অদুগা মখা তারকই, য়ুমদা লৈবা ইয়াম্বশিংগা নতৈমশিংগা খংন-চৈনবা তৌনদ্রা ? ঐনা খুম্মি, থোইদোকপা তৌনদে । মপান ইপান থোকহন্দবদগী হৈ-শিংবসু লৈজদ্রবনি । লাইরিক লাইসুসু হৈজহৌদ্রবনি । পাঙ্গনসু শোনবিনি । অদুগীসু মথক্তা ঐগী ইয়াম্বশিং অদুনা ইতৈমাশিং অদুদগী চহি হনবা ঙাক্তনি । মরমশিং অসিদগী মথাগী অঙাংনা তৌবদা মথক্কী অহন্না শাউফম থোক্তবগী মওংদা লৈনৈ ।

ওজা মাধবনা চংখিবা পুংখায়মুক লৈরগা জীপ অমা থোঙ্গান্দা খাম্বগী মখোল তাখি । ঙায়হাক লৈরগা ওজা ইমুঙদা চংলক্কুনা হায়ররে, ইবাই গাড়ি সে মী নিপাল ফাউবদি চন্নি হায় । ঐখোয় কয়ানো, ঐনে, ইচেনে, ইবাইনে, মনিলৈমানে অদুগা ঐখোয় ওজাগা অসিদা নংত্রা, ড্রাইভরগদি ঐখোয় ৬শুরে । ঐখোয় সিদমক চংসি । হন-গং হন্দা জীপ্না ইম্ফাল চংপসি পুংমুক্তা চংঙি । ইচে হোয় ফি-রোল অথাবা খরসু ইনশিল্লু । নিংথম থাসিদা গাড়ি মচাগা ওইবনে । ইংগনি । ইংহনগনু নাগনি । হৌজিক পুং ৭মখায়দা মতারি । য়াম্না ঙল্লি । নিংথমথা ওইবদুদা থেংলবোই নিংবনি ।

ঐখোয় পুম্নমক জীপতা কাখংলে । গাড়ি থৌরমদায়দা ড্রাইভরনা ঐঙোন্দা হংঙি, খুরায় কদায় ব্রায়দগীনো ?

ঐনা খুমখি, খুরায় শালমথোঙ ।

ঐখোয় গাড়ি মনুংদা ময়াং ইম্ফান্দগী লম্লোং বজার ফাউবা লাকপদা ব্রা মচেৎ অমত্তা ঙাংনরক্তে ।

লম্লোং বজার য়ৌরগা ড্রাইভরনা ঐঙোন্দা হংলকই, কদোমদা থৌগদগে ?

ঐনা হায় অবাংলোমদা খজিক্তংগা থৌবিয়ু ।

জীপ খাম্লে । ঐখোয়গী থোঙ্গাল থিংলম্মী । ঐনা তিনগী থোঙ্গান্দা খুৎনা দং দং য়ৈরম্মী । ঙায়হাক লৈরগা তাদগী মচা অমনা 'কনানো' হংলকখি ।

ঐনা খুমখি, ঐনি

তাদগী মচা অদুনা ঐগী খোন খংলমাল্লে । থোঙ হাংলক্লে । ঐখোয় য়ুমদা চংসি হায়বদা গাড়ি ড্রাইভরদি চংসি য়াদ্রে । মহাক লৈহৌরগা ঐখোয় মঙা ঐগী কাদা চংলগা উগী চৌকিশিংদা মখোয় ফমহল্লে ।

মখোয়দা ঐনা "ফম্বীরমউ চা শেমহঞ্জরক্নে" হায়রল্লগা ঐনা ইমুঙদা চংলকপদা পাজিসু ইমাসু লৈরম্মী ।

ইমানা ঐঙোন্দা "হৈমা নংবু নহান্দা ময়াং ইম্ফান্দা চংলনি হায়রম্বদায় ? করি তৌবা য়াউরগে নংনা মতম চাদনা থুংঙরিসে । নংত্রগা নংবু নহান্দগী চংত্রব্রা ? নমান্নবশিংগী ময়ুমদা লেক্কুনা চাদুনা লৈথোকপ্রা ?"

ঐনা ইমাদা হায়, ইমা অমত্ত নত্তে । ইমা বাজী চাক চাদ্রিব্রা ? চাক কনানা থোংঙি ।

ইমানা খুম্মী, চাক্তি ঙশায়না লোয়রে; ইবেচানা চাক ঈশিং থোংবী । ইমা চাক কয়া চানিংদে । ইমাগী শরুক্তো নং চারো । ইবেচাদা চাক অমুক থোংননবা হায়রগুমসি ।

ঐনা ইমাদা খোঞ্জেন পিক্না হায়, ইমা ঐ নুপী অমা পুশিল্লক্লে । ইমানা "হা! অওইব্রনে ! হায়বা খোঞ্জেন কল্লপ হায়রকপদা পাজীসু তাহৌদুনা "করিনো নখোয়না ঙাংনবিবদো হংলকই । ইমানা য়াম্না হবাউবা মতৌ উংলি অদুগা হায়" নংদং নয়ুম নকৈ পানবীরম্লবদি ঐখোয়দি খুয়া তুশিংলেদনা । অদুদগী পাজীদা ওনশিল্লগা হায, বীরাসে নুপী অমা পুশিল্লকএ হায়রি ।

ঐ ইকায়রপ তৌদুনা কোক হোংলি । বাজীনা ঐঙোন্দা য়েংলকপদা ঐ লুকথদুনা খাংঙি । অদুদগী পাজীনা ঐঙোন্দা, "কনাদা থৈরে অদুদি" হায়রকই ।

ঐনা ইমাগা পাজীগদা লৈশাবী (মনিলৈমা) অদুগী মরায়বক থিবা, য়াম্না ইকায়নিঙায় ওইবা থৌদোক অদুগী ৱারি তৌরগা, 'ঐসু পাখং অমনি; মাগী লুহোঙবা নুমিৎ অদুমক্তদা ঐসু লুহোঙবা ঙম্বা মীনি । ঐ মহাক লুহোঙজগে খন্দুনা য়ুম অসিদা পুজরক্লে ।

পাজীগা ইমাগনা "মা কদায়দা লৈবগে ? মশক উনিংঙেদা ইমৌদো, মশক উনরগা নবাই কলাচান্দ হোয়দা থৈসি" হায়রে ।

ইমাহোয়না হায়বগী মতুং ইন্না ঐনা মখোয় মরিমক ইমুঙদা চংহল্লক্লে ।

ইমানা হায়, কদায়নো ইমৌদো, নকোক খুমগনু, নশক য়েংগে মনিলৈমানা ইনফি খর হায়দোক্লগা মকোক খুম্বা ফি অদু লৌথোক্লম্মী অদুগা ঐখোয়গী অহনশিংদা খুরুম্মী । মনিলৈমাগী মপা মমাসু মচানা খুরুম্বগুম খুরমম্রে । পাজিগা ইমাগা অদুগা চাক থোংলম্মী লৈশাবীদুগনা থব্রায় তানা মনিলৈমাদা য়েংলি ।

ঙায়হাক লৈরগা পাজীনা মখোয়দা হায়, মপা ফাউরকপ্রা ?

"ঐনি ইবাই ইবুঙো" অদুগা ওজা মাধবতা পাম্বোম তিংথোক্লগা "মানা ঐগী ইসেননুপানি" হায় ।

হান্ননা ঐনা তম্বদা লোয়না খংলবনিনা পাজীনা ইশম শম্মা হায়, হংচিৎনিনে লুহোঙগদবসে কো । ঐখোয়দি বার্ত্তনগা অমত্তা তৌহৌদ্রবনিনা ঐখোয় শাগৈদং লাক্কনি । নখোয়গী লুহোঙবগী থৌরাং হান্না লোয়না লৈরবনিনা ঐখোয়দি নুমিৎ অদুদা লাক্লগা লোয়রেকো ? ফি-রোল খরগা অথুম অহাউ খরগা লৈরক্লে । মীয়াম অমা চাননবা হয়েংদো কবোক শাহল্লগে মী কয়াম তিনগনি ?

মনিলৈমাগী মপানা খুম্মী, য়ামগদবা মান্দ্রে, অদুবু মী ৫০০ রোমদি তিনগনি ।

পাজীনা "চাক চবা অমা চামিন্নখিসি অদুগা য়ুমদা হল্লো" হায় ।

ময়াম্না খুম্মী, ঐখোয় চাজরোয়দা, ঙন্না য়ৌনবা তৌজগে ।

ইমানা, 'নখোয়না য়াদ্রবসু ইমৌদি চাক চামিন্নখিনি' হায়রে ।

ঐনা ইমাদা হায়জে, ইমা মখোয় চৎখিসনু । মীগী গাড়ি ব্রায়রগা লাকপনি ।

পাজীনা শাউরংননা ঐঙোন্দা হায়রকই, করি ব্রানোনে নংনা ঙাংলিদুবো ? মীগী গাড়িদো হলহনখ্রো ।

অসি হায়বগা পাজীনা মোনপাক মখাদগী লুপা ১০ চৎপী অপাকপা ২০ খক শত্তোক্লগা ঐঙোন্দা পি অদুগা গায শেল অসি পিবগা গাডি অদু হলহনখ্রে। ঙয়হাক মনি নমৌ ম্মাব।তাম শাজসনু। হান্নগী মৌশিংগস্ উনসনু। নুপী চেনববু অভাং শান্নপদৌনা তৌগদ্রা? চাক ঈশিং চাবগা মখোযগী মমা মপা ঐখোয গাডিনা খিন্দিনা। অঙাং নংনা খংপোং নত্তে।

ইমানা মনিলৈমাগা মমাগা খুদাং পাযদুনা পুশিল্লগা চাক চামিন্নখ্রে। চাবোয় হায়বা য়াখিদ্রে। চাক চাবিঙৈদা ইতৈমা ৩/৪ মচা ১/২, ১/২ গা লোয়ননা মৌ যেংবা লাক্রে। ঙাযহাক্কুং পুল্লাং লাংঙি।

চাক চাবা তোক্লগা ইমানা হায়, ইমৌদি থনমগদবনি হৌজিক পুবা হৌনদে। হয়েং অযুক চাক চামিন্নবগা ইংগা তপ্পা খিল্লক্কে।

মচানুপী মানিলৈমা থনল্লগা মখোয জীপ তোংদুনা চৎখ্রে।

নোঙাল্লগা ঐ ইতাউ বীজীৎ উনবা ময়ুমদা চৎলম্মী। ইতাউনা ঐ উবদা হায়বকই, ঐদি নহাক্না চাক্কৌবা নুমিত্তা ঐঙোন্দ হয়েং চৎলনি। হায়বম্বদুদা চৎখ্রবোয নিংউবে। নহাক চৎত্রি?

ঐনা মঙোন্দা 'চৎত্রি' হায়বগা ঐখোয অনি থোঙ্গাল্লোমদা খোক্লম্মী। নহাল ইতাউ বীজীৎ লুহোঙবা নুমিত্তা ইতাউগা ঐগগী ফমফম অমোনবা, নাপী মথক অদুম্ক ফুদা ঙাসিসু ফল্লে। অদুগা ঐনা মানিলৈমাগী মবাইবক থিবগী য়াবি মকোক্তগী লিবে অদুগা হৌজিক মহাক ইবাই কলাচান্দ হোয়দা থৈবি। ঙাসি অযুক চাক চাবগা ইমাহোয ইতৈমা হোযনা থিনগনি হায়বি। হয়েং অসি লুহোঙনা চৎমিন্নবা কনা কনা হায়সিগে? হায়বদি হায়নিংদ্রবনি ফি-বোল শুজনবা মতম লৈদ্রে।

নন্দবীবগী য়াবি তাবদা নুংঙাযনন্দনা বীজীৎনা নন্দবীববু চেৎনা কোল্লগা হায, ইতাউদি থাম্না পুকচেল চাউবি মীগী তমথিনা ইকাযবা নংবা অদুদগী অমগা অমা কাংনদনা লুহোঙবগী থৌবাং তৌজবা ঙম্মী। অদুগা মখা তাথবকই ক্লবম্মা এনা লুহোঙবা নুমিত্তা তোম্বীসনাগা লোয়ননা মাংখ্রবদি ঐনা হন্দোকপিননা থবোশঙবু নংনা নুমিৎ অদুমক্তদা লুহোঙদুনা লৌবা তাবেনে?

ঐনা, হায়, লুহোঙবা নুমিত্তা নহাক্না মাংখ্রবদি থরোশঙবীগী খুৎশাশিং অদুনা অয়ুক্তা লেংখিবা কুন্দো পরেং অদু ঐগী ঙকশমদা হুকহল্লমগনি ।

ঐখোয় অনি নোকমিন্নরম্মী ।

বীর্জীৎ-ইতাউ, য়াম্না নুংশিরম্বদগী নুংশিরক্তদুনা হুমুক খাবা মতমসু লাকপা জাৎনি । প্রেমিক প্রেমেকা অনি থুংনদবা ঐখোযনা ইতিহাসকী লমায়দা য়াম্না থেংনখ্রে । খজিক্তুং ওইনরুবদা অশাউবনা লুতোন কানরিবনি মসি খংন খংন চৎনসি হায়নরিবনি । কোন্না অমুক নিঙমদবনা পিক থল্লি । ঐখোয়গী অসিসু খুল্লক্কী ইতিহাসনি মানা ঐবু নুংশিদবদগী ঐনা হায়বা য়াখিদবনি । হায়বদি ঐতনা নুংশিবা ওইরম্বা । অমুক মহাক্না ঐবু খংনুঙ নুংশিরকই । মসিদনি মানা নুপী অদুবু হাৎপা পাম্লিবসে । তৌববদি মসি নুংশিনবা খুদিংমক নত্তে ।

মানা মখা তাথরকই, ঐ ঐগী থৌদোক ৱাথোক্তা মী য়াম্না তাক্লমসি । ঐখোয়না মী য়াউবিয়ু হায়জরুরবনিনা মীগী থৌদোক্তসু ঐখোয় য়াউবা তাবনি । মসিনা মরম ওইদুনা থবক অচৌবা অমমম ওইনৈ । নোংমতা লুহোঙবা, শ্রাদ্ধ কর্ম্ম নাহুৎ নারেং লেপ্পা লৈতে । চৎপদা লেপ্লরোইদবনি । মসিনা যুমগী থবক ইংখাং, অফিস কাবা, ওজা ওইবদা অকায়বা য়াম্না পি । অহনগী মতম ওইরবা বৈষ্ণবশিংনা নোংমতা ময়ুমদা লৈবা শংদে । নুমিৎ খুদিংগী মীগী কর্ম্ম চত্তুনা লৈথোকই । মসি অহর্নাশংগী ধর্ম্মনি ঐখোয় নহাগী নত্তে । মরম অদুনা ঐখোয় অনি মী য়াম্না হায়গুর্মসি মীনা সঙ্গ লৈতে হায়গে হায়জসনু । থৌজিক লুহোঙবা থানি । ঐনা হায়বসিদা ইতাউনা য়াবিদ্রবদি নহাক ময়াং ইম্ফান্দগী তোয়না সিদা লাকপা তায় ।

ঙসি লুহোঙবা নুমিৎন । লুহোঙবা য়াম্মনখিদনা বেন পার্টি য়াউদ্রে । ঈশৈ খর খর শকপা ঐখোয়গী ইবাই, মপোকঙৈদগী বড় শেন্নরকত্রিবা অমনা ঐ (বড়) শেন্নবা ওই । হুৱাগীড়ি অনিদা মী ঐখোয় ৪০ মুক তোংলে । অদুগা ঐখোয়গী জীপতা কবোক পোলাং ১০গা ঈশৈ শকপা ১সুং পুং য়ৈবদা থানবা ফি খর পুরগা ঐখোয় চৎলে ।

লুহোঙফম য়ৌরমদায়দা ঐনা বসতগী হেক কুমথরকপগা ঐখোয় স্কুলগী ছাত্র ছাত্রী খরনা উথোকখ্রে । মখোয়না অঙকপা অমা য়াউনা

"ঐখোয় ওজা নন্দবীরনি, ওজা নন্দবীরনি হায়না য়া য়া লাউবগা খোংবগা, খুবাক খুবগা তৌনরম্মী ।

নুপা ময়ুমগা নুপী ময়ুমগা [illegible] [illegible] হোৎকওেম ঐখোযসু অদুম হোঙ্গডি । ঐখোয়গী স্কুলগী ছাত্র ছাত্রী পুম্নমক ঐখোয়গী লুহোঙবা যাম্না ঙক্লা য়েংলম্বি ।

লুহোঙবা লোয়বগা, [illegible] [illegible], ঐগা কনাগা ফমফমদগী হৌগৎলকপদা ছাত্র ছাত্রীশিং [illegible] মমা মপানা ঐঙোন্দা "পুকচেল চাউবা ইবুঙো" হায়না লাউবর্কখি ।

হৌজিক মহাক নুপা [illegible] [illegible] হয়নুনি পাং [illegible] । মতম চুপ্পদা মহাক মোমোন্ত [illegible] [illegible] নুঙাইনা লৈনা উই । অদুম [illegible] লুহোঙগদবা হযেংদা [illegible] [illegible], [illegible] [illegible] ইগদবা নুপা অদু নুপী অমা [illegible] [illegible] পাউ তাযা নুমিৎ [illegible] মহাক মশা হেক হেক নাং । [illegible] [illegible] হৌজিকসু তাবা য়াদ্র ।

থাজবিব্রা থাজবিদব্রা

বাবু শাজৌ ১সুং লাবা মখোয় অহুম যুম্লোন্নবা অদুগা লুনা চান্ন তিন্নবা মরুপ্নি । মখোয় অহুম্মক নুপী থিরে । নুপী লৈনবদগীদি মখোয় য়াম্না তোয়না মহৌশাগুম উনরমদে ।

য়াম্না মরল লৈবা ইমুঙগী মচা নত্তবা, লৌ উই মদুসু চাবদমক ওকপা অদুগা র্সকারগী থবক মচা অমা তৌগে হায়রবসু শেল লৈতবা মরমনা সলাম লাবা নোংম নোংমগী ইমুঙগী খরচকীদমক শেল তাম্লি ।

বাবুগা শাজৌগদি র্সকারগী থবক তৌনি হায়না ইন্টর্ভিয়ু য়াউবনা মখোয়গী মথৌ ওইরি । মখোয় অনিগী চান থব্রুবা ব্রাত্তে ।

থবক লৈত্রবদি লাবাসু যুমদা নুমিৎ ৫/৬ নিগা লৈথোকই । অদুগা মখোয়গা মহৌশাগুম্না কোইমিন্নে । মতম খরগী মমাংদা মহাক কোনসম হেম্বগা থবক তৌমিন্নরম্মী । হেম্বাগী নুপী কবোক্লৈগী লিক মাংখি হায়না তৌনখি । লিক অদু লাবানা লৌরমগনি চিংনৈ । কবোক্লৈনা লাবানা নত্তনা কনানা লৌবিগনি হায়রি ।

হুই খংদে, হুদে খংদে কবোক্লৈনা ঙাংবা ব্রা অদু বাবুগা শাজৌগনা তাখ্রে । খরগা লৈতবা ইমুঙ ওইবদুদা মীনা হায়জিল্লিখৈ পকই হায়বদুনি ।

মতম খর লৈরগা শাজৌগী নুপীগী সনা খুদোপ তম্ফা থিনবা অমা মাংখ্রে । শাজৌনা মাগী নুপীদা খুদোপ মাংবা, মপোৎ চেকশিন্দবগীনি হায়রে । মচন্দসু খুবাক্লা থাবিরে, শাজৌগী মমা মপাসু খোয়শাওনরে । মযাম্না শাউনবা অদুদা নঙন্দা অঙাং পোরিঙৈদা মপানা মমাদা চৈনা কন্থে । মমা ফুবা উবদা অঙাং কপখৎলকই । অঙাং ফাউবা খোইদৌ শাউগৎপদা য়াউখ্রে ।

শাজৌগী নুপী থরোনা মাইবীদা শেল হুনখ্রে । ইমা মাইবীনা ফক অমদা ফম্লগা লা মচেৎ অমগী মথক্তা পায় কৌবা থাইনগী শেল অদু হন্ন ২ লংলে । অদুগা মানা হায়-মান্নিদা, মান্নিদা মা নৎত্রদি লৈতে । নংনা চিংনরিবা মী অদুমক্তি ঐগী কোক্ত লৈরিবসে ।

মশক মমিংসু অমত্তা পল্লক্তে । অদুবু ইমা মাইবীগা থরোগদি হেক্তা খংনরে ।

থবোনা হায়-ইমা মাইবী মানিকো শোযদ্রেকো ? ইমা মাইবী মা হায়বিসিবু কনাবুনো ?

মাইবী-হেবা নগাকসিমা, নংনা চিংনবিবা মীদো অদুনিনে ।

থবো-মমিং অদুতা হায়বিযু ইম মাইবী ।

মাইবী-ঐনা মশক মমিং তাক্লবাদ নখোয কোকায নুংগায থোক্লনি । মাইবী ঐসু মীবা য়াম্না তারে । ঐনা হায়বিবেদনা নংনা নিংঙিবদো অদুমক্কা লৌগ্রে ।

ইমা মাইবীনা অতোপ্পা অমা কৌশিল্লগা 'নংগী কবি তৌবে' হংগ্রে । থবোনা মখা হংথবা য়াদ্রে ।

নুপীনা মাইবী শেল হুনবা, পর্গিঞ্জ য়েংবতা নত্তে শাজৌসু বাবুগা লোয়ননা পোংমাঙ-চৈমাঙ তৌবসে কনানা হংলগা খংগদগে খন্দুনা লৈবক খুল্লক চৎলিবনি । মখোয়দা কনাগুম্বা অমনা গাযাববকই ক্ষেত্রিগাওদা লবায় তাংবা অহল অমা লৈবান । মাগী মামং গদ কৌবনি । মহাক জাল য়েংবা হৈ হায । মানসু চুপ্পা হায়নি

মখোয় অনি ক্ষেত্রিগাওদা চৎলে । অহল অদুনা কাব মাংবগীনা হংলকখি । মখোয়না সনা খুদোপ মাংবগানি খুমখি । অহল অদুনা মিংশেল অমগা থাও লিক্কি অমগা পুথোবক্লে । অযুক্কী পং ১০ মুক তাবা মতমদা মিংশেলঅদুগী মথক্কা থাও লাক্লদগা খাও দ্রোপ অহুম তাগল্লে/তৈবে অদুগা অহল অদুনা মিংশেল হনলা মংগ্র শোল্লে । মিনট অমা/অনিগী মতুংদা মখোয অনিদা হায়-কনানা য়েংদ্রাবি মিংশেল অসি নখোয়না চিংনবা হুবানবা মী অদু মাসনা যংবদ শেযদনা উবদবান । শাজৌনা অহলগী খুত্তগী মিংশেল পাযবে, অদুগা মিংশেল্লু চেপথ চেপথ ঙাইগাক য়েংলগা হায়বকই মান্নিনগে মান্নদা লাবানিনে, সলাম লাবা ।

শাজৌগী ঙক্কা হাযবা মতৌ অদুদা নাবুসু কদায়, কদায়, ঐসু য়েংগে হায়দনা য়েংঙি-বাবুনা মিংশেল অদু অমবোমদা অমুক চেপ তৌদুনা য়েংবদা নোংজাবী, খনবোই, লিল মানবোই কাঁরওই তৌনা উবম্মী । মী মানবা মীগী শাওং শাদ অমত্তা উদে ।

মতমদুদা অহল অদুনা হায়,- ইবুঙো নং য়েংগনু, নংনা পোৎ অদুগা মরি লৈনদ্রে । অসি হায়রগা বাবুগী খুত্তগী অহন্না মিংশেল অদু লৌশিনখ্রে ।

অহন অদুনা শাজৌদা য়েংলগা হায় । "নহাক হৌজিক্তি হুরানবা মশক খংলেদনা" অসি হায়রগা অহল অদুনা মখা তাথরকই- হৌজিক নংগী পোৎ অদু মাগী ফুরিংফাউদা য়াউরি ।

অযেংমন পিরম্লগা মখোয় অনি হল্লক্লে । লাবদা করি হায়গদগে খন্নে । লাবা করম্না থেমলগা পোৎ অদু লৌথোক্কদগে ? লাবা ফুবগা লৌসিবা ? করিগুম্বা লাবানা লৌবমদ্রবদি ঐখোয় কমদৌবা তায় ? হুম, হন্দক্কী পোৎমাঙ অসি নুঙায়তেদা। খুদোপ অদু কাযথোক্লগা লৌ শঙম অমা লৈশল্লগে খনখিবনি। ওখ্রোকপনিদা লৌসু লৈহৌদা মীসু নুংশিনহন্দা তৌবেদো । লক্জাব পোৎ হাযবসিমক্তবু ফত্তবজাৎনি ।

নোংমা নিনি লৈবগা ইনাই নুমিত্তা, বাবুগা শাজৌগা অমুক খন্নরে । অশুংস নত্তনা করম্না লাবদা থেমদুনা হংদৌবিবা । বাবুনা হায 'নংনা নংগী পোৎ অদু মখোযদগী অমুক হুবা নৎত্রবদি ফংলবোয' ।

শাজৌ- 'অদুদি ঐখোয অমুক নহানগী অহন্দুদা চৎসি অদুগা পোৎ অদু কদাযদা থম্বগে হংসি' ।

থুনা যাংনা মখোযনা অহল অদুগী মনাক্ত চৎলগা পোৎ অদু কদাযদা থম্বগে য়েংবিযু হায়রম্মী ।

অহন অদুনা মিংশেন্দা থাউত্তেরে, অদুগা মাগী মমিৎ অনি অদু অমুক উইশনঅমুক পাং ফনা কুইনা তৌরে । অদুগা মখোয়দা হায়বে ।

পোৎ অদু ফি অমনা চেৎনা কিরগা উপুদা হাপচিনখ্রে । বা অদু তাবদা শাজৌনা বাবুদা হায়-ঐখোয অনি য়ুমদা চৎলসি অদুগা সলাম লাবাগী ইমুঙদা মরুপ মপাং ওইনা চংদুনা লৈরসি । মখোয় অনিনা মপান ইপান থোকখিবা তাঞ্জা য়েংলগা ঐ উপু অদুদগী লৌথোক্নে ।

অসি খন্দুনা মখোয় মযুমদা হল্লক্লে ।

য়ুম্লোন্নরগা পোৎ হুখিবগী মিংদা পোৎ ফংনবা খৎন-চৈন তৌরবদি মাগা ঐখোয়গা পুন্সি অসিমা নুঙায়নররোয় । অদুনদি জাল য়েংবা হৈবা

মী অদুদা তোযনা চৎলগা পোৎ অদু [illegible] যদা লৈখ্রবগে, খংদোকপা নৎত্রগা কনাদা যোনখ্রবগে খংদোকপা গাম্লা দকার্বন ।

মখোয়না সলাম লাবাগী য়ুমদা নৌশন্দুনা লৈরে । লাবা মীগী থবক শুবা চৎনিংবনি । অদুবু মকপ [illegible] মখোয়দা [illegible] লৈবনিনা হেক তাম্লোকপা য়ুমদদুনা [illegible] লৈবগা হায়রে । ইতাউ অনি নুপীসু থবক সুবা চৎখ্রে, ঐসু থবক সুবা চৎলগে । [illegible] থিংলল্লগে । অসি হায়বগ্লগা খোং থাংখ্রে মখোয় অনি চপায় [illegible] [illegible] ।

নোংমা নিনি লৈবগা [illegible] [illegible] [illegible] অদুগা চৎলগা যেংলুবে : "মহাক খুদোপ অদু শিবগা [illegible] [illegible] চৎ [illegible]" হায়বল্লে "মখোয় অনি থুনা চৎলু" । মখোয় অনি [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] সলাম লাবাগা য়ুমদা চৎলগা "[illegible] [illegible]" [illegible] "[illegible]" চৎখি" হায়রে । মখোয় [illegible] ।

লাবানা মখোয়দা হংজিং [illegible] । [illegible] মখোয় [illegible] ঐখোয় থবক [illegible] [illegible] [illegible] হায়দনা [illegible] য়ুমদসু চৎ[illegible] ।

[illegible] থব [illegible] [illegible] ।

লাবাগী খুৎশানা [illegible] [illegible] খুদেং অদু [illegible] 'খাউল' হাপ্লি [illegible] ।

বাবু "ইতাউ [illegible] [illegible] ।"

শাজৌ-উই উই, মশেন [illegible], ওইনা উই"

বাবুগা শাজৌগাদি জাল পেংবা চৎপ । অহল অদনা জাল যেংবগী কোল হায়বকপা অদু মবান্না [illegible] [illegible] হোৎনবা চাউববা থবক অমা ওইবে ।

নোংমা নিনি লৈবগা [illegible] [illegible] অহল অদুদা অমুক চংলে । অঙাং অমনা ঐখোয়গী কিদা থ[illegible] । [illegible] ফমদুনা মিংশেনদা থাও তৈবগা মন্ত্র শোল্লে । অমুৎ অমুক [illegible] অমুক উইশিন ঙায়হাক তৌবগা ঐখোয়দা হায়বে-মহাক মী অমদা পোৎ অদু যোন্নবা হোৎনরি । তৌজিক খব থুনা চৎলু । পোৎ মশক যেংর্নাব । নিপা অমদুনা পোৎ অদু লৈবা পাম্মী ।

মখোয় অনি একাগাড়ি তোংদুনা লাক্লগা লাবাহোযদা চংলে । ইতাউ পাবা লৈব্রা হংলে । লাবাদি থবক চৎখিবদগী হল্লক্তি হাযবে । থবক কদাযদনো হংবদসু মফম খংদ ত্যাকলমদে হাযবে ।

অসুম তৌন [illegible] লাম লাবাসু [illegible] খুদোপ তম্ফা থিনবা হুবা মীনি খন্ন খন্ন, মঙাল্দগী পোৎ অদ কবম্না লৌথোক্কদগে, থনা তাক্কদ্রা থনানা ফুবগা পোৎ অদ পুথোবক্কর্বাদি [illegible]. লৌদবা ওইবস্দি ঐখোযগী ইথক্তা ইজ্জৎ [illegible] তান্নক্কদৌনবনি [illegible] বদা উবা মী অদু হুবানর্বানি হাযর্বসি [illegible] । [illegible] মত্রংনি মী অদুনা চিংন চিংনবা মী অদু উবনি হৌর্বা ।

হলানবদি [illegible] । [illegible] নলাম লাবা নুংশিদর্নাদি খুদোপ মাংখিবা [illegible] । [illegible] হাযনবদুদা ঐখোযগী খুদোপ মানা [illegible] থনরক্তনি । [illegible] মংশেন্দা উবিবসে শাজৌগী [illegible] [illegible] ।

[illegible] হাযবব্ শাজৌন [illegible] । [illegible] মী অমত্তা নুংশিদ্র

[illegible] নুপানা শাজৌগী নুপীদা শৌগ্র মনা [illegible] হেকড, অদবু [illegible] হংখোল [illegible] শৌগ্র [illegible]" হাযবখি । বা অদু মপুবোইবা [illegible] অসুম্না [illegible] নুপা ১০দা লৌগে হাযবদা পিবকত্রে । [illegible] শৌগ্র [illegible] অদুম্না হাযবকপা, যদে ঐখোয মীগী [illegible] যাউদনা থবক [illegible] ।

নুমিৎ অদুগী [illegible] কৈবোন্নর্বশিংদা [illegible] অমত্তা তাংনখিদ্রে ।

নুমিৎ থর্বানগী মমাংদা শাজৌগী নুপী থবোনা লাবাহোযগী ইংখোন্দা ওনশিন্নগা সম্না লাউঁখি । নুমি অদু লাবা লৈতে, কবোক্লৈদি লৈ । লাউখিবা খোজেন্দি [illegible] যুম্লে কৈবোন্নবগা পোৎ হবা ফত্তে । ঐখোয হুবানবা মশক খংলে, জাল যেংলে মাইবী যেংলে, । ঐখোযগী মাঙোন্দা হেক্তা লংশিল্লকউ নৎত্রবদি শা-লাল শাননি খংউ ।

মমি শামি ভাবনা শাদুনা খব খর উবতদা অসি য়ৌনা ঙাংন শক্লুরবাসিনদি অশেংবা উবদদি করম তৌনবা তাবগে ?

কয়া থাজব্রবা, থাজবদগী মাইবী শেল হুম্নে, মাননি শদুনা মী কয়া ফুনখি, শিবসু য়াউনখি । জাল য়েংবসু অদু মঙায় । মী অমা অনিনা জালগী মিত্রং তৌবগা মী ফুনরি । অশেংবান নৌরিব ।

নোংমা মেদিকেল মিনিষ্টরনা অসুম্না হায়খি কমুং ১০০ চনবা হোস্পিটাল অমা শারগনি ।

ঝা অদু তাবদা মকোক্তা চিরায় খাকপা, য়ৈজোং, য়ুবিং, ইনফি পুমঙৌ ঙৌনা শেং চাবা নুপা অমগা [illegible] 'খল খুল খুদিংদা লাইশঙ্ মচা অমমম শাবিদুনা পুক্লুং চংনা ঈশ্বর খুবম্নব হোং নরিবদি ফগদনা । [illegible] মীশিংনা লাই নিংদ্রবনিনা ঈশ্বর [illegible], [illegible] [illegible] [illegible], ফুনবা, নাবা-যেকপা, [illegible], [illegible] [illegible] [illegible] তৌবক্লগনি । মীয়াম অসি লোযনমক নাননবা [illegible] [illegible] শিঙো । [illegible] এখোয় পুম্নমক্কী লাইবক খিবনি' ।

লাই নিঙদবদগী মীশিং অসি লাইগী [illegible] [illegible] অমগা নুংশিনদে, মতে মনাও নুংশিনদে, মপা মচা নুংশিনদে ; [illegible]-[illegible] শাগৈ-নাতৈ নুংশিনদে, মপা মচা [illegible] মপান, শাগৈ নাতৈ লোয়না য়েক্লবা ওইনরকই । অমগা অমগা হাওক্লবি হাওক্লগনি । নৌরিবা মীশিং অসি লোয়না নাববনি । মসিগী হোস্পিটাল শারা ভুমগদা [illegible] নাবা তাবর্বাদ মীযাম অসিগী তংখায় অমগী হোস্পিটাল শাবিন তায় । জায়বি ।

নোংমা খবরদা য়াউখি সডক মপান্দা নৈবা লাইশঙ্ ক্লনকী শঙ, মৈবা পায়বী ইমা ইবেনশিংগী শঙ্ অসিনাচিংবা পুম্নমক লোয়না তকখায়বগনি ।

ঐগা নিপা অমগা খবর অদু পামিন্নে । নিপা অমদুনা ঐঙোন্দা হায়, সকার অসি পুন্মাঙ মাঙলান, ঐখোয় পুম্নমকসু পুন্মাঙ মাঙলনি । অতৈ অতৈ থুগায়বদি য়ায়; লাইশঙ থুগায়বা হায়বসি ঐখোয় পুম্নমক পাপকী লম্বীদা পুশিনর্বান ।

মানা ঙাংঙিবা ঝা অসিবু করিনোনে ? মহাক অসিবু প্লানেট অসিদা নৈবা মী নংত্রনে ? নহান নোংমসু নিপা অমনা হোস্পিটাল শাবগী মহুত্তা

লাইগী লাইশঙ শাগদর্বনি হাযখি। ঙসিনা নিপা অসিনা সকাবগী লমদা লৈবা লাইশঙ মখৈ শিন্দোক্কনি হাযবদা "ঐখোয় পাপকা লন্নীদা চংলর্বনি" হাযবি। মখোয় অসিগা জাল যেংবা মীশিংগা কবিদা খেন্নাববা ? মখোয় অনিসি অমত্তদি নত্তে। অহানবগী অসিনা ধর্ম্মগীনি। অদুবু থাজবা থাজদবা লৈ। অনিশুবা অসিনা শেল ফংনবগী মিত্রং তৌবনি। লাই যাউদে। মাস থাজবা থাজদবদা লৈ।

মাইবীদা শেল হনবস তোক্লে, পাঞ্জি যেংবসু পোথানে। জাল যেংবসু চোকথবক্লে। অসুম তৌনা থা অমবোম হৈখ্রবা তুংদা নোংমা অযুক অমা ফত্ত তৌথি হাপচিনফম পোলাং অদু অত্তাং অপিকপা ২ / ৩ না ইনথুক্নে। অত্তাংশিং অদু তান্নদনা খবাক অমমম থাবিখ্রে।

যত্ত তৌথি অদ শাস্ত্রৌগা মচননুপা যাইমানা ইব জবমদাযদা মখুৎ অনিনা খোমাজিল তাশি লগা পোলাং অদদা ১ / ৬ লক হাপচিল্লে। লৈবাক্তা লৈহৌবিবা ফত্তবা খবদুদা সনাগী খুদোপ মানবা অমা থেংনবে। "খুদোপনি, খুদোপনি" হাযবগা ঈশং খবদা লপাশিন্দুনা শেংনা চামখোবপদা মখোযগা সনা খুদোপ তমথা থিনবা অদু ওইবম্মে। মবুংগা মনম্মগদা তাকএ। মনাম্মা থবোনা হাযবি মাঙোন্দা যা যা লাউবিনু। লাবাগা নুপানা লংশিল্লকপনি। বা অদু ভাবদা শাস্ত্রৌনা বাখল ইতৌ তৌদনা খবোগা মনাতোন্দ। খুতম্মা শুবদগী নাহনা অতৎ অখম লৈতনা ত্পিক্লে। শাস্ত্রৌনা হায লংশিল্লকপা ওইববদ অহাংবা মঙ্গোন্দা তাগদর্বনি মীনা উবোযদবা মথমদা লৈবোয। ফত্ত তৌথি মবক্তা লংশিল্লক ওই। মাসদি নংনা যাম্ম চেকাশিন্দবগী খুর্দাম্ম। ঐখোযগী ইমুঙগী মীশিং অসি মসি মাঙবদা মতম চঞ্চদা খোইদৌ শাউগৎলিবা, ক্ষৌত্রগা ও হনগৎ হন্দা চৎপদা ঐখোযবু মতম কয়া মাংহনখ্রবা, সলাম লাবাগা ঐখোযগগী নুংশিনদবগী মচাক ওইখ্রবা, মাইবীদা, জালদা শেল কয়া শুন্দোকখ্রবা, আসশুন্না ওইদবা থবক অসি তৌশুমসি হাযবসু যাদবা। মসি পুন্নমক নংনা চেকশিন্দবদগী থোকাখ্রবনি।

ধম্মগী উপাল মাংহনগে তৌবা

যাম্না লাযরবা ইমুঙ অমগী মচা ৬কী মবক্তা মবুদ্ধী লৈবা. মীওই মীতৌ ফজবা পাখং অমা যাউবল্মী । মাগী মমিং মালেম ঙানবা কৌই । লাযরবনা মবম ওইদুনা মচাশিংবু লাইবিক হৈহন্নিংলবসু অযাম্বা মতমদা মপানা মখোযবু থবক ইনখাং শুহল্লম্মী ।

মালেম ঙানবা 10+2 লোযবগা এম. বি, বি, এস ১সুং ইঞ্জিনিযাবগী এন্ট্রান্স একজামসু যাউশিল্লম্মী । মহাক্না পুম্নমক্কী মকোক্তা লাক্লে । অদুম ওইনমক মখোযদি লাযরবনিনা কবিমগ্তা তমগে খল্লমদে । মাগী ব্রাখন্দা অযুক পুংথন্দা অঙাং ত্যুইসন তৌবগা নুমিদাংদা নাইট কোলেজ তমগে খল্লম্মী । অদুগা তুংদা এম. পি. এস. সি. নচিংবগী একজাম যাউবা পাল্লম্মী ।

নুমিৎ খরনি লৈবগা অতোপ্পা লৈকায অমগী ইনাক খুনবা, বাজাউ চাংবা অহল অমা লাক্লগা মালেম ঙানবু পোকপা তোযাযমাগা উন্নরে । মহাক্না হায "তাদাগী ইচানুপা লাইহীক ফবা অমা যাউবি হাযনৈ । ঐদি নহাক্কী নচা'শুম্না অফবা অমত্ত ওইনবসু যাউবা লাই খুবম্ননি । অদুবু লাইবগ্তা তমদে । মবুদ্ধি শোযবোম্না ডাক্তা পোকই ।" মহাক্না অম্নক মখা তাবকই কবি তমহনগদৌব ডক্তরবনা, ইঞ্জিনিযাববা ?

তোযাযনা খুল্লকই-হোয ইবুংগো বাবু, মানা ইন্টর্ভিযু খুদিংদা মকোক হেক হেক তাই হায । থাগী শেল খব খর্নদি ফংলনি হবাউজবিবনি । মহাক লাইবিক ফবনিনা মানা তম্নৌবগা লাইবিক হৈগান লৌনগনি । অঙাং লাইবক তমহনগে অঙাংগী ওজা ওইহনগে অদুম তৌববদি ঐখোয চবামক্তি হেল্লবোম খঞ্জবি ।

মবল লৈবা শেল পাযবা থোংলেন্না তোযাযমাগী ব্রা তাবদা যাম্না হৌনা নোক্লগা হায নচা অদুক ফবদো অঙাং ত্যুইসন তৌহল্লগা মাংহল্লগদবা। নত্তে. মীনা ঐবু বাজাও চাংবা হায়বাব । ঐনা হাযজবা বা ঙমখিদবা অমত্তা যাউদ্রে । নোক্লগা ঙাংবদা মীনা নুংশিদবা অদুগী ব্রাতনি । নোক্তনা ব্রা ঙাংগে হাযবসে ঙমদ্রে । ফবে মসিগী বা অসি থমখিসি । তাদা ইচাসে ডাক্তব তমহনসি । ঐখোযগী মাইকৈ অশোমদা ডাক্তব যাম্না ব্রাৎলি ।

ঐনা মাগী শেল পুন্বা হেক তম্বা লোযবা ফাউবা পুথোক্লনি । তাদানা কবি খনবিবগে ?

তোযাযমা-ইবুঙো নুংশিখ্রেদা ইনাউগী বাসি তাবদা; নহাক্লা লমদম অশোম্ব কযাদা থম্মোয শেংনা নুংশিখ্রবা । লৃপা লাক্ষ কযা পুথোকপিদ্না ইচাবু ডাক্তব ওইহন্দুনা মীযামগী সেবা তৌর্হন্নিংঙি । ইযাম্বস্ পামজৈ । ইনাউনা তাকপিবিবদো যায ।

ইচা অদু মমান্নবা অমা লাকপদগী থিন্দোকখ্রি । নুংঙাযববা পাউ অসি হোবেন মা হল্লক্লগা তমজগে । ইচাদুনা হাযবিবনা পৈশা নুংশা লৈতর্বনিনা অঙাং ত্যইসন তৌদনা শেল তাল্লগা লাইবিক কন্না পানগা আই এ এস একজাম যাউগনিগা পংহায হায । হৌজিক ইন্টর্ভিযু যাউবিবসিদ মী কিদনবা, এক্সপেবিএন্স লৈনবা যাউবিবান হাযনে ।

থোংলেন মদুদি অঙাংদুনা খল্লিবদো ঐদি লাল্লি হাযবোয । মাগী মবুদ্ধি মযাম ফংদোক্লগা ভাবত সকাব অসিগী তৌঙন্বা মাশক অমা ওইগে হাযর্বনি । হোবেন মা লাক্লগা মাগী মপুক্লিংদা কবি খল্লিবগে, মদুদা সম লেপ্লগদ্রা হাযবদু খংদোকপিযু । কাবগুন্না ডাক্তব তম্লিংবা লৈবগদি নপা নচা ঐগা ইনাক্তা লাকপিযু । হৌজিক্কিদি ঐ চচ্চবগে ।

অসি হাযবল্লগা থোংলেন চৎখ্রে ।

মালেম ঙানবনা মযুমদা হঞ্জিল্লকপদা তোযাযনা ইনাকখুনবা থোংলেন লাক্লমবগী বাবি তৌবম্মা । মানা মপাদা হায বাবা মদু ঐ যায । মানা শেলযাম অমা পুথোক্লগা ঐবু মহৈ তমহন্নাঙবা কবিগীনো ? হযেং ডাক্তব তম্বা লোযবগা মাগী মচানুপাগা লূহোঙগদবনি হাযববদি ঐ যাবা ঙম্লোয । মহাক্লা শেল থোক্লবা উপাইতা থিদুনা লৈবিঙৈদা মচাশিংগা মহৈ মশিং তম্বা যেংশিনবিদে । অদুবু নিপাশিংদি খব ফৈ নুপীশিংদি লমকেৎ লমহাযবী ডাক্তা ওল্লে । কোম ক্লা চানগা মমান্নবিশিংগা বাবি শাবদা মযাদগী ক্লা মাহ মমান্নবগী ফি-দা চুবদগী বাযাম্নবনি ।

হৌজিক মানা লাইবিক হৈববুদি নুংশি । ঐদি মাসে অদুগা অমত্তা খংদবা মীবা খল্লবে । মাগী মচশিংবু লাইবিক হৈনবগী থৌবাং অমত্ত তৌবিদে । হোয মচাশিং অদু শেন্বা থোক্লবোয খল্লম্বা যায । হৌজিক মানা

লাইবক তৈববু নুংশি । ঐবু ডাক্তর ওইহন্নিংঙি । অচংবা শেল পুম্নমক মানা পুথোক্কে হায়বা । অদু মাগী কথোকপগী থৌনা অদুবাদ ঐখোয়না থাগত্তবা ঙমদে ।

মথংগা নমিত্তা তোয়াযগা থোংলেনগা উনরে । অদুদস থোংলেন্না গাম্না ফজথোক্ক বা ঙাংলকখি । "ঐ অতে কনিমতা খন্দে । মীওইবগী সেবা তৌবনা অথোইবা ওইবন্নে । ইচা অমত্তা অফবা যাউদদনা মীগী মচাব ইচানি খন্দুনা ডাক্তর ওমহন্নিংঙি । হয়েং, ঐ শিখ্রবা তুংদা, থোংলেন্দো বাজাউ ঙাংজবান মানা অঙাং ডাক্তর, ওমহল্লস্মী, হায়নহৌবা অদুান ননাউনা পামজেবদি । এগী তৌজিক ওইবিবা যিংবম অসিদাদ কনানা শোন্নাবদৌব "থোংলেন্না ডাক্তর ওমহল্লস্বনা ঐখোয় পুম্নমক অবাবদগী খনমথোদ বে াক্লে" হায়হঞ্জানংই ।

মান হচানপা লাশিনবা এ পামদে । মগা মতিকচানা নপা, মানা মবাননা খনজেবক্কান । অদগ অমনা মানা সকাবগা থবক তৌবদা শেল চ গদবা লেবনসু এ জে । নখোয়দগা লুপা অমগা মল লৌনোগ ।

কানংন্না এনা লাইবক পাদনা, মহাক্ক ডাক্তর ওম্না লোগাদ্রইংদা শিখিবা থোক্লবাদ, মগা শেল থাগী মুনব দালল শম ইদনা থনমগান । থানিবন ।

থোংলেন্না মালেম ঙানবব চহি মখা মখাই ডাক্তর ওমহল্লে । মালেম ঙানবনা মাগী মরপ মপা, পুম্নমক্তা মনকল থোংলেনগী তৌবা ওম্না মতিক মঙ্গন কয়া থাগতনা ঙাংলম্মী । মহাক্তা শেনযাম অমা পুথোকপিদনা শোংখনবা মাইকে অশোমদা ডাক্তর লৈত্রবগা ঐব ডাক্তর ওমহনবা । মাসদা ঐনা মাইকে অশোমগী প্রজা অমা ওইনা মনকল থোংলেনবু হন্ন হন্ন থাগৎচরি । অদগা অমনা মাইকে অশোমদা লৌবব ইচিন হনাও, মক ওইনা . .. বিলো, পোলার্ত লাইনগা কার্দ পাযবমখৈ ঐনা লাযেংবদা শেল লৌজবোয এ সকাবগা থবক তৌদনা শেল তানগনি । শেল খব খব লেপ্পুনা তংশিনগান । মদনা অবনা অনাবা পুথোক্কবা খুলায লৈবদা মতেং ওইগনি । অদদগাদ মতম খবগী মতুংদা ঐস্ বুদ্ধ দেবগা মতমদা ফাউখিবা ডাক্তর জিংকাশুম মীযামগী সেবাদা কথোকচবা ঙমগনি ।

নুমিৎ অদুদা তিনখিবা মীয়াম অদুনা মাবু থাগৎলম্মী । মীশিংনা মাগী মাগী অরৈবা চেং, হৱায় পুনরক্নুনা চাক চামিন্নদুনা নুঙায়বা ফোংদোক্লম্মী ।

ডাক্তর তম্না লোযরবা মতুং থা ৭/৮ লৈরগা নোংমা অয়ুক অমা থোংলেন তুমখিনদগী হেগৎলকত্রে । মহাক মঙলাক্লদুনা লৈখিদ্রে । ওস্থোকপা মতৌ হায়বদুনি । মাবু মী পুম্নমক্না "পুকচেল চাউবা ইবুঙো" হায়বা ফমথোন পিরবনি । মরমদি মানা নিংখিবা খনখিবা অদু নোংম নোংমগী মীয়ামদা অচুম্বা অফবা. তংদু লৈতানা অনা অয়েক যাউদনা ত্রিংবা ঙম্লকখি ।

মী কয়ানা ইনাকখুনবা নিপা অদু লৈতবগী পাউ থাবকখি খরনা মশা মশা হেক লাকপিদুনা মমি তুগী পি শিন্থরগা লৈগা দোলাই তোংদুনা স্বর্গ কাবিখো; মফম অদুদা নভার্থী আত্মানা ইংনা চিক্লা লৈবিয়ু হায়রনচিংবা হায়নবগা চৎলোকো. লেংলোকো হাযদুনা বিদায় তৌনখি ।

ডাক্তর মালেম ঙানবাদ থৱায যাউদ্রবা থোংলেনগী মশা কোন্দুনা কপতুনতা লৈখ্রে । অসুম্না ফনা কুইনা কোল্লবা তুংদা মাগী মাম্মা চাউবনা নৈংগোন পিবে । মক্নাক্না হায অনকল অসি মীয়ামগীদমক হিংলম্মী [illegible] যাচুম্বান । ঐঙোন্দা তোনাশিল্লিবা লমন অসি ঐনা হন্দাক্কি মপোক অসিদা শিংবা [illegible] ।

থোংলেন্না লৈখিদবা মতুং থা ৩ বোম লৈবগা থোংলেনগী নুপী হাযবী নোংমা ডাক্তর মালেম ঙানবগী যুমদা লাক্লগা হায়বরে-তাদা ইবুঙো তোনায, ননাউ নুপাদো লৈখিদ্রে । অদুমকপু মানা পামজরম্বা ইচানুপীগা ইবুঙো ডাক্তরগা লুহোংবসে করম্বা নুমিৎ থাদা হোঙলগা ফগদগে যেংলগ । লুহোঙবিননা তৌবিগা ।

তোযাযমা-ইবেম্মা, ফিংখন্ন তপ্প তপ্প ঙাংনসি । অনাবা যেংবা লাকপা মীনা কুম্মৈ ওইনা য়েংখিনি । ইনাউ ইবুংঙো থোংলেন্না ইবেম্মা হোয়দা কবি কবি হায়বম্নগেনে ?

হাযবী-ঐনাঅমুক হায়জদ্রবসু নখোয়না হেন্ন খংলিবনি । ডাক্তর তমহল্লে, লোয়বে । কদৌঙৈ লুহোংসিগে হায়না নোংমতা মাঙ্গোল কাহনবিরক্তবা করিগীনো মপাগা লৈতবগা ঐদি খোইদৌ য়াকফম প্রোক প্রোক চাকইদা সৈতা (সত্যা) ।

তোয়ায়মা-ইবেন্মা নখোয়না ঐখোয়বু নুংশিবিবসিদি পুক্সি অসিগী কাউররোই । নহাকপু ঐনা অব্রাংবা থাক্তা ব্যাবহার তৌজে । অদুবু ব্রাফম অদুদি খজিক্তং ওন্নব্রা খল্লি। মহাক ডাক্তর তমহনবা অসি নচা নুপী কেথবী অদু পিসি হায়নব্রনে ? ঐনা ইবুঙো থোংলেন্দা 'কবি ব্রাখন্দগী ইচাবু ডাক্তব তমহনবা পাল্লিবনো হংবদা ইবুঙো থোংলেন্না খুমখিবদি 'লৈকায় অসিদা হোস্পিটাল লৈতে, ডাক্তর লৈতে, অনা অয়েক য়াউরকপদা ঐখোয় যাম্না ব্রায' অদুননি খুল্লকখি । নচা ইচা লৌন লৈনহনসি হায়নখিবসু লৈতে । ঐনা ইচাদি ডাক্তব তম্না পামদে, হায়জবদা ইবুঙো ইনাক খুনবা অদুনা মীয়ামগী সেবা তৌবা যানবা ডাক্তর তমদবা য়াদে হায়দুনা তমহনখিবনি । "ইচানুপী পিনিংদুনা ডাক্তব তমহনবা নত্তে । ঐগী ইচানা ডাক্তবগী নুপী ওইবা মতিক চাবোয" । হায়খিবনি । নংনা ঙাংলিবদো ইচা নুপা তাবর্বাদি যাম্না শাউবা তাবে । নচানুপী ঐখোয় পামদে ডাক্তব তম্নগী সার্টিফকেৎ লৌজখ্রো ।

অসি হায়বগা তোয়ায়মানা এম, বি, বি, এসকি সার্টিফিকেৎ লৌথোক্লবগা হায়বীদা পিবম্মী ।

হায়বীনা মথোং মবম ইখং খন্দনা সার্টিফকেৎ অদু পায়বগা চংখ্রে ।

পুংমুক লৈবগা হায়বীগা মচানুপী কেথবীগা অমুক লাক্লে । মতম অদুদা ডাক্তবদি থবক কাখ্রে । তোয়ায়মানা মখোয় অনিবু সোফাদা ফমহল্লম্মী । হায়বীনা ক্বা জোপ জোপ শায়বদুনা হায়, ডাক্তব তম্না লোয়বগা লুহোঙবা হায়না যানখিবনি । হৌজিক অহল নংনা মপা লৈত্রবসিদা ব্রা লৈথোক লৈশিন তৌবা যাবানি খন্দুনা হায়বিবিবনিনে, যাবোয ঐখোয়, ইচা লুহোঙবিনবা লুপা লাক্ষ কয়া এডভান্স পিখ্রবনি নখোযদা, হৌজিক লুহোঙলোয হায়বা যাবোয । চে মচেৎ অসিনা কবি কান্নগনি ডাক্তবগী মহৌদ মাগী মকোক্তা লৈখ্রে ।

তোয়ায়মা-ঐখোয নখোয়দগী শেল লৌখিদেদা ।

হায়বী-নহানখে মানা ডাক্তব তম্নকইবসে কদায়দগী শেন্নো ?

তোয়ায়-শেল অদুদি নহাক্কী নপুবোইবনা মীনম শোবি তৌদুনা তানখিবা শেন্নি । মীগী হু লৈবা শেন্নি; 'শেল অসি অফবা লম্বীদা থাদরবদি

ঐ পাপ চেল্লোয়' হায়দুনা থাদবনি; হায়বিগে তাজৌ নংগী নপুরোইবনা ঠিকা তৌবদা ইঞ্জিনিয়ারগা মান্নরগা হুহৌবা শেন্নি । শেল অসি ইবুংঙোনা ডাক্তর তম্বদা শিজিন্নবিয়ু হায়না পিবনি । শিরবা নপুরোইবদু নংনা হাত্তৌরি ।

হায়বী-য়ারোয়, য়ারোয় অদু হায়বা য়ারোয় ।

তোয়ায়মা-করিনোনে ইবেম্মা ঐখোয়বু মমৌ হাৎপা, মচা হাৎপগা হায়বদো তৌহন্‌বিরগেরা ?

হায়বী-তৌনু, অদুম তৌনু, অদুম হায়নু ।

তোয়ায়মা-ফরে ইবেম্মা, ইনাউ ইবুংঙো থোংলেন্না ডাক্তর তম্বা লোয়রগা নচা ইচা লুহোঙগনিগা হাবয়া চে-দকা (দলিন) ইদুনা থনম্বা লৈব্রা ? লৈরবদি ঐখোয় মদুগী মতুং ইন্না থবক তৌসি ।

হায়বীগা কেথবীগী মমা মচা খুম্বা ঙমদ্রে । মখোয় অনি হৌগৎলগা চৎখ্রে । মখোয় মমানা অসুম্না হায়খি-নপাগী অম্বারিদা কোইথি থিরুসি ।

মখোয়গী ইমুঙবু লাই ওইনা লাৎপিগদবা অদু তিনমু লাইমু ওইনা খলহনখ্রে ।

মচা খান্নকপা

অহল ওইববা ওইববী [illegible]নিগী মচা নূপা অনি লৈবন্মী। মচানুপা অনিমক নূপী অঙাং লৈবে। [illegible] মচা [illegible]। মখোয়গী লৌচা পবি ৪ লৈ। মমা [illegible] উবগা [illegible] অনিবু মহৈ তমতল্লকই। নোংমতা লৌবুক্তা চৎহল্লক্ত। মচা অনিগী মিং মথংশিংনা বাজেস ১সুং বামেশ কৌই।

মচিন মনাও অনিমক লাইবব তম্বা কনবদগী মোৈনক ফাউবা তল্লগ তোক্লন্মী। মখোয় অনিবু [illegible] এম. এল. এদা [illegible] চবুন অমা অদুগা হডুকেসন ডিবেক্কবদা চবুন [illegible]। লোবান গ্রাইমা[illegible] ওজা ওইহল্লন্মী। অদুদগী থব লৈবগা নূপী [illegible] থিদনা [illegible]ন্মী।

ম[illegible]যগী ই খোল [illegible] [illegible] লৈব নু [illegible]হাযনদুনা [illegible] [illegible]লেকাস অদুমক্তদা লৈবা ইংখোল [illegible]

ম[illegible]মগী মতুং ইন্ন [illegible] [illegible]প [illegible]শল্লক্তব, চাবা তমদনা [illegible], না যাম্না [illegible]বা, ডাঙনবদা বাবা [illegible]

নহানমখে অহল অ[illegible] [illegible]। [illegible]থৌজিব বামেশ মচৈ [illegible] [illegible]পানা মাগী নিপাদা হায, অহল অ[illegible] [illegible] মতম অসিদা এখোযদি অহল অনি শেন্নদুনা [illegible] [illegible]খোবদা মাসগী মবমদা বাবি অমত্তা শান্নদ্রা [illegible] ফংগদবা লৈবর্দি, খোয অদু [illegible] [illegible] শেন্নদনা ঐখোযনা শেন্নবা, লৌনা মচিন মনাও অনি[illegible] [illegible]দুনা অনি [illegible]কসি হাযবক্কনি অমুক্তং বাবি তৌনবিযু। [illegible] শেন্নস লৌসু তংখায যেন্নসি।"

মথংগী নুমত্তা মাচন মনাও অনি উনবে। মচা অহন্না মপাগা লৈমিন্নবা, অতোম্বনা মমাগা লৈমিন্নবা তাবে। লৌ পাব অনি অনি ফংবা যানবে। লৌফম অফবদা তংখায অদুগা লৌফম যত্তবদসু তংখায যেন্নবা যানবে।

ইং ২০০৮ গী এপ্রিল তাং ২০ নোংমাইজিং নুমিত্তা ময়াম্বা রাজেসনা মপা লৌবা লাক্লম্মী । মচিন-মনাও অনি চংদুনা মপাগা মমাগদা ৱারি তৌরে-অহল অনি তোঙাল তোঙাল থম্বা; অদু ওইরবদি সেবাসু ৱাররোই; অহল অনিনা পেন্দবগী শাউরিবসিসু ফরনি অমসু অমসু ফনবা তৌবনি ।

মচিন-মনাও অনিগী ৱা তারগা মপানা মচাশিং অদুগা মমৌনুপীশিংদা হায়, ইপাগী ইবুংঙো অনি নখোয় ঐখোয়বু শেন্নবনা মতম খর ৱাখিদৌরিবনি । মসি অহল ওইবগী রোগননি । ঐখোয়সু অহল ওইরবা ইপা ইমাবু শেন্নরকপনি । নখোয়বুসু নচাশিংনা শেন্নরক্কদবনি । অসুম তৌরো ইপা ৱা হাযগে, অহনগীদা ঐখোয় অনি থা ৪/৫ লৈবা অমুক অতোম্বগীদা থা ৪/৫ লৈবা অদুনা ফৈদা ।

ৱা অদু তাবদা রামেশকী নুপী কুসুম্লেনা হায, কবিনো অহল অসুক ওইববা ফাউবা পুন্না লৈমিন্নবা পাম্বোয়রে ?

মমিত্তা পিগী ই-বা চেল্লবা হনুবনা হায, ইবেম্মা ঐখোয়সু নখোযগুম্না শিবোই নারোইদবোই খন্দুনা চহি কয়া অসি লৈমিন্নরকই । হৌজিক ঐখোয তপ্ন তপ্ন অহল ওইশিল্লক্লে । নহা ওইবিৈঙদগী হৌজিক ফাউবগী ঐখোযগী পুনশিগী ৱারি কনানা তাবিগনি ? হৌজিক নমানা ৱারি লিরি, ঐনা ৱাবি তারি । অমুক ঐনা ৱারি লি, নমানা ৱারি তাবিগনি । অসুম্না ঐখোয়গী হৌখ্রবা কয়াগী পুনশিগী ৱারি তৌনৈ । ইমৌ ইবেম্মা নং নোক্কনু, করেম্নবা মীনোক তৌগনু । পাপ লংশিনগনু, পুইন্য তাল্লু । ঐখোয় অনিবু হিংনা হিংনা তংখায় খায়দোক্তুনা থমগে হায়বা । তৌহৈদে । নমানা শিরমদায়দা মচা অনি কনাদা শিন্নরমগনি ? ঐনা হান্না শিদৌবা ওইবগা নমাদা শিন্নরমগনি । অরোয়বা অদুনা ঈশ্বরদা শিন্নগনি । নখোয়না চাব-থকপা ৱাত্তনা নুংঙায়না পানবা উরগা নমা নপা ওইবা ঐখোয়না নুংঙায়রিবনি । অদুবু ঙসিদি ইখঙ খঙহৌদনা নুংঙায়বগী নুমিৎ অদু তাখ্রে ।

অসি হায়রগা মমাগা মপাগা মপি চদুম চদুম তাদুনা কপলম্মী ।

মচা অহল রাজেসনা হায়, বাবা করিসু খনগদুদা নখোয় অনি অহল ওইবদুনা রামেশনা পংৱা ৱারে । ঙসি নুমিৎ ফরিঙৈসিদা বাবাদি ঐগীদা চৎনবা গাড়ি পোরকএ । বাবা হৌগৎপিরো ।

মচাগী ৱা অদু তাবদা মপানা হায়, নুংশিদা ইবুংঙো, নং লাকপসি ঐখোয়দা যম লাকপগা চপ মান্নখ্রে । ইপা পেল্লে । ঐনা ঙাংখিবা ৱা ময়ামদুনা নখোয়না ঐখোয় অনিবু নুংশিররোয় । ঙসিমক ঐখোয় য়ুম অসি থাদোক্লগা চৎলনি । নহোয়গী মামতোন মুহোনসিং অমুক্তা কৌরকই । মা গাড়িগা লোয়ননা হৌজিক ঐখোয়দা ঐনা লাক্ত য়াদে হায়য় ।

মুহোনসিংনা থবক তৌবা চৎঙদবগী মফি-মরোল শেক্তুনা লৈরিবৈদা পাউ অদু ফংবদগী থবক তোকপোক্লগা মবাইগা মচেপগী মনাক্তা লাক্লম্মী ।

মহোনসিংনা ইবাই হায়না কৌরগা মবাইনা খুরম্লম্মী ।

মুহোনসিংনা হায়, ইবাই ইবুংঙো কাব তাকপিগনবা ।

মবাইনা হায়, নং গাড়ি য়াউরকপ্রা ?

মুহোন-অহোয়, য়াউজরকই ।

মৌনা কম্লবা থাবা মোড়া অদুনা মুহোনসিং ফম্লম্মী ।

ঙায়হাক্তি ৱা-লাং অমত্তা ঙাংনাদে । মচা মমৌশিং লোয়নমক লৈখাদা য়েংথবগা লেপ্লম্মী । মুহোনসু মখোয়শিং অদু উবগা ঙক্লম্মী অদগা করিগুম্বা থরাদ থোকখ্রে হায়না খল্লম্মী । তাঞ্জাদা হনুবনা হনুবীদা ফি-রোল শেৎচিন্নবা ইঙ্গিৎ তৌই । হনুবী ভাব তায় । ফি শেৎচিল্লি, ইনাশাল্লি । অথাবা ফি থরসু তাশিল্লি ।

মখোয়গী থৌরাং লোয়নগা অচিকপা অদুবু খুনায়দুনা মপানা মশেন নিপাবু কৌরকই । 'মুহোন' ।

মুহোন-ইবাই ইবুংঙো, ইমাকশিংনা করি তৌথ্রবগে ?

মুহোনসিংদা কনাদগীসু পাউখুম ফংদে ।

বাজেস মপা-ঐগী ঘড়ীগী সড়ক মপান্দা লৌ পরি মরি লৈদনা ?

মুহোন-অহোয় ।

রাজেস মপা-ঠিকাদার রামদাসনা লৈরগে কন্না হায় । লুপা লাক্ষ ৫০ পিগে হায়য়ে । য়োনখ্রগে । থাদোক্লগে লৌফমদো । নংনা লৌশিনবা ঙম্লগা লৌশিল্লু । ইশেন্নবু র্দকার লৈরবদি ৪০ (নিফু) দা পিয়ু । অতৈ মীদা পিনিংদে । নবান্নিনা লৌহৌদ্রর্বদি অতোপ্পদা চৎখিবা তারনি শেলদি নুমিৎ ৬/৭ নি মনুংদা ওইগনি ।

মপাগী ব্রা অদু তাবদা মখোয় অমগা অমগা ঙক্লা য়েংনবম্মী । মচা অতোম্বা রামেশনা ব্রা ঙাংগদবগী ময়া কাখৎলকপদা মপানা মঙোন্দা হায়, হৌজিক ঐখোয় নখোয়গী ব্রা স্তাদবোয় ।

অদুগা মখা তারম্মী-লৌ অদু অচোম কুল্লসিংনসু গোডাম শানবা পরি অমদি খায়বিয়ু কন্না হায়বনি । অসিগুম্বা মচিৎ মখাক্কী ব্রা অসি অমত্তা য়াগুমসি । ঐগী লৌকমদো মীনা প্রপ প্রপ মুন্নবনি । আ কমদৌনি মীগী ওইয়ু তমখ্রেদনা ।

ঐঙোন্দা শেল পিশিল্লক্কদবা নুমিত্তা, ইবাইদি চখোক চৎশিন ঙমদ্রবনিনা, বেঙ্ককী মেনেজরসু নহাক্লা ঐগী ইনাক্তা শেল অদু জমা তৌশিন্নবা পুবিরকউ ।

মোংশাঙ্গৈদা লৈবা অহর্নাশংগী এজেন্দ হোমদা নচেগা ঐগা লৈখ্রগে । অঙাংশিংনা হায়রিবা ঙসি অসি নুমিৎ ফৈ হায়; পুর্নিমা নুমিৎসু ওইদনা । ঐখোয় অনিগী থাগী ফি লুপা লিশিং তরুকখক্তনি । হৌজিক ফি খর হেনগৎলনি হায়বা তায় । অদু ওইদুনসু লুপা লিশিং নিপান মঙায়দনা । লুপা লাক্ষ নিমফু/য়াংখৈগী শেন্দোয়না ঐখোয় অনি মহাউ লৈনা মফম অদুদা হিংলুরগে । ইসেন্না খব থিনবিয়ু ।

অদুদগী মানা মচা মমৌদা ওনশিল্লগা তপ্ল, খোঞ্জেল নিক্লা হায়, নখোয়দা ঐখোয় ঙসিদগী চা থক্কে, তল চাগে চাক লাল্লে হায়ররোই । নখোয়দগী শোরাৎ চৎলুবগী ক্ষেচুড়ি নিবদো তোক্লনি । খোঙ খুৎ চিকপগী গুলি লৈবিয়ু, মৈতাল লৈবিয়ু, ফৈজুপ লৈবিয়ু হায়ররোই ।

চানিংবা চারগা, থক্লিংবা থক্লগা,ক রেডিও তাদুনা লৈরুরগে । টি, ভি য়েংদুনা লম লমগী শা, ঙা, উ, ব্রা, মীশিংগী শওং শদা, শাজৎ লিচৎ ফমুঙদা নুঙায়না ফমদুনা য়েংলুরগে । ঐখোয় অহল মখৈ পুল্লগা ব্রারি শাদুনা পুনশি অসি নুংঙাইনা লেল্লুরগে ।

অদুগা অসিমদি নিংশিংঙু । ইচাশা, ইমৌশা নখোয়সু ঐখোয়গুম্না তৌরক্কদৌরিবনি ।

নখোয় নখোয় য়ুম পুবা ঙম্নবা ইপানা তলব চাহল্লে । হৌজিক নখোয়গী করিসু ব্রাৎত্রে । নপা নমা ঐখোয়গী শ্রাদ্ধ কম্মগী নখোয় করিমতা খনগনু ।

ঐখোয়না শিরমদায়দা শেলশিং অদু অহলশিংগী হোমদা কৎলমগে অসি হায়রগা অহল অনিমক গাড়ি কাখৎখ্রে ।

দাকুদগী তকাটি

ইম্ফাল সগডদগী যাম্না লাপ্না চানুঙ কৌবা খুঙ্গং অমা লৈ । মফম অদুদা খোংজাযগা মীতৈগা পুন্না খুন্দামিন্নে ।

মফম অদুদা লৈবা মীতৈ লাইশোম খাবা নোংমা মাগী মকপ কাশিপুব লৈকায়দা লৈবা সেঞ্জম থেম্বুং উনবৈ । মতম কুইনা উনরুদ্রবগী হৌনবা মখোয় অনি ঝরি-ঝাতাই কযা শান্নরে । থেম্বুংনা নুঙায় য়ায়ফনা পানবা উবদা খাবানা মহাকপু করম তৌবদগী নুংঙায়খিবনো হংলক্নি ।

মতম অদু মী পুম্নমক চাক ঈশিং চানবা মতম ওইবনা মখোয় অনিসু চাক ঈশিং চারগা ঝালি মখা শান্নবগা ইংনা তপ্না হনখ্রো হায়নৈ ।

চাক চারবা মতুংদা থেম্বুংনা বাবৈ হৌদোবকই, ইতাউ, ঐখোয় অনি খংনখিবা মফম অদু অসার্মগী বোংফাচান্দা মন লম্লোনবদনি । অদুদগী নং ঐগী মন য়োনবা লোযবগা মফম অদুদা চ় শুমদুনা মতম কুইনা লৈথোকইদনা অদুদগী নংগা ঐগা য়ুমদা হল্লকখি । ঐনা য়ুমদা হল্লকপদা ঐগী নুপীদি মপামদা লৈখি হায়নে । ঐনা অমুক মপামদা মা লৌবা চংলুই । অদুবু মহাক মযুমদা লৈরমদ্রে, মযুম পানখিনম্লে । ঐ থব্রায নুঙাযতনা য়ুমদা হল্লক্লে । ইমানা হাযদনা ইনাউ নুপা অতোম্বগীদা ঐগী অযুক্কী নুংদাংগী চাক ইনশাং হাপখ্রে ।

ঐগীদা লৈবগা মহাক চাবোই চাদবোই তৌদনা য়াম্না ঝাজখ্রবনি । মানা ঐবু থাদোক্কুনা চৎখিবদা ঐ মঙোন্দা শাউনিংবা পোক্তে । হৌজিক মানা লৈজখিবা ইমুঙ অদু চাবা থকপা ঝাত্তবা ইমুঙ ওইরম্লবদি ফর্গানি থল্লি । ঐগুম্না লায়ববা ইমুঙ অমদা ওইদবা লাই খুরম্লিবনি ।

'ইথন্তা থিবোং খাউ থন্নবা থবক থিবা ঙমজদবা ঐবু কয়াম কুইনা পৃথীদা হিংগনি ? হিংবগী কান্নবা লৈত্রে' অসি খন্দুনা লৈরিঙৈদা নোংমা ঐঙোন্দা ঝাখল অমা লাকখি । ঐখোয় খুলগী নাক য়েত্তা লৈরিবা লৌ-শিং অসিগী মপু কনা কনানো ? কনাগীনা খ্বায়দগী হেল্লি ? ঐনা মীঙোন্দা হংবদগী খংলে; লৌ-শিং অসি মচানুপী অমত্তা পোকপী অহল চাউথোই মতৈ-মনাউগীনা খ্বায়দগী হেল্লি ।

ঐনা খুরাইবুঙো চাউথোইগী য়ুমদা চৎলগা খুরম্লুরে । মানা ঐবু কনানো কদায়দা লৈ হংলকখি । ঐনা খুমখি, কাশিপুরদা লৈজে ইমংনা থেম্বুং কৌজে । অহল অদুনা ঐঙোন্দা 'নং কাব হাযনিংবা লৈ' হায়রকখি ।

"ঐঙোন্দা নোংমগী চাক চরা অনিদা অয়ুক নুমিদাং চানবা পিবিয়ু । ইমুঙসিগী ষনথি, ষনয়ুং ব্রায়রম শেংদোকপা পুম্নমক ঐ তৌজগে ঐবু ইমুঙ অসিগী মীনায় ওইহনবিয়ু" ঐনা অসি হায়জবা মতমদা অহল অদুনা অমুক্কসু নুংশিনা ঐঙোন্দা হংখি 'নহাক কনাগী মচানো, কয়ুম্মো, করি লমদা লৈবনো' ? ঐনা খুমখি, 'খুবা ইবুংঙোহোয়গী লৌ য়াম্না লৈবা কাশিপুবদগীনি, ইমিংনা থেম্বুং য়ুম্নাক্লা শেঞ্জমনি ।"

"লৈয়ু লৈয়ু সে শঙ্গোয়সে কাবক কাবক খাজিল্লু" অহন্না হায়রকখি । মানা অদু হায়বদগী ঐনা হবাউবদুনা মানা হায়বগী মতুং ইন্না কাবক কাবক খাবগা লৈবে । অদুদগী ঐখোয খুন্দা লৈবা লৌ পুম্নমক ঐবু পান্নহল্লে । খব লৈবগা ঐগী নুপী অমা ঐখোয খুনদগী থিংববগা ঐবু য়ুমদা লৈহল্লকপনি । হৌজিক লৈববা নুপী অসিমক অহল অদুনা থিবির্বানি । অসুম তৌদুনা ঐগী নুংঙাযবগী নুমিৎ মদু লাকাহ ।

খাবনা হায, হোযনে ইতাউ. ইতাউগা ঐখোয অনি উনদবসে চাহি ১৫ মুক্তা ঙাযবি । মসিদা ইত উগা চক্কী য়ুম, ঈশং তেংকি, লোত্রিন বাথ রুম পুম্নমক আস উবগা হ ভাউবু নুংঙাযতে করম হায়গদগে ?

থেম্বুংনা হায, ইতাউ লাইবক থিবদগী হায়গদ্রা ফল হায়গদ্রা ইচাদি অমত্তমক পোকচৈ । অঙাং শেম্নদা বাবা, শেল তিংবা অমত্তা লৈজদ্রে । অদুনা চাবিনবা য়াউদর্বানিনা শেল থনা চাউখংহনবা ঙমজে । লৌ ময়ামসিগী অখোম্মন ফংদ্রে । অদুগা ঐবু উজৌ হাযদুনা লৌ লৌবাক অমসু পি । মসিদগীনি ঐনা শাগৎচবা ঙর্মাখ্রবসে ।

খাবনা হায়, ঐস্নু নংগুন্না কদম তৌবগা নুংঙায়গদগে; খরা তাকপিয়ু ।

থেম্বুং-ইতাউদি যাম্না শিংঙি, শাউসু শাউগন্দে অদুনা ঐ ইতাউদা ব্রা হাযনিংঙায থোইনা লৈতে । ইতাউনা শিংঙিবা শাউগন্দবা অসিদা অখাংকনবা অমা যাউরবদি ইতাউদি শোয়দনা ঐঙোন্দগী হেন্না নুংঙাযগনি ।

ঐনা ইতাউদা তেন্না ব্বা অমা/অনিদা হায়জগে । মন্ত্র অসি শিজিন্নবদা চুন্নবদি ঐঙোন্দসু ইতাউনা পিনিংবা খরা পিবিয়ু ।

খাবা-মন্ত্র অদু তাকপিবো, ঙম্নবা তৌগে মায় পাক্কনি । ইতাউগী শরুকসু থুংগনি ।

থেম্বুং-ঐখোয়গী লৌপু অদু বাংখৈদা লৈবনি । হৌজিক অহল অনি অদু লৈখিদ্রে । মখোয়না লৈবিঙৈদা ঐবু য়াম্না থাজে । কোত্তা ফৌ হৈজিনবদা ফৌবেৎ ৪০ বু ৫০ নি হায়বা, ফৌবোৎ ৮০ বু ১০০ নি হায়বদা অহনশিং অদুনা হেক হেক য়াবিখি । মখোয় অনি লৈত্রবা মতুং চহি ২/৩ অসিদি মখোয়গী মচানুপী হৈনু কৌবিদুনা শুকয়া য়াদ্রে । ঐ ইতোং তোংদ্রে । মফম অদুদা ইতাউনা লৈবা ঙমখ্রবদি ইতাউনা ফৌবোৎ মশিং লান্না হাযজিনদৌবিবনি । তৌবতবু ঐখোয় অনি খংনবা তিন্নবা মাগী ইমুঙনা উহনবা য়াদ্রে । মখোয়দা লৈবা কান্দা ইতাউগী মিং ওনবিয়ু । খাবা কৌবা ফজদে । মীনা কিনৈ । কন্দ্রং কৌবসি । য়ায়নে ইতাউ কো ।

হনুবী হনুবনা কেথোক্না য়োকপদগী নব্বাংখিদুনা লৈশাবী হৈনু হায়বীসি লমকেৎ লমহায়বী নুপী ওইবকখি । নুপারা নুপা নত্তা, নুপীরা নুপী নত্তা, বাঙাঙ শঙাংসু । লুদবনি । ফিংঙ্গি, শাউর্গাল্লি । মমা মপা লৈরিঙৈদা ময়ুম অহুম্নক পাল্লুরবনি । চন্নদদুনা হেক্তা খায়নবিরকই । হৌজিক মানা যুমগী মপু হায়বদু ওইরবনিনা, মহাকপু করম তৌরগা নহাক্না খুদুম চনগদগে খনবিয়ু । খর লৈরগা মাগী মরল পুম্নমক নংগী ওইগনি । তৌবতবু নুপীদুনা হায়রিখৈ নং মতম খরদি মপু নিঙবা হুইগুম তৌগদবনি । ইতাউগী লৈজবা গুণ অদুদা অখাং কনবা, মপুনা চাক চাদ্রিখৈ চাদবা, মপুনা তুমদ্রিখৈ তুমদবা, মপুগী ইঙ্গিৎ খংবা হায়বিবা গুণশিং অসি চেনবা তায় । মাসনি ইনাক খুননবগী মন্ত্র ।

নুমিৎ খরনি লৈবগা ব্বাংখৈদা হৈনুগী য়ুমদা মঞ্জুনবা খুদৈ অমা শেংলগা অমোংপা ফুরিৎ অমা লিংলগা থোঙ্গাল হাংদুনা খাবা চংলম্মী ।

হৈনুনা লাউরকই, কনানো মপু তাক্তনা থোঙ্গাল হাংদোক্লগা হেক্তা চংলকপা ?

কন্দ্রংনা খুমই, ঐনি, ঐ হৱেংগী মানায ওইবা লাকচবনি । থবক কংদবদগী চাবোই চাদবোই তৌনবা ওশা অসি য়াং কনশিল্লক্নে । ঐবু নুংশিবিদুনা নোংমদা চাক চেন্না ঐনদ পিৱবিয়ু । হৌজিক্না তৌ তৌ হাযবা থবক খুদিং অমত্তা চংদনা তৌগে ।

হৈনুনা হায, নংবু ঐনা শক খংদে, না লৈবগী দকাব লেতে ।

কন্দ্রংনা হায, ইবেম্মা, ঐ তৌজিক য়াম্না ৱারে, চাক চারা অমত্তা পিজাবিয়ু ।

হৈনুনা হায, কবিনোনগে মসি নুপাসে ওন্থোক্লা অনম কনখ্রেদা । হায়বী চাক অবেম অপা লৈব্রা খব যেংলকউ ।

হাযবীনা চাক ইনশাং পুবক্না কন্দ্রংদা পিজনে । কন্দ্রং চাক চানা হেক তোকপগা যেনখাদা লৈব খাংজো অমা পাম্নগা গল্লা মখোঙ শোম্বীখ্রে ঈশিং চার্যবিখে । মানা তৌরিবা থবক পুম্নমক হৈনুনা থোংনাউদগী উই অদুগা লাউবব শিংদুবনানা গল্লাগী লৈ পাম্বী মখোঙ শোম্বীযু হায ? চংখ্রোক্নে

কন্দ্রংনা হায, ইবেম্মা ঐ চেন্দনা তৌরনি, ঐবু নুংশিশীযু কন্দৌগে, নোংমসু চাক চবা অমা পিজৌ । নোংমসু চবা হেঞ্জগে । লৈমন্দদুনা তৌবনি ।

কন্দ্রংগী লাযবকগী মতে, চাক চারা অমনা নোংমা মেঞ্জগে হাযবা, নোংমসু পিজগনু হাযবা আসনা হৈনুগী নুংশি হৈতনা অদু খবমখে হন্থখ্রে । মানা খল্লি, লৈতবা হাযনসি নৈতবোইবে, হোয মহাক শঙ্গোয় মচি অমদা মবাযনা লৈজান খন্দুনা হৈনুনা কন্দ্রংদা মাই ওনশিন্দ্রে ।

কন্দ্রংনা ইংখোলগী কাচিন কোযা পুম্নমক যেংখে । শঙ মচা অনিখক লৈবা উই । মখোযসু শো লোল্লি । মানংদা শঙ অমা লৈ, মদুদা মন মপী মচা পুল্লি অদুগা চক মপুন খবমু লৈবা উই । মহাক চক মপুনশিং অদু উবদা হবাউবম্মী ।

নুমিদাংদা মীনাযনুপীনা লাদা চাক ইনশাং হাপ্লগা অৱাং শঙ্গোয়দা থল্লবে । চাক চাথোক্লগা চক মপুন খবগী মবক্তা চংলগা মহাক তুমখ্রে ।

মথংগী নুমিত্তা হৈনুনা হৌগৎলগা তুলসিদা খুরম্লবা মতুংদা কন্দ্রংদা হংঙি, ঙরাং অহিং কদায়দা তুম্বগে ?

কন্দ্রংনা খুম্মী, চরু মপুন খরগী মনুংদা হুৎচিল্লগা তুমজে ।

নুপা নং চৎখিনবা তুমফম ফাউবা পিদবনি । ফরে, নং য়াম্না লৈতবা মী ওইরমাল্লে । হৌজিক হায়য়ু, নহাক করি লমদগীনো নমিংনা করি কৌবগে ?

কন্দ্রংনা খুম্মী, ঐ চানুঙদগীনি, ইমিংনা কন্দ্রং কৌজে ।

হৈনুনা হায়বীদা শঙগী শো পোরক্লবা লাউখি । হায়বীনা শো পোরক্লুনা শঙ মচা অমা থোঙ হাংঙি । শঙ অদুদা ফমুঙ, ফি-রোল লোয়না লৈ । কন্দ্রংবু অদুদা লৈনবা খংহল্লে ।

মতৌ অসুম্না হৈনুগীদা লৈরকপা চহি অহুম ফারগা নোংমা অয়ুক অমা মবেম্মা হৈনুদা তাক্লম্লগা থবক অমা চৎকনি চৎখি । অতৈ করিসু নত্তে থেম্বুংগা ব্রা তান্নরগা পোরম য়াৎপা চৎখিবনি । নুমিৎ অদুগী নুমিৎ তারমদায়দা অদুম য়ুমদা হঞ্জিল্লকখি ।

মথংগী চহিদা কুমগী নোং লাক্লে । লৌউবশিংনা লৌ খোয়বা ময়ুমদগী থোক্লবক্লে । মাগী মাগী লৌকম ফজ ফজনা খোয়নরে । অসিগুম্বা মতম অসিদা নোংমা নিপা অমখক লাক্লগা হৈনুদা য়াম্না কিনা ব্রারি অমা শান্নরে। "লৌ অদু ঐনা খোয়রিঙৈদা নিপা অমনা ঐগী লৌনি, ঝনানা খোয়য়ু হায়না খোয়রিনো হংলকই" । "ঐনা তা-থেম্বংনা খোযয়ু হায়না খোয়র্বানি" হায় । ঙরাং অসি মানা খোয়গনু হায়বদগী খোয়দ্রে । অদুদগী তা-থেম্বুং হোয়দা চৎলে । মাসু থবক অমা চৎখি, নুমিৎ ১০ নিমুক হল্লকওই হায় । মসি লৌপু ইচে ইবেম্মা তাকউগে লাকপনি ।

ব্রারি শান্নরিবা পুন্নমক কন্দ্রং তায় । অদুবু মানা তাশিন্নদবা শাদুনা অদুম লৈথোকই ।

হৈনুনা লাক্লিবা নিপাদুদা হংই, ইবুংঙো নংগী মিং করি কৌব্রি ? লৌ খোয়গনু হায়বা নিপা অদুগী মমিং করি কৌব্রি ? মহাক কদায়দা লৈ ?

লৌমীনা খুম্মী, ঐগী মিং মাইপাক কৌজে । লৌ খোয়গনু থিংবা নিপা অদুগী মমিং খোইদুম কৌই । মহাক ঐখোযগী কাশিপুর লৈকায়দা লৈবনি ।

হৈনুনা নিপাদুদা হায, নং হযেংমক লৌ অদু খোযযু মদুদা থিংব মী অদু ঐখোযনা ফাবগা ফুগনি । হৌজিক নং যুমদা চৎলো ।

লৌমী অদু যুম অদু খাদোক্কুনা চৎখি ।

ইন্দক চহি অমা অনি অসি হৈনু মশা অসুম অসুম নোংখোবক্লবনি । মবল লেবনিনা চানিংবদা চা, শেংনিংবদা শেং [illegible] দাযবেটিস তৌবে, হার্টস্ কযা ফংত্রে হাযবে, মশা অদু চথোক চংশিন কযা তৌনিং [illegible] মানা কন্দ্রংদা হায; তাদা কন্দ্রং নত্তাক খুবাযদা লক্কা কৌবা লৈকায অমা লৈবনি । মদুদা খোইবোম মংলেম কৌবা অমা লৈরনি; মচম অদুদা চৎলগা মাগা লার্কমিন্নৌ মহাক [illegible] অযিস [illegible] হল্লগা ঐ [illegible] লা [illegible] হাযবন্মু ।

কন্দ্রং মখোঙ মখুং শেং [illegible] শেং-ইন্দুনা লক্ক লৈকায [illegible] চংলগা [illegible] যুমদা লৈবমদুনা মাগা লোযননা হল্লকমিন্নরে ।

মংলেম চংলক্কুনা হৈনু [illegible] হায, ইচে কবি তৌবে ?

হৈনুনা হায, কনাগুম্বনা [illegible] লৌ [illegible] অনিবা/অনৌবা হাযনা লৈবা অসিদা শেমদোক [illegible] তৌবা যাউথিবকা থেংনব্রা ? কনাগুম্বা মী অমনা লৌপুগা লৌ কুইনা [illegible] লৈবগা লৌ উবা মী অদুগী ওই হাযনা হেক হেক [illegible] । মাসিগ করম তৌবা জাৎনো ?

মংলেম্মা হায, কনাগুম্বা লৌপু অমদা [illegible] লৌমী অমনা লৌ কুইনা উবে । মানা উবিবা লৌ, শঙম ওইবো, পর্ব ওইবো, হেক উবদগী লৌ অদুগী খজনসু মানা, অসুম থিদুনা [illegible] মদু বেবানি । অশেঙবা লৌপু অদুনা লৌগী খজনা মতম [illegible] থিদদুনা [illegible] কযা ওনখ্রবদি, লৌপুদগী লৌমীনা লৌ মুনবা যাম্মাযাউবি । লৌপুনা পট্টা পাযবি অদুগা লৌমীনা খজনা চহি খুদিংগী থিবগী বসিদ পাযবি । বসিদ পাযবা লৌমীনা লৌপু শাবগা কচ্চা পট্টা ফংবা যায ।

লৌপুনা ওবিজিনেল পট্টা পাযজববসু মহাক চহি খুদিংগী খজনা থিদে। লৌমীনা কচ্চা পট্টা ওইজববসু খজনা চহি খুদিংগী থিরি। লৌমী অদুনা চহি খবগী মমাংদা ঈশিং চাউবদা ওবিজিনেল পট্টা মাংখ্রে হাযদুনা থনাদা এপ্লিকেশন তৌদুনা বাকৎখ্রবনি।

লৌপুগা লৌমীগা কেশ তৌনবক্লবদি লৌমী অদুনা ওমগল্লি।

হৈনুনা হায়, ইবুংঙো ঐগী লৌ পবি ৪৯ অসিগী খজনা থিদবা, থিবা চিথহৌবগা যাউব্রা যেংবিযু।

অসি হাযবগা হৈনুনা নসিদ মযাম পুথোকবক্লগা যেংহল্লি মংলেম্না চে মচেৎ অমদা তাবিখ পট্টা নং, অবিবা, অনৌবা মথং মথং যেংদুনা ইশিল্লি। মহাক্লা কবিশুম্বা অশোযবা অবানবা অমত্তা থেংনবম্নদ্রে। অদুনা মানা হায, ইচে, চহি খুদিংগী হৌজিক ফাউবদি খজনা তোন্দে।

লৌ খোযবদা অসি হবা পিবা নিপা অদু কনানো খংদোক্লবা কাশিপুব খুন্দা হৈননা কন্দ্রংবু নুংসিত্তুগী নংথিন্দা থাখি। মথংগী নুমিত্তা কন্দ্রং মফম অদুদগী হল্লক্লগা ঈনেম্মা হৈনুদা অথিংবা নিপা অদু থোবক্কে তল্লে। কনাগুম্বনা লৌ খোযগনু হাযবা যাউবক্লবদি লৌপুগী নাক্তা লাক্লবা হাযবিযু' হাযবন্মী।

কুম অদুমক্কী হিযাঙ্গে পোইন্ থাদা লৌ লোক্লখ্রে অতৈ অতৈ খুলগী ফৌ কাবকপা লোযবে। অদুবু কাশিপুবগীদি ফৌ গৌবকত্রি। হৈনু যাম্না শাউনে। মাবু যেংবা ডাক্তবনাদ মাবু যাবিমখৈ শাউদনবা হাযবকখি। হৈনুনা কন্দ্রং শাবে। কাশিপুবগা লৌফম পুম্নমক থেম্বুংনা পান্নবনি। থেম্বুংনা অহৈ অবা খব তৌববাদ পুলিসতা তাক্কুনা ফাননবা তৌসি হাযনখি।

মপ মনায ব্রাবি শাননগী মথংগী নুমিত্তা কন্দ্রংনা যাম্না শাউশিন্নবদুনা 'ওসিমক থেম্বুং থিক তৌদুনা ফৌ লোযনা কাবক্লনবা তৌনি' হাযবম্লগা কাশিপুব খুন্দা চৎখি।

নুমিৎ অদুগী নুমিদাং পুং ১০ দা ফৌ পুম্নমক ষন গাড়ি ১৫ দা কন্দ্রংগা লোযননা যৌবকখি।

নোংঙাল্লগা হৈনুনা কন্দ্রংবু থাগৎলম্মী। অদুক যাম্না ফৌবু নোংমতদা কোং যৌবকপগী মাবু নুংশিবিবম্মী।

কন্দ্রংনা হায়, ইবেম্মনা ঐবু নুংশিবিবা অসিনি ঐনা হরাউজবা। ইবেম্মা, নহাক্কী লৌপান্নবা থেম্বুং হাযবদুদি য়াম্না ফত্তবা মী ওইবম্মে। মানা ফাউবা ঐবু অসুক উলিংত্রবনিনা অতে লৌউবনদি কবি ওইবনি। মানা ঐবু ওম্ম্লোক্লা থিনা নানা হাযখ্রে। ঐ মাবু ফুসিবা খনখিবনি। অদুবু মাদি ইবেম্মগী লৌপান্নবনিদো। মানা ঐবু "মীনায় মচা নংনা ঐঙোন্দা যেংশিল্লিব্রা" হায। ঐনা মঙোন্দা "লৌ খোয়বা চংবা য়াদ্রে, মী অমনা মাগী লৌফম্নি হাযবে হাযদুনা পাউ লাকখিবা অদুগা হৌজিক ফাউবা ফৌ কাবক্তবগা মবি লৈনৈ; কবিনো মুন্না খংলকউ হায়বকই" হায়। মানা ঐঙোন্দা শাউনা হায, ঐ লৌ পান্নবগী থোইদোকপা কান্নবা ফংদে। অদুনা ঐ অদুদা পুক্লিং চংদে। নখোয়না তৌগদবা তৌ।

হৈনুনা হায, থেম্বুংদো ফৌ তম্বদা ফৌবোৎ ৪০ বু ৫০ নি হায়বগী ঐনা কাউথংখির্বান।

কন্দ্রংনা হায, ইবেম্মনদি মী অমদা পান্নহল্লগে হাযবিবা। চহি ১/২ ফজনা পান্নবিগনি। অদুদগীদি মখোয মশেন চপ হেক মান্নখিদনা, হান্নগুম তৌগদৌবিববনি। ইবেম্মদি নুপীনিদো. নুপীনিনা মখোযনা উশিত্তবা। নুপা ঐগী মিংদকা পবি অমা, আন [illegible]লেবা ওইনখ[illegible] [illegible] মম্রা/অলি উৎলগা লৌ পুম্নমক ঐগীনি হাযদু[illegible] ম[illegible]না [illegible] ঙাংননবগী শক্তিং ঐঙোন্দা লৈতে। অদুনা ঐস[illegible]ম্ম্লোক্লো শোন্না [illegible]বক তৌখ্রে। ইবেম্মা হন্দক মবক লৌবাযদা খ[illegible] [illegible]য়না [illegible]না [illegible]যংশিনাবিয। ইবেম্মানা "লৌগী খজনা চাহি খুদিংগী থীনি" [illegible]দুনা [illegible] [illegible] [illegible]পোন্নাপাবি। তা[illegible] পানসিদা মখল মখা, খোক খাক [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] অদুগা অদুগা মান্নবগা লৌ, ইংখোল পোইন্ট [illegible] [illegible]নক [illegible] [illegible]র্ব। ইবেম্মগী লৌলোন্নবাশংনা পোইন্ট [illegible] [illegible]নশিল্লং না [illegible]। লৌ পিশক পিকহনবা যাব। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]ক্কন্দনা চখোক চংশিন যাদদুনা মগুম [illegible]বা যাম্ন[illegible]লেবে। গৌজিক কা[illegible]স মকাম তৌবর্বান।

তা-কন্দ্রং ঐ অদুম্ন চথোব চংশিন [illegible]বা কযা ঙম্মযোয। ঐ ইশা অসে অতনবা ঋৈনিংদবা পোক্লে। ঐ নঙোন্দা ব্রা অমা হাযগে; নহানগী খুবাযদগী মংলেম হাযবদো কৌকচো। ঐগী লৌ খুল ৩দা পবি ৪৯ লৈ। খুল অমমমদগী পবি অমমম নংগী মিংদা পাল্লগে। নংনা পুম্নমক য়েংশিল্লু ব্রাবি শাংথবগী কান্নবা লৈত্রে।

কুইদ্রে কন্দ্রং লব্রাযদা চেম্হ্খ্রে । মতাউ থেম্নুং উনরে । চহি খবগী মমাংদা মখোয অনিনা শানখিবা ব্বারি অদু অমুক নৌহৌননা নিংশিংনবি । মখোয় অনি হরাউবনা চোংলম্মী ।

কন্দ্রংনা হায়, ইতাউনা পিবা মন্ত্র অদুনা ঐ মী ওইজরে । অদুগা হৈনুসু মহৌশাগী হৈনুদো নংত্রে । মীঙোন্দা হে, হা তৌবা, ফুগে হাৎকে হায়বা, অসিগুম্না ব্যাবহার য়াউদবা ব্বাঙাং শঙাং অমত্তা তৌদ্রে । হৌজিকমক্কীদি থবক অসি ঐনা তৌরবসু মানদি নংনা তৌবনি হায়না লৌরি । অদুনা মহাক্লা নংবু য়াম্লা শাউবি ।

থেম্নুংনা হায়, চুম্মী ইতাউ, ইতাউ ফনবা হোৎনবদা, ইতাউনা পাউ হেক পিরকপগা, ১০নি লাকওই, থা অমা লাকওই খুমহল্লিবনি ।

কন্দ্রংনা হায়, ইতাউনা লৌবাক অমা উবা অদুম উবিয়্, অদুগা লৌ পান্নবগী ফংবা অদুম ফংবিয়ু । অদুদগীদি ঐগী নুপী অঙাং মফম অসিদা লাক্নুনা লৈবা য়াববা কান্দা, এনা ইতাউনা উবা লৌ অদু ইতাউদা নামা ওর্নাশিনগে । হৌজিক ঐ লৌ পাঁথ ৩দংগী মপু ওইবি । মতম খাঙক্লা ওযবে মাগী লৈজবা লৌ ইংখোল পুম্না ঐগী ওইগদবা ।

ফত্তবী মমা

মুক্লা শান্নবদা থক্লায় য়াম্লা য়াউজবা মঙ্গোলজাউ কৌবা অমা লৈরম্মী । মুক্লা শান্নবগী পাউ তারবদি থৌবান্দা ওইরবসু ব্রাঙভুদা ওইরবসু হেক্তেমক চৎলম্মী । খুঙ্গংগী লাই হরাউবা কয়াদা মানা মুক্লা যাত্রা ওইরম্মী । মবম অসিদগী মীশিংনা মাবু মঙ্গোলজাউগী মহুত্তা যত্রা কৌনরম্মী । মহাক্কী লৌ-শিং মতিক চানা লৈজে, চাবা থকপা ব্রাস্তে । মচাশিং মহে মশিং হৈহল্লম্মী । মমা মশক থিজববসু মঙ্গোলজাওগী মশক ফজবা তিঙ-য়াঙ চুম্বা পুম্নমক মচাশিংনা লৌবম্মী । মচা নুপা অনি নুপী অমা থনল্লগা যত্রা লৈখিদ্রে ।

মচানুপা অনি অদুগী মমিং মথংশিংনা চলাম্বা ১সুং তোন্দোম্বা কৌরম্মী অদুগা মবুং অনিগী মচনগী মমিং থবাতোন কৌবম্মী ।

মমা ফত্তবনা মবম ওইদুনা মচিন-মনাও অনি য়ুমদা নুপী পুশিল্লকপা তল্লম্মী । মখোয়না নুপী অমা কোযজববসু মমাগী মনাকোংনা হেক্তা তারম্মী । অদুগা লৈশাবী অদু ফত্তেবু হায়রবসু ফৈবু হায়রবসু, মমা মপা সঙ্গ ওইনিংদে হায়বনচিংবা মরাল অমা হেক্ত পিসিন্দুন, নুপী মযুম হেক্ত য়ৌহনখি । মমাগী মতৌদা মখোয় অনি ইকায়জরম্মী ।

মমানা মমৌ ওইবা য়াবা নুপী থিরম্মী । মমানা পামজরবসু মচানা পামদে নৎত্রগা নুপী মযুম্না পামদে । মখোয় মতৌ অসুম তৌনা লৈনরম্মী ।

থবাতোন মশক ফজে পাথংশিংনা মাবু পাল্লম্মী । মানা মশক ফজবা মরল লৈবা অফিসার ওইবা নিপা পাল্লম্মী । মশক ফজবা লাকএ, অফিসার ওইবা কয়া লাকএ অদুবু মানা মখোয় পুম্নমক্তা নুংশিশন্নরি । থবাতোন্দি মমানা হায়বদা য়ানিংলি, মানা হায়বা য়াগদবা নুপা, মানা নুংশিশন্নরবসু নুপাদুনদি মাবু তশেংনা নুংশিবা নুপা থিরি । মরমদি থা খুদিংগী লুপা লিশিং ১০/১০ মমাদা পিদবা য়ারোয় হায়রি । শেনফম অদু পিদ্রবদি/ফংদ্রবদি মচা নুপী ফজবা পোকপগী করি কান্নরি হায়রি ।

মীনা হায়নরম্মী- শেল পায়বা, মশক ফজবা অফিসার ওায়বদা ইবেম্মা থবাতোন অসি মযুম পানবা মতম হেনখিদৌরে । ওহ্মোকপনি মশক ইফ ফজনা মাংঙিদা । মমা চন্দালনুপী অসিনা থোকহল্লিবনি ।

ময়াম্না মতম লিংখিদৌরে হায়বসে লৈশাবী অদুগী নাকোং য়ৌরম্মী ।

নোংমদি থবাতোম্না অফিসার অমগা থেংনরম্মী । অফিসার কুঞ্জরাজগী মমিত্তা মামুক ফজবা নুপী উখিদ্রি । কুঞ্জরাজ মরক মরক্তা মাগী মনাক্তা লাক্লম্মী । কুঞ্জরাজনা মহাকপু থবায় তানা নুংশিরে । অদুম ওইনমক থবাতোম্নদি নুংশিবা হায়বদো করিনো ইথং খংদবগুম তৌরম্মী । পাখং লৈশাবীগী ৱারি হায়বসিমক্তবু ৱাকোই শুবনি । লম লাপ্না হেক হেক লাক্লগা ৱাকোই শুরবগী মরম হায়নফম থোকই । কুঞ্জরাজনা কার অদুদা মাগা লোয়ননা কোয়মিন্নরগা মাগী শমপত্তি, মাগী থবক্কী তলব, মচিন মনাউ লৈজদবা মমা মপানা হৌজিকসু মহাকপু চাক ঈশিং থোংদুনা পিজবা পুম্নমক্কী ৱারি তৌদুনা থবাতোনগুম্বা অমবু মাগী য়ুমদা পুশিল্লক্লবদি মমা মপানা য়াম্না হরাওগনি হায়রম্মী । থবাতোন্দি পাখং লৈশাবী ওইবগী নুংশিনবা হায়বদো মশক খংদে । মাদি লন থুমদা নুংশিবনি । হৌজিক লন-থুমগী ৱারি তারে নুংশিবা খর পোক্লে । ময়ুম য়েংগে অদুগা নোংমসু মাগী অফিসতা অমুক্তা পুবিয়ু হায়জরম্মী । কুঞ্জরাজসু মানা হায়বা হায়বা য়ারম্মী ।

কোয়মিন্নরুরবা তুংদা থবাতোন ময়ুমদা হরাউ হরাউ হুল্লকখি । মানা মমাদা ৱারি তৌরম্মী-অফিসার অমনা ঐবু কোয়রুসি হায়দুনা মাগা লোয়ননা মাগী গাড়িদা চংলুই । ইনক নকপদা লৈবা অচৌবা ফার্ম অমদা নিংথীরবা ফজরবা লৈ কয়া শাংপা লৈকোল অমা লৈ মহৌশাগী ওইবা চীংয়াগী ফজবা অদুদা থোঙগেমিলৈনচিংবা ফজ ফজরবা লৈ কয়া শাংলি, লৈ ফজ ফজনা শাংপা উরি ৱারি কয়ানা য়েংপা উ পাম্বী মচাশিংবু য়েংবদা ফজহল্লি । মিংনা য়েংখিবদা অহাংবা অমত্তা উরমদে । গমলাদা লৈ মথল শুনা শাংলী । ঐনা খ্বায়দগী পামজবদি অতোরগুলাপ অথোনবা অদুনি । মী কয়া লৈরম্মী মথোয় অদু সিনেমা নম্লিবনি হায় অদুক চাউবা লৈকোল, মীনা সিনেমা নম্ফম ওইবা অদুগী মপুনি মহাক অদু ।

অদুগী তুংদা ঐনা মাগী য়ুম খংনিংবদগী ময়ুমদা চংলুসি হায়রম্মী । মহাক্না হরাও হরাও য়াবিরক্লুনা মথোয়গী য়ুমদা থুংলম্মী । হৈ মহি গ্লাস অমমম থক্লগা ঐখোয় মাগী অফিসতা চংলম্মী ।

অফিসকী কা অদুদা মাগী মনাক্তা থাবা চৌক্রি অমদা মানা ঐবু ফমহল্লম্মী । ফক্লাং অদুদা সর্দাব পটেল, মহাত্মা গান্ধি, জবাহরলাল নেহ্‌রুনচিংবা অফাউবা মীশিংগী ফোটো থেত্তুনা লৈতেংই । মীশিংনা সাব সাব হাযদুনা মঙোন্দা ফাইল কযা পুশিল্লকই । মহাক্কা সহি তৌর তৌবগা থাদোকখি । মহাক্কী টেবন্দা কোলিংগসু লৈ । মহাক হৈশিংবা অফিসারনি । ইমা মানা ঐবু চৎলসি হার্যাবি । ঐ চৎম্রগে ।

নুমিৎ খবনি লৈরগা থাবাতোনগা কুঞ্জবাজগা কোয়মিন্নবম্মী ।

থবাতোন্না হৌজিক্তি কুঞ্জবাজগী মফমদা হান্না চৎলম্বা লিচৎ শাজৎ অদু হোংদোক্লে । লমচৎ ফজবী, হৌন লোনচৎ খঙবী, থর্কাস খাসি নাযনা চৎপি নুপি অমা ওইবক্লে । হান্নগী কম্ব কলেম্লবা ৱাহৈ, লমচৎ লোযনা থাদোকখ্রে মহাক্কা চিং লেম্না লৈবগা কুঞ্জবাজদা হাযবর্ম্মী-ঐবু নুংশি হাযনা তার্কাপাবি অদবু হযেং যুম অদুদা লৈজবদা ঐবু নুংঙাযনা থম্বীগদ্রা ?

কুঞ্জবাজনা থবাতোন যেংলগা অসুম্না খন্নম্মী নখোযদগী ফুক্কুনা ঐখোযদা থাজবগা কবি[illegible] শিং চার্যা[illegible]দগে [illegible] শেংবা মালিদো ঐনা ওইজবা ফংলদ্দি ঐ [illegible] গদবা অদু [illegible] নংনা হাযবা বড ফাউবা নিযু পিজগে ।

"অ ওইব্রনে"

"কবি বড পাম্বিবগে, [illegible]দেবানা শা[illegible] মহা বাজদা নিবা বড অদু গুম্বদি ওইবোইদনা । সনা, লুপা, ওইবদি নংনা নিবা পিমা ঙমজগনি । বড় হৌজাক্ত নিবোযদ্রা ? হযেং খব লৈবগা নিংথৌ দশবথকী বানীনা নিবগুম নিববসু কবিসু কাযদে । নচা অফিসাব ওইনবা সতাবতিগুম বড নিববসু কবিসু কাযদে ।

অসি হাযবগা মখোয অনি নোর্কামিন্নবম্মী ।

কুঞ্জবাজদি খুঙ্গংগী ইনাকখুনবা ইমুংগী মচান । মমা মপানা মাবু অবাপ্পা লমদা মহৈ মশিং তমহল্লর্কাখ । মখোযগী ইংখোল চাউনা লৈ । লৌ পবি খবসু লৈজে । শম্মা হাযববদা মখোযগী অৱাৎপা হাযববু যুমগী মৌ নত্তনা অমত্তা লৈবমদে । কুঞ্জবাজনা মহৈ তম্বা লোযদুনা মনিপুবদা থোবকপদা মতিক চাবা মৌ অমা পুশিল্লকুনবা মচাদা তক্লবকপনি ।

মহাক্না মনিপুর হেক থোরকপগা থবক চংলম্মী । মমা মপাগী অপাম্বা অদু খংবদগী মহাক্না থা খরদং ঙায়বিনবা হায়জরম্মী । মতম খরা লৈরগা কুঞ্জরাজনা থবাতোন পুশিল্লকপদা মখোয় কয়াদা হরাউজখিবা । মবুঙ অনিনা অওং অউন তমদুনা মচন থবাতোন চাউনা লুহোঙলম্মী ।

কুঞ্জরাজগী মমা মপা অহল য়াম্না ওইবা নত্রি । মখোয়না অয়াম্বা মতমদা ইংখোন্দা থবক ইনখাং শুদুনা লৈ । মনেম মকুনা থবাতোনবু লুনা চান্না তৌরম্মী । মখোয়না মমৌদা হায়রম্মী-ইসু লৈরগা ইসুশিং নুঙায়জনবা, মহৈ মশিং হৈনবা ঐখোয় নোম্বা কনগদবনি । ইবেম্মা, নংসু অশংবা কান্দা ইনশাং নাপি থাবা, উহৈ ব্রাহৈ থাবাসিদা ঈশিং চাইবা য়াউ । থবক খর খর শু, য়াম্না শুগনু, চাবা থকপা হাউনবতা শুগদবনি, চাবা হাউরবা, চাখিবা অদু তুম্নবা অদু ওইবদি হকচাং নুংঙায়বা হায়বদো ওইরবনি ।

থবাতোন্দি নোংঙানবগা ইরু মাইথজরগা লাই খুরম্বা চাক ঈশিংথোং থাকপা তৌবতনি । মতম অযাম্বদা অকে অমৌতা শেমদুনা, শাড়ি মতেক, শাড়ি মপুম, করম্বনা ফজবা অসিতা থিদুনা লৈজবনি । মনেম মকুনা মাবু লুনা অদুম্মক তৌবিবম্মী । অমোৎ অকায়গী থবক পুম্নমক মনেম্না তৌবিরম্মী । খর মোৎনা থবক অমা তৌ হাযবদা মহাক্না শুগৎলম্মী অদুগা তৌরমদে ।

নোংমা থবাতোন্না মনেমদা হায়রম্মী-‘ইমা ঐদি থবক শুবা লাকপা নত্তে । মাগী সেবা তৌবা লাকপনি ।

মাগী ব্রা অদু তারগা মনেম্না খুম্নকখি-হোয় ইমৌ ইবেম্মা, ঐখোয়না শুরিবা অসি ইচা ইমৌগীনি । য়াউনুদা ব্রানি । ইচা কুঞ্জরাজদো অফিসতগী কুম্নক্লগা নং মঙোন্দা হৈ পিজনিংদ্রনে । ব্রানা শুরুরগা, ব্রানা চৎলুরগা হৈ মহি গ্লাস অমা থকপা ওম্থোক্লা হাউবনিদা । হৈ পাম্বী অসি হৌজিক্তি পিক্লি । ঈশিং খর খর নোংমগী চায়বিরবদি পাম্বী অসি য়াম্না থুনা চাউদুনা মহৈ চাগনি । ইচানা ব্রানা হল্লক্লগা মাগী কাদা হেক ফম্বগা নংনা হৈ গ্লাস অমা পিথক্লবদি মানা নংবু ওম্থোক্লা নুংশিগনি । অদুদগী মহাক নংনা হায়রিখৈ য়াননি ।

মনেমগী ব্রাহৈ অদু তাবদা থবাতোনগী ফত্তবা পুকচেন অদু খরগী মখৈ চামথোকপ্রে । মহাক নুতিগী হৈ পাম্বী অদু ঈশিং চায়গে খনপ্রে ।

নোংমা নুমিদাং অমা মকু মনেম্মা ব্বারি শান্নরম্মী । মতম অদুদা মহাক্কা পর্দ্দা মরুমদা লৈরগা মখোয়না ঙাংনবা তারম্মী । মকুবোক্কা অসুম্মা হায়রম্মী-মমা ঐখোয় ইমৌগী মশক অসি ইংদ্রা, ফজদ্রনে মমা; মাগী হায়ববু থবক কয়া শুনিংদে । অদুবু মদু করিসু নত্তে, খর লৈরগা ফরক্কনি খল্লি ঐদি । ব্বা অদু তাবদা মনেম্মা "করিনোদা মপা মখোয়গী হৌজিক হৌজিক ইনশাং থোংবদা থাক্লবা মরোই মকা অমা থানবা লম লৈতে । ইমুংগী শীং-য়েন খায়বা-খোংপা শুমাঙ থিলোং পুম্মমক মবুংশিংনা য়েংশিনবা, অদুনা মাদি চাক-ঈশিং থোংব, কোল-লিক ব্বাইরম শেংবদমক খংফম থোকই । মমাহোয়, মবুঙহোয়না কেনা য়োকপিরকপদগী থবক শুবা হৈতদনা য়াউদ্রিবনি । নুমিৎ খরনি লৈরদি ঐখোয়দগী মানা হেন্না হৈরক্কনিদা" খুন্নকখি ।

থবাতোনগী মপুক্লিং থুক লাউরম্মী । মাদি অফিসার কুঞ্জরাজদা লৈরিবসি শেনতগী য়েংলগা লৈরিবনি । শেল য়ারিমখৈ লৌথোক্কনি সনা লুপা মমল য়াল্লা য়াল্লবা লিক-কোল হৌজিকসু শিরিবনি । শেল লৌগে, পিয়ু য়াদ্রগা মপামদা হনগনি অদুদগী অতোপ্পা অফিসার অমনা অমুক য়ুম পানগনি অসিনি । ঙসিদি মকু মনেম্মা ব্বারি শাবসি তাবগা মাগী মপুক্লিং ওনখ্রে । য়ুম অমগী চপ চাবা মৌ ওইরগে খল্লে । ওক্তবীগী লিচৎ অদু চৎলরোয় । ইমানা হায়বা ইল্লরোয় । ইমাদি ইবুঙশিংনা য়োক্কদবনি । ঐনা য়োকফম থোক্তে । ঐনা ঐগী নিপাদগী শেল লৌথোক্তুনা মাবু মাংননবা শিল্লরোয় । নহানমখৈ মানা ঐবু মাগী অশেঙবা নুপীনি খন্না নুংশিজে । পুকচেল ফংত্রবা ঐনা মাগী নুংশিবদুদা ঐগী নুংশিশন্নবা উত্তুনা লৈমিন্নরকই । অসুক নুঙায়না অসুক পুকচেল শেঙনা ঐবু থম্বীবা ইমুঙ অসিদা ঐনা মৌ ওইবা ফংজরিবা অসি মীয়াম্মা কল্লক্করিবনি । ইমান্নবী কয়ানা নংদি লাইবক ফৈ হায়বিরি; অদুগা ঐনা পুকচেল শেংদনা অদুম লৈথোক্লি । মীনা হায়নরিবা "লুখ্রাবী মচানবু কয়াম ফনি হায়বগে" হায়বা অসি মাংননবা ঐ হোৎনগে । লুখ্রাবী মচা ঐসু মী ওইরগে মখোয়না খল্লিবা অসি লালহনগে । অদু ওইরবদি মখোয় শোয়দনা ঐগী ইমাঙদা ইকায়গনি । ঐগী অমোৎপা লমচৎ খজিক্তং উখিবা, খংখিবা থোক্লবদি ঐগী নিপানা ঐবু শোয়দনা খায়নবিগনি । মতম অদুদা ঐনা কমদৌবা ? মাদি

অফিসারনিনা ঐঙোন্দগী হেন্না শক ফজবী মহৈ হৈবী নুপী অমমুক লুহোঙখিনি ।

ঐনা ইপামদা হনখ্রগা মৌগী শীংদা চল্লবী ঐবু অতোপ্পা অফিসার অমনা ঐবু লৌগে হায়রক্কদবা লৈতে । ইশা অঙাংমক নৎত্রে । য়ুমদা অদুম লৈহনবা অফিসার অমনা অমুক লৌ, খর লৈরগা অমনা অমুক লৌ তৌদুনা ইচে কেতুকীগী মওং অসি তাদুনা তোক্কনি । ঐনা শিদগী য়ুমদা হনখিবদা ইমানা হরাওরবসু ইবুঙশিংনদি হাৎকে হায়রক্কনি । মখোয়না মতম খর তুমিন্না লৈরবা য়ায় অদুবু মখোয় মখোয়গী নুপী লাকপদদি ঐহাকপু তমথিবা মিৎয়েংনা য়েংলক্কনি । ইমানা লাইরিক হৈতবী ওইবদগী ঐ অসি মাগী শেল তান্নবা খুলায় ওইনিংঙি । ঐ মসি য়াফম থোক্তে । ইমানা হায়বা থবক অদু ঐ শুক্তৌমক তৌররোই । ঐনা ঐগী নিপা নুংশিরমদে, ওহ্নোকপনি । ঐ অসে কয়াদা ফত্তবা পাংদবা মী মাংননবা তৌবা অদুগা ইশাবুসু মাংহন্নবা হোৎনখ্রবনিকো । হৌজিক্তি ঐনা মাবু ঐগী ঈশ্বরনি খল্লে । মহাক ঐগী অশেঙবা ইপুরোইবনি ।

চলাম্বনা নুপী অমা পুরক্লম্মী । মমানা নুপী অদু পাল্লমদে । মচানা মমাদা হায়রম্মী- "ইমানা পামদ্রবসু ঐনদি পাম্মী । ইমানা অহল ২/৩ থাদুনা হায়দোকপা চৎহনবিয়ু ।" অদুবু ব্বাফম অদু মমানা য়ারমদে । মমা লৈনশ্বীনা" নুপী অদু মখোয়গী থোঙ্গাল ফাউবদং থিনবিরুচো" হায়বম্মী ।

চলাম্বা-"ইমা মদুগী মতম হেনখ্রে । ঐখোয় শিবা তারে । ঐখোয় লোয়নমক জেন্দা লৈবা তারে । হৌজিক অয়ুক্কীপুং ৮ তাখ্রে পুং ১/২গী মনুংদা হায়দোকপা চৎত্রবদি ঐখোয় পুলিসনা ফাররনি ইমাগী ধর্ম্ম অদু করি ধর্ম্মনো ? নচা নুপী চেনখ্রবদি নহাক করি তৌবিগদগে ? হৌজিক ইমানা ঐবু শিনবা তৌরি । ঐ শিবদি করিসু নত্তে । অদুবু ইমাগী নমৌ ওইজগে হায়না লাক্লিবা মহাক অসিসু ইকায়বদগী শিখিগনি । অদুদগী ইমানা নপুন্সি অসিমা জেন্দা লৈগনি ।

চলাম্বনা ঙাংবা পুম্নমক অরেম্বা তাখ্রে । লৈনশ্বী মফি কল্লগা থোকখ্রে ।

চলাম্বগী মনাউ তোন্দোন্না অহল অনিদা নুপী ময়ুমদা হায়দোকপা চৎপিরুনবা হায়জরম্মী । অহল অনিদুনা মঙোন্দা মমাবু হায়হল্লু চৎপিরুগে

হাযবম্মী । 'নমানা হাযদ্রবদি ঐখোয চৎলোয ঐখোয দায়ত্য পুবা ঙম্মোয ।"

নুমিৎ অদুদগী চলাম্বগা তোন্দোনগা যুমদা হঞ্জিল্লক্নে ।

নুমিৎ ১০ নি মুক ফাবে মচাশিংগী মশক উদবা । মচাশিংগী চাক ইনশাং অবেম্বদা মাঙলে । ঙসি লাক্কনি । খল্লি, লাক্তে । অমুকসু ঙসি হল্লক্কনি খল্লি, হল্লক্তে । অসুম্মক হল্লক্তে । নোংমদি মচা শোয়দনা হল্লক্কনি খন্দুনা নুমিদাংদা থোঙ হাংলগা ফমুঙদা ঙহাক ইশি শিনা তুম্লিঙৈদা ইমুঙগী পোৎ-চৈ লোযনা হুবানবিখ্রে । নোংঙাল্লগা মহাক কপ্পম্মী । মানা কুইনা কপ্পক্লবদুদা নুংশিদ্রবসু লৈকাযগী যুম্লোন্নবশিংনা মহাক্কী মনাক্তা লাক্লগা 'কবিগী কপ্লিবনো' হঙলম্মী ।

মানা খুম্লম্মী "পোৎ লোযনা অক্তিংদা হুবিখ্রে ।"

মাগী ব্রাদু তাবদা মীশিংগী মপুক্লিং হযাউবম্মী । অদুবু মপাম্বোংদদি নুঙায়তবা শাশিন্নবম্মী ।

লৈনম্বীনা মচানুপী থবাতোনগী মনাক্তা চৎলম্মী । মচাতোনসু থবক অমা চৎননবা মযুমদগী থোবক্তুনা লম্বীদা চৎলিঙৈদা মমাগা থেংনবম্মী ।

মমানা মচানুপী উবদা কপ্পম্মী । মচানুপীনা মমাগী কপ্পা উবদুদা হঙলম্মী- "ইমা কবিগী কপ্লিবনো ' নযানুপানা যাম্না কন্না লৌথোক্লবা হোৎনবি ।"

মমানা মপি তৈথোক তৈথোক্না মচাদা ওর্নাশিল্লগা হংলম্মী "কবিনো নংনা হাযবিদুবো ।"

মচানুপী থবাতোন-তামো জেন্দা লৈখ্রদনা, মদু লৌথোকনবা নযা নুপানা কন্না হোৎনবি হাযবা ।

লৈনম্বী-ইচানুপা জেন্দা লৈখ্রবা ? ইমা কবিমতা তাদে

থবাতোন নুপী চেল্লক্লগা অহল অমা অনিদং হাযদোকপা চৎহনবিবা যাদ্রা । ইমানা মীগী মচা অদু লংশেকউচো হাযয়েনা । ইমাসু ফাবগা জেন্দা থমগনি তৌবনি । অদুবু মী খবনদি মমা অদু 'অঙাউবিনি ফাবিকনুদা'

হাযবদগী চৎখিবনি হায । তামোচৌ ফাখিবা নুমিত্তা তামোচাসু "ইমা অঙাউবিসিগা লৈমিন্নবা ঙল্লবোয, ঐ অবাপ্পা লম অমদা চৎখ্রগে অমুক হল্লক্লবোয । "ইবেম্মা, নংগী নিপাগা তান্নবগা তামোচৌ খব লৌথোক্লবা তৌ' হাযবম্মী । হৌজিক বা চাউথোবক্লে । নুপী মশা যানা চেল্লকপা অদুবু হৌজিক্তি থনানা মচন হঙবদা মশা যাদে, ফাদুনা পুবির্বান হাযবি । হৌজিক্লা অমুক শেলগী দিমান্দগী কিদনেপতা পাল্লে হাযবি । ইমাদা কনা অমত্তনা পাউ পিবিদ্রে, ঐ ইমা খংলম্লগনি হাযনা লৈর্বনি ।

মমা লৈনম্বীনা মচা নুপী থবাতোন্দা হাযবম্মী ইবেম্মা ইমা ইথম্ত লৈঙমদ্রে । ইমা নংগীদা লৈগে লাক্লবনি ।

মচানুপী থবাতোন মমাদা খব বাবৌবপ তৌনা খুল্লম্মী ইমা ঐগী ইপুবোইবগী মমা মপা লৈাব । মখোযগী মমাংদা ঐ যাম্মা ইকাযদা । মাগা যুমদা ঐ লাকপা কুইদ্রিঙৈদা যুমগা ফত্তবা পাউ মাঙোন্দা তাহনগুমসি । ইচা অমফাউবা তাইবঙ ফাউবর্কাত্রিঙৈদা, ইবুঙাশিং লৈন লৈন ইমাবু মফম অসিদা কবম্মা থমর্গানি ? ঐ ইকু ইনেমগী অদুগা ইপুবোইবগী বা তাবগা ইমাবু কৌবা লাক্লে । মখোযনা যানিংদলগুম তৌবর্বদি তোর্কসি । অদুগা ইমা ঐবু মাগা মমা, অসিদা বাখঙদবি লমচৎ নাযদবি তাহর্নবিগন । তামোচৌগা বা হৌজিক তোবেন লোযবোয । তামোচা যাম্মা থুনা হল্লক্লবা ঐ খববদা হাপখ্রগে । "ইমানা তামোচৌগী বাথোক অদুদা লানাখিবগী কপতুনতা লৈবে । মহাক অমুক হন্না অদুগুম্না থবক তৌজবোয । নহাক খব থুনা হল্লত্তনা ইমাগী নাত্তা লাকপিযু" হাযবগে । লম্বী লমখাঙদা বাবি শাগুমসি । মীনা ভাব অমা তৌখিনি । যুমদা চংলগা যম্লম্মু, ঐ থনা হঙ্গবক্লে । মকপকি শেল থিল্লগে; পুং তাবে । চাক চবা অমা চামিন্নবগা হনখো ।

ঐগীনি হাযনা লৈর্জাবিবা ইপুবোইবা অসিনা মমা মপাবু যাম্মা নংশিনা কিনা তৌই । মখোযনা যাদ্রর্বদি ইপুবোইবনসু যাবোয । ইমানা ঐঙোন্দা হার্যখিবা শেল থুমগী বাযম ঐ অমত্তা ঙল্লোয । ঐহাক মহাকপু যাম্মা নুংশি; মানস্ ঐবু যাম্মা নুংশিনা তৌাব । কবিগুম্বা মানা ঐবু নুংশিদদুনা খাযর্নাবিববদি ঐবু কনানা নুংশিবিগনি ? কনানা ঐবু লৌবিগনি ? মা পুম্নমক্লা ঐ উবদা তিন শিৎনগনি । ইপা লৈত্রবা তুংদা ইমানা খর্নাবিবিবা বাখলশিং অদু ঐখোয পুম্নমক্তা হু ওইবে । কবিগুম্না ঐ মঙোন্দগা

নাম্বোকপা থোক্লবদি খুর্জি য়াউদবা শগোল তাদুনা তোক্লনি । লৈকায়গী অহল লমনগী মীনোক চংগনি । নহারোল কয়ানা ঐবু নমজা-নমথেক্লগনি ।

ওম্বোকপনি ! মতম অমদা যাত্রাগী মচানুপী, যাত্রাগী নুপী, যাত্রাগী মচানুপা হায়না মীনা ব্যবহার তৌনরম্বা অদু যাত্রা লৈত্রবা তুংদদি মখোয়বু কনানসু মশক খংবিখিদ্রে । মমা ফত্তবদগী পুম্নমক মাংখ্রে ।

লৈনম্বী মকোক ঙাউবম্মী । মাগী মচানুপীদা মানা শোনখিবা মন্ত্র অদু সীদ্ধ পান্দ্রে । মচানুপা অহল জেন্দা লৈখ্রে । মচা অতোম্বনা মাবু হন্দোক্লনা চৎখ্রে । যমগী পোৎ চৈ পুম্নমক হুবানবনা হুবিখ্রে । নুমিদাংগী মতমদা তম্নবাযশিংনা মাবু তম্নবাব । হৌজিক লৈনম্বীগী লৈফম লৈত্রে । লৈনম্বী শিনিংলে । ওইবরোযদবা মঙ কয়ানা লৈনম্বীবু সডক মপান্দা ইনথুবিখ্রে।

ঙম্লোয়দবা হায়গনু

লাইশ্রম কোইবেংনা তথোংলৈ লৌদুনা মচানুপা অমগা নুপী অমগা পোকলম্মী । মচানুপা অহলগী মিং চীংখৈ অদুগা মচানুপী অদুগী মমিং যাযফবী থোল্লম্মী । মখোয মতৈ মনাও তোঙান পিজবকপা মতমদা লৌ লৌবাক অমত্তমক অদুগা ইংখোল মচেৎ অমত্তংগা পিবকখি ।

কোইবেংগা তথোংৈলগানা লৌ মতমদা লৌ কন্না শুবা, লৌ লোইবগা মীগী ফার্মদা থবক শুবা যাউদুনা শেল তার্নশিল্লম্মী । মচাশিংবু মতৈ মশিং তমহল্লম্মী । শুবা নোম্না কনবনা মখোয অনিনা লৌ পবি ৫ গী মপু ওইবম্মী । অঙাংশিংসু মথং মথং এম, এ, পাশ তৌবম্মী ।

কোইবেংগী মচাশিংনা প্রাইভেৎ স্কুলশিংদা ওজা ওইদুনা শেল তানশিল্লম্মী । হৌজিক মখোযগী লৌচা পবি ১০ লৈবে ।

কোইবেংগী মমা মপানা হিংলিঙৈদর্গী হৌনা অউনপোৎ লৌবগা চৎনবী অসি মুথৎনবা কন্না হোৎনবম্মী । মহাক্না বাজা বামুহোন বোয, ইশ্বরচন্দ্র বিদ্যাসাগব, লোর্ড বেন্টিকর্নাচিংবনা ভাবতকী নুপীশিংগীদমক্তা খর্নাখিবা মযাম অদু কাউঙমদে । মহাকসু নুপীশিংবু অবাংবা থাক্তা থম্বা পাল্লম্মী ।

নোংমা অযুক অমা মচানুপী যাযফবানা মপাদা হাযবম্মী, 'কবি কাব লমদগা মীনো ঐবু হাযবা লাক্লিববো ' যাম্না ইনাক খুনবা মহাজর্নগী ইমুং অমা ঐ পামদে । যাম্না লাযববা ইমুঙদসু পামদে । ঐখোযগী যুম্বানগা মান্নবা হাযর্বাদ যুম্বান কৈবান, থকসি খাংসি নাযনা চৎপা, চাবা থকপা বাত্তবা, যাম্না পিন্দোন্না হিংদবা, নোংমগী চবা তাল্লগা চাবা ইমুং ওইদবা অদুতনি ।ইমুঙগী মীশিং অদু মশা মউ ফবা, খৎনা চৈনবা পামদবা, মক ওইনা বড ওইগদবা মহাক অদু মশা মউ ফব্রা, শাউগনদবা, নিশা চাদবা ওইহনবিযু । গর্ভনমেন্টকা থবক ফংদ্রবসু প্রাইভেট স্কুলগী ওজা অদুম্মক ওইগনি । থবক শুবা তনবা, যাহৌ থেংবা ইমুঙদা ঐ থাজবিগনু । ইনাকখুবা ইমুঙনা খিৎ হেল্লি অউনপোৎ পাম্বা । বাবা লাযববগা ইনাকখুনবগা তিন্নবা যাফম থোক্তে । ইনাকখুনবনা তৌবা থবক অদু লাযববা ঐখোযনা মতুং ইনবা ঙম্মোয, চোপকনি । ইনাকখুনবদা

লুহোংঙনবা ঐখোযগী অউনপোৎ লৈবোয । বাবা ইনাকখুনবা পাম্বিগনু । চাবা থকপা বাত্তবা ইমুংঙদমক ওইসনু । ইমুং অদুদা ঐ ইংনা চিক্লা লৈজকগে । কবিগুম্বা ইনাকখুনবদা ওংলবদি মনেম্মা পামদবী মমৌ তাদুনা তোক্কনি মবমদি অউনপোৎ যাউবক্তবগী । ঐখোযগী লৈকাযদা মনি-মমৌ তিন্নবা যাদ্রিবা অসি মমৌদা অউনপোৎ পিবক্তবগীনি । মমৌনুপীনা অউনপোৎ যাম্না পোবক্লবদি মমৌনা মনেম্ম শিজিন্নৈ । লাযববগা লাযববগা লৌনবা খৎনদে । ইনাকখুনবগা ইনাকখুনবগা খৎনদে চান্নৈ ।

মমা মপানা মচানুপা অহুম/মবি পোক্লগা মচাশিং অদু মথং মথং লুহোংঙবদা যাম্না উল্লকপা মৌসু যাউরি । কবিগুম্বা উল্লক্তবা মৌসু যাউবি । অদুবু কবিমতা উল্লক্তবা মৌ অদু মক মনেম্মা নুংশিদে ।

মপানা চাযা ইপানা খল্লিসু অদুনি । মবমচৎ ফজবা হৌন লোনচৎখংবা অউনপোৎ যাউদ্রবসু পিথু হাযবা ইনাকখুনবা ইমুং মৈতৈ লৈবাক অসিদা যাম্না লৈ । ইচাব ইনাকখুনবদা থাজবগা মনেম মকুনা ওৎপদ্দি ইপাসু পামদে । তবেং তনা থোক্লা খন্নবগা ইচা পিগনি । নং কাবিমতা বাগনু ঐখোযদগী খাজিক্তুং ফগৎপা ইমুংদা ইপানা নংবু থাজগান ।

কোযরেংগী লৈকায অদদগী কিলোমিটর ৫০ রোম চৎলগা লৈবা ইনাকখুনবা মেবাজাউগী মা থাবক থাবক্তনা যাইফবাগা মাঙ্গোল কাননবা না হাযবগো ।

কোইরেংনা না খব পৌবপ তৌনা মেবাজাউদা হাযখি নচা ইচা পোক্লবরা মশেন্নি । কাবগা যাম্না চোপ্প লৈনগদগে ঐখোযগা হৌজক মতমগী চৎনাব আস হেনমাল্ল । খবগী মখোঁদ ককথবা তৌনসি হাযবান । না খংবা মী নৎত্রগা মহৈ মশীং হৈবা মানা ফত্তবা থবক তৌনফম খোক্তে । ফত্তবা থবক হাযবাদ অউনপোৎ যাম্না পানবা অসি অদোম্না পামদে হাযাববনন ঐগী ইচানুপী পিজবগে ।

মেবাজাউদি মচানুপা অনিগা নুপা অমগা পোকপনি । অদুবু মেবাজাউনা নুপা তোনানবীদি অউনপোৎ যাউদনা মৌ লৌবা শুকপাম পান্নমদে । কাবগুম্বা মানা মপুবোইবা মেবাজাউদা অউনপোৎ যাউদনা মৌ লৌগুমসি হাযখিদে । মবমদ মহাক মশামক যাম্না লাযববা ইমুং অমগী

মচানি । মহাক লুহোঙবদা করিসু য়াউরকখিবা লৈতে । মচানুপা অনিদগী অউনপোৎ য়াম্না ফংগনি হায়না আশা তৌজরম্মী । হৌজিক আশা অদু কায়রে । মহাক মশাবু মশানা শাউজরম্মী । মহাক্না লায়রনা হৌরকখিবদগী মসি পুম্নমক থোকখিবনি খল্লম্মী ।

মেরাজাউগী মচা অহল য়ায়ফবীগী মপুরোইবা নোংপোকঙানবা ফিসরীদা অফিসার ওইরি । নুঙায়বগী মথক্তা নুঙায়বা হায়বদুনি । শেলগী অৱাৎপা লৈতে ।

নোংমা য়ায়ফবীনা মাগী নিপাদা মাবু থবক অমদি তৌহনবিয়ু ঐগী তৌগদবা ইথৌ তৌরগা থবক অমত্ত শুনিঙায় লৈতবা অসি য়াম্না ৱারে । ময়াম্না অফিস কানবা অসুম্না ঐসু কাজগে হায়রম্মী ।

মতম অদুদা নোংপোক ঙানবনা য়ায়ফবীদা হায়-নংগী করি ৱাত্তুনা থবক তৌগে হায়রিবনো ?

"ঐগী অরেম্বা মতম য়াম্না লৈ । তুংগী অঙাংশিংগী য়েংদুনা ঐসু থবক অমদি তৌনিংঙি ।

ঐগী নুপী থবক তৌবা পাম্নবদি অফিসার ওইবী নুপী কয়া লৈ মখোয়গী মরক্তুগী অমগা লুহোঙলমগদবনি । নুপী অফিসার কয়াগী মপানা বাবাদা হায়নবনি । মদু বাবানসু য়াদে, ঐনসু য়াদে । থবক তৌখ্রবদি ঐনা য়ুমদা হল্লকপদা কোক চিক্কনি ।

নুমিৎ অদুদগী য়ায়ফবীনা মপুরোইবদা থবক তৌগে হায়দ্রে ।

য়ায়ফবীদি মপুরোইবগী মিৎয়েং মখাদদি নুঙায় অদুবু মনেম্বোক্কী মখাদদি মহাক অৱাবা অদুম্মক ওইরি । ইমুং অমত্তদা মী মশেন অমগা অমগা নুংশিনদবা য়াউবসে য়ায়ফবীগী মফমদদি ওম্বোক্না ৱাজখ্রে । মহাক মনেমদগী তোঙান্না লৈবা পাম্মী; অদুসু মপুরোইবনা য়াদে । নুপী মপা নুপা মপা অনিমক অউনপোৎকী চৎনবী অসি মুৎথৎনবা তৌবদা মঙোন্দা দৱা তাবনি হায়বা মহাক খংলম্মী ।

মেরাজাউগী নুপী তোনানবীগা লৈসনাগী মনেম ওইগদবীগা লৌতুনরগা লৈসনা লুহোঙখ্রে । থা অনি ফবাৎখ্রিঙৈদা লৈসনা মপামদা

হল্লক্লম্মী । মানা হল্লকপা মতমদদি সলম্মা যাযফবী লৈবমদ্রে । মমাগী চক্রিদগী চৎখিবা ওইবমগী খুদন মমান্ বাবৌবম্মী । অদুগা মহাক মশা মপামদা হল্লকইবা অসিসু মমা ফত্তবদগীনি খল্লম্মী ।

মহাক্না মপাদা মানা হল্লকপগী খ্বাবি ভৈরম্মী, ইমুঙ অদুগী ইনেম্মোক্না ঐখোযবু যাম্না উশিং থওইদনা হায, অউনপোৎ পিবক্নি হাযবগা হৌজিক ফাউবা কাউশিন্নদুনা লৈথোকই । অউনপোৎ পিবা ঙম্মোযদবদা কবিগী শেল তিংখৈ, মতম মাংখৈ লুপ্ন্ডহাল্লংনা । মশল যাম্না লৈবা অমা হোংগদবসু হোংহৌদ্রে । কবিগী মচন থিবিবনো মখোয়গুম্বা পিক্তৎ পাত্তৎপা ইমুঙনসু ঐখোযগী ইচ ইমৌগা ওইজানংলিয়ে । মীঙোন্দগী অউনপোৎ লৌনি হাযবদি খংইনে মখোযদগীদি পিথোক্লিংদে । অসুম্না মতম টুপ্পদা ঐ তাননবা [illegible] । [illegible] থকবসে সনা, লুপা, লৌ, ইংখোল পিনি হাযনখিবা লৈমান্নদা [illegible] বুবদি মখোযনা ঐঙোন্দ অসুক থিনা হায়বা ঙম্নোয ।

অসি হাযবগা লৈসনা কপ্লম্মী ।

মপা মেবাউনা লৈসনাগী মকোক [illegible] মা কপ্পনু তোকউ । ইন্দক্কী নংগী লুহোঙবগীদা [illegible] থাদ [illegible] খংদবা খবসু লৈখি । নমাগা মখোযবোমগী মীগা [illegible] ঐনা [illegible] অউনপোৎ পিগদবা লৈনবসু ইচাগীদমক [illegible] নোংমত ঐঙোন্দা অউনপোৎকী [illegible] লুহোঙনব হাযনা লেপ্পখিবা [illegible] নখোযগী অহনশিংনা তাদ্রমাল্লে । হৌজিক ইচাদ মখোযনা অউনপোৎ পিদবগী ওৎপ নৈবিবে । ব্রাহে খোনয ম [illegible] শিজিন্নদনা ইচাবু তান্নেকপিনক্লে । মসিগীদমক ঐখোযগী কেৎ নৈ । [illegible] পুন [illegible] । [illegible] মসিনা অন ওইবসনু । মমা [illegible] ঐখোযদ [illegible] খংডদবা ইচাদা হাযবিবা ' যৈ ঐ নমাদা [illegible] । [illegible]

লৈসনানা মমা [illegible] মখোয অনি লাকমীন্নবম্মী ।

তোনানবী মপা ঐব কৌবিব্র ?

মেবাজন্ট লাউ যম্মু না মমা তম্নগদনা লৈ ।

- করি ৱানো ?

- নচানুপী করম্না থাজখিবগে ? ঐ খংহৌদ্রে হায়য়ু ।

তোনানবী-ও নিপা ময়ুমদো মরল লৈদো, লম অদুগী মীনা (ব্যবহাব) তৌনবা জাৎনি । মখোয়না ইচাসে মমৌ ওইজরগে হায়য়ে । ঐসু ফনদু মফরে তান চারে খন্দুনা হোংবিগ্রেদনা ।

মেবাজাউ-মখোয়না অউনপোৎকী ৱাগদি হায়দ্রা ?

তোনানবী-হায় লুপা লাক্ষ ৫, সনা মোহোর ১০ লৌ পরি ৫ পিয়ু হায় । মখোযনা হায়বা হেক পিগদ্রা ? অদুবু খবদি পিখিসি ।

মেরাজাউ-কবিগী খর পিদৌরিবা ঐ পিরোয় হায়বা য়াদ্রা নচিন্দো ? ইমুঙ অদু পাম্বদগী ইচানুপী নংনা মাংহল্লবা ? নংনা ঐসু তান্নরমদনা তৌরিবসে করিনো ?

অদুবু নং নহান্না অউনপোৎ পিবা ঙম্মোয় ইচা পাম্মগা অউনপোৎ য়াউদনা লৌবিয়ু হাযবা য়াদ্রা ? নংনা অউনপোৎ পিনি হায়না য়াথোকখি । অদুনবু নচানুপীদা অউনপোৎ থৌরিবনি । নংনা করিগুম্বা পিনোয় হাযখিবা লৈবনদি অউনপোৎ থৌবকওই ইচানুপীসু তাম্থোকওই ।

হে, তোনানবী, নং ঙসিদি নচাবু মৌগী শিংদা চল্লগা থম্বগীদমক ঐনা নংবু লৈচৈনা শান্থবা তারি । ফে হৌজিক ঐখোয় অহুম নিপা ময়ুমদা চত্তুনা ৱা শেংদোক্লবা তায় । নম' নচা গাড়িদা কাখৎলু ।

মখোয় অহুম গাডিদা তোংলগা নিপা ময়ুমদা চৎলম্মী ।

নিপা ময়ুম য়ৌরগা মখোয় অহুমগা নুপাগী মমা মপাগা ৱাফংনরে । নুপাগী মমানা হায়রকখি-সনা মোহোর ১০, লুপা লাক্ষ ৫ অদুগা লৌ পরি ৫ পিবা য়ানদুনা নচা হোংবিবনে । লুহোঙলবা মতুং থা ২ রোম অসিদা অউনপোৎকী ৱা অমত্তা পল্লক্তবদগী শাউদুনা নচা তাম্থোকখিবনি । নহান লুহোঙদ্রিঙৈদা ৱা চাউনা চাউনা ঙাংখিবদায় । নংসু অউনপোৎ পিরক্তবগী নমৌ নুপীবু তাম্থোকখিবা নৎত্রা । হৌজিকসু হায়বিয়ু কদৌঙৈ অউনপোৎ পিগদবগে ? অউনপোৎকা লোয়ননা নচা থিল্লকউ ।

অদুগা অসিমসু হায়গে । যুমথোঙ খুদিংগী অহনশিংনা মচা মশু লুহোঙবদা অউনপোৎ লৌনগুমসি হায়না ব্লাবেপনৈ । ব্লারেপনবা ইমুঙশিংগী নুপীশিংনা মাগী মাগী মপুরোইবা খংহন্দনা অউনপোৎ য়াম্না লৌনৈ । ইবেম্মা তোনানবী নংনা য়ায়ফবীবু অউনপোৎ উল্লক্তে হায়না নংগী নিপা খংহন্দনা তাম্থোকপী । ইবেম্মা তোনানবী কাউরব্রা নংমক লুহোঙবদা করি উল্লকখিবগে ননাদা নানপ্লিফাউ য়াউদনা লাকখিবা নংব্রা ? নমৌ ইবেম্মগী ইমুঙ অর্দাদি মবল লৈবনি । অদুবু অউনপোৎকী চৎনবী মুথৎপা পাম্বদগী অউনপোৎ পিবক্তবনি করিগুম্বা নখোয়না নমৌনুপী য়ায়ফবীদা লাল্লে হায়জবগা লোযননা মাবু অউনপোৎ য়াউদনা নয়ুমদা কৌশিনবিরবদি, ঐখোয়সু নহোযদগী অউনপোৎ সনা মচেৎ অমা ফাউবা লৌজরোয় ।

নখোয় ঐখোয়গী নুপানা অফবা থবক তৌবা পাম্বী । অদুগা নখোয়না নাবোন্দা অউনপোৎ লৌনবি । মদুগী ঐ অমুক্তং নংবু থিনা হায়গে খনবনি । ঙসিদি তাল চাবে । ঐনা হায়নিংবা হাযরে, যারে । নমৌনুপী যাযফবী লৌশিল্লে তাবগা ঐসু ইমৌ লৌবা লাক্কে ।

ব্লা অদু তাবদা মেরাজাউনা মাগী নুপীবু খুদক অদুদা ফুনিংঙম্মী । মহাক ইকাযবনা ব্লা মচেৎ অমত্তা ঙাংবা ঙমদ্রে । মানা মথন্ত শোঞ্জে 'আইন্না ঐখোয়' শেল্লগা ঐগী নুপীমক্লা আইন থুগাযবা' ।

মেরাজাউ-ইবাই ইবুঙো, ইচে ইবেম্মা ঐ নখোয়গী মফমদা য়াম্না লানখ্রে । নুপী ফত্তবদগী ঐ কযাদা ইকাযবা নংলবা । ইমৌনুপী অদু মমা মশা ঙমদে সেবা তৌবা চৎখিবনি হায়না ঐঙোন্দদি অদুম্না তম্মী । ঐসু মদুদা অদুম থাজদুনা লৈ । কয়াদনো মানা তৌরিসে । ইমৌনুপী অদুগী মপা ঐগদি অঙাং ওইরিঙৈদগী মহে মশিং তম্মিন্নরকপনি । ইতাউসু শান্নবিবা । মহাক অউনপোৎকী তাম্থোকখি হাযবসি ঙসি মফম অসিদা তাজবিবসিনি । নহানমখৈ খংজদে । হৌজিক ঐগী নুপী ওইরিবী তোনানবী মশামক অউনপোৎ পোরক্তবগী হান্না খাযনখিবা তায় । খায়নদ্রিঙৈ মমাংদা মচিন থিবগী চৈ খরসু পিজগনি ।

ইমৌনুপীগী মপা, মকুপ কোইবেংনা করি খল্লমগনি ? হন্দক মরক মানসু ঐখোয়দা চথোরক্তে । ঐনসু মখোয়দা কোয়থোক্লুদ্রে । মানা ঐবু

যাম্না বাবৌবমখ্খ্রানিদা । মচা ইচা লুহোঙবদা লুপা লিশিং অমা যৌনা উল্লক্কনুকো হাযাখর্বানি এমক্লা ।

অদুদি ইবাং [illegible] মৌজবগে ।

ব্রাইশিং [illegible] অহুম গাড়ি তোংদুনা [illegible] চৎলম্মী । লম্নীদা তোনানবীনা মাগী নুপাদা হাযবম্মী-ইচা লৈসনা অসি [illegible] ইমুঙনা [illegible] যবিগাদবদা হার্যবিদে' । ব্রা অদু তাবদা মেবাজাউনা গাড়ি [illegible] । [illegible] খুত্তুনা [illegible] তোনানবীনা '[illegible]' [illegible] থাংলম্মী । মতম অদুদা মেবাজাউনা [illegible]-ননানা তাদ্রো [illegible] । [illegible] অদু অউনপোৎ যাউদনা লৌশিন্নে তারগা এখোযসু অউন [illegible] লৌবগানি হাযবদো । হৌজিক [illegible] । [illegible] নির্বানি । [illegible] এ লানখ্রে [illegible] লৌনদগী [illegible] । ইমৌনুপীগা [illegible] । ।

[illegible] ইতেং তেক্লা নচানুপী লৈসনা [illegible] ।

খজিত্তুং পাম্মুরিঙৈদা

লোংজম বিমোল কৌবা নুপী অঙাং লৈরবা নুপা অমা লৈ । মাগী মমা মপা লৈ । মশক মতৌ ফজবী লৈশাবী ফারবী মচল অহুমসু লৈ ।

বিমোল ক্লাস টেন ফাউবদমক লাইকি তমহৌরি । মহাক্না অশংবা কান্দা ষ্টেনো তাইপ তম্মী । অফিস কয়াদা ক্লার্ককী ইন্টর্ভিয়ু য়াউখ্রে । অদুব শেল পিজদবনিনা করিমতা কান্নখিদে । মহাক লৌ ফজনা উই । অশংবা কান্দা অঙাং খর খোমজিল্লগা তুাইশন তৌই ।

মতম খর লৈরগা মাগী মপা য়াম্না কন্ন নারে । য়ুমদা ডাক্তর কৌরগা লায়েংঙি । নুমিৎ খরনি ফরস্লগা অমুক নাশিনখ্রে । ডাক্তরনা কুপ্না য়েংলগা হায়রে-মহাক হেমোগ্লোবিন ৱাংলে । ডাক্তরশিংনা মাবু ফারকপ্না য়েংসিদা হায়দুনা ইমফেরোন কয়া কাপ্লে, গ্লুকোজ কয়া কয়া কাপ্লে । অদুবু অহল অদু অদুম্মক ফবা ঙমদদদুদা তাইবংপান থাদোকখ্রে । মপাদং নাবা ফরবদি খন্দুনা বিমোলগী লৈজবা সনা লুপা, নুপীগী লিক-কোল কায়দুনা অদুদগী হেন্দোক্লুনা লৌ লৌরাক অমসু চৎখ্রে ।

খর লৈবগা মচননুপী অমা লুহোঙলম্মী । মদুদসু [illegible] পোৎ লৈনবা লৌ লৌবাক অমা য়োনখ্রে ।

খর লৈবগা মচন অনি মথং মথং লুহোঙ্গলম্মী । অদুদসু উপাই লৈতদুনা লৌ পলি অমমখা, য়োল্লগা [illegible] লাং[illegible] মখোয় [illegible] নুঙায়বা ইমুঙ্‌থাশংদা [illegible] । [illegible] মখুম মতম খাজক্কী মনুংদা [illegible] হৌরি [illegible] অমত্তা [illegible] ।
[illegible]

অসুম্না নুঙায়বা [illegible] পুখত্না নুমিৎ [illegible] য়েংলুনব হায়বম্মী । মাগী লৈজবা [illegible] লৌ[illegible] অমত্তমক পুনশিগী থব্রায়নি খঞ্জবা অদু য়োনখিবা তাবে । কনাগীসু [illegible] ইমাগী থরায ব[illegible] । লৌগী শেল অদু পুরগা গৌহাটিদা মমা লাযেংলে । নুমিৎ ১৫ রোম লৈরগা ডাক্তর অমনা বিমোন্দা হায, নংগী নমা অসিগী অনাবা ফররোই, থাখায়মুক

লৈরগা শিরনি । য়ুমদা পুবিরো সিদা লৈরনু শেল তিংনবনি ।

মমা অনাবা পুরগা প্লেন তোংদুনা গৌহাটিদগী হল্লকখি । লম্বীদা মমানা মঙোন্দা হংঙি, 'ডাক্তরনা করি হায়রকই', মানা খুম্মিংদনা খুম্মী, 'ডাক্তরনা ফরনি হায়' ।

নুমিৎ খরনি লৈরগা মমা লৈখিদ্রে । মচননুপী অহুমদো য়াম্না কপচৈ । বিমোন্না যজ্ঞগী মৈ কোয়রিঙৈদা মী অমনা য়াম্না থুনা লোয়শিল্লগা লাকউ হায়রম্মী ।

মরি মতাশিং লৈকায়গী মীশিংনা শোরাৎকী বা তান্নসি হায়রে । কনানা ঈশৈ শকপা, কনানা পুং য়ৈবা মদুগী খন্নসি । ঐখোয়না পাম্বা মী শকপা ফংহৌরোই মীনা বার্তন হানখিনি । পুংয়ৈবসু অদু মঙায় হৌজিক বার্তন চৎহৌসিনে । শোরাত্তা চংগদবা শেলগীদমক্তদি নং করিমত্তা ৱাগনু ঐখোয় লৈ ।

বিমোন্না হায়, কনা কনা ঐগী ইমাগী শোরাত্তা শেল পুথোকপিগদগে ?

ইনাকখুনবা নিপা অমনা হায়, ঐ পুথোক্কেনে ।

বিমোন্না হায, ঐদি শেল শিংবদি ঙম্মোয় । অদোম্না লেম্না পিবিবা ঙম্না "

ইনাকখুনবা নিপা অদু চঙক্রবর্ম্মা । মানা হায়, নংগী হৌজিক হৌজিক্কী অদোম্না অদু শিংজন্নৈ হায়বনি । নঙোন্দা পুবা পিথোকপাদ কদায়দগী চৎনদে'

[illegible] কনা [illegible] ঐখোয়গী [illegible] ঐঙোন্দা শেল কেল্লা পিথো কপা [illegible]

অদোমক কনাসু [illegible] [illegible] । মী খরদি ফনা ফনা লৈগৎলগা চৎনগ্রে ।

ইনাকখুনবদা ওংনা মচনশিংনা মরুপ চাউনা চাউনা মাঊবি । মমাগী শোরাত্তা লৌগনি হায়না মরুপকী মোহোবিশিংনা দায়ত্বা লৌখ্রবনি । মমা শিবদা মখোয় মরুপকী শেল ফংগনি হরাউরি ।

মচন অহুমদুনা হায়, তাদা বার্তন ঐখোয় নম্মুগে ।

বিমোন্না হায়, করিগী ?

মখোয় অহুম্না হায়, ইমা শিন্না কান্দা লৌনবা ঐখোয় অহুম্না মরুপ য়াউরি। ঐখোয় অহুম্না ঐখোয় ঐখোয়গী লৈকায়দগী লিশিং ১৫ ফংগদবা, লিশিং ২০ ফংগদবা য়াউরি । তৌরিতবু কার্ডনগী বিনিত্তা ঐখোয়গী মিং য়াউদবা য়াদে ।

ঐদি ইমাগীদমক্তা লৌ অবৈবা য়োল্লেক্লনা গৌহাটিদা লায়েংলুরে । নখোয়সু ইমাগীদমক্তা নখোয়গী মরুপকী শেনফমদগী লুপা লিশিং ৪/৪ দি পিয়ুদনা ।

অহানবদা, বাবা নাবদগী লৌ হোনবা হৌরে । অদুঙগী বাবাগী শোরাৎ অদুদগী থম্বালগী অউনপোংকী লৌ, থরোগী অউনপোংকী লৌ, অদুদগী থরিকথাগী অদুদগী ইমা নাবগী লৌ লোয়নবক মীগী মখুত্তা চৎখ্রে : ননম্মগী সনা, নাদ য়ানবা, ঙৌরী সনাগিন পরেং লোয়নবক চৎখ্রে । শোরাত্তি ইচনশা, অহনশিংনা হাববিনা, ... কন্দা শোনবা য়াব হায় । হযেং কোন্না ইবুংনা ঙম্বকান্দা চাউনা শোল্লগে । হৌজিক্কীদি মনিংতা ওইনা লাই লেংশিল্লগা ভগবদ থিরগা লোয়শিল্লগে ।

হোয়, নখোয়গী মরুপকী শেল হংনি হায়বদো নখবা য়াদি । ইমা লৈতবগীনি । শোরাৎসে ফমশক্ত ওইরবসু তৌহন্নিংবনি অদুগা খঙলাদা ক্ষেচুড়ি খর খর লেংবিরকপশিংদা পিজানিংবনি । নখোয়না লিশিং ৪/৫ ইবুংদা পিশিল্লক্লবদি ইবুংনা, নখোয়না নিংলবা অদু থুংহনগে ।

মবুং বিমোলগী ব্রা তাবদা মখোয অহুম্মক মরু লুকথনা তুমিন তুমিন লৈরম্মী । মখোয় অহুম্মক লুপা লিশিং ৪/৪ পুথোকপা পাম্লমদে, পাম্মুরম্মী । মখোয়গী মপুক্লিংদা মবুঙগী মথৌনি খল্লম্মী ।

বিমোন্না হায়, নখোয় ঐঙোন্দা শেল পিগে নিংলবদি অষ্ঠী ষঞ্চয় ফাউবগী মনুংদা লুপা লিশিং ৪/৪ হায়দো ঐঙোন্দা পিশিল্লকউ । অদু ওইরবদি নখোয়না নিংলিবদো থুংগনি ।

মমা লৈতবা নুমিৎ অদুগী নুংথিন্দগী মীশিংনা চু খর পোরক, চিনি খর পোরক, ক্বা খর পোরক মানা মানা ঙমজবা পুনরক্তুনা অব্রাবা ফোংদোকপিরে । অরাকপা মী খরনা হংঙি, কনানা ঈশৈ শকদবা, কনানা পুং য়ৈগদবা ।

বিমোন্না খুম্মী, লৈকায অসিগী অহল লমন খব তিলহল্লগা লোযশিনগে ।

মচল অহুম অদুনা খাল্লি, ঐখোয তাদাসে মবুক ফবনি । মানা মাচন্দা অমা ঙাংজবতনি; থর্বাক্তি যজনা তৌবক্কনি । অষ্টী ষঞ্চয লোযব ফাউবদা মচনশিংনা শেল পোবকপা ঙাযবি । মচনশিংনা শেল যৌবক্লে । শোবাৎ হংচিৎনি হাগবগী নমিদাংবাযদা বাৰ্তন কোপি ১০০ খক বিমোন্না বিনিত ওইবগা পোবকখি ।

থম্বান্না শেল পুংেবর্শিদবদি ঙকশমদা শিনবা সনাবিক পেংং অমাগা নাইন অমগা লৈনবা বা লোযশিন্নখ্রে । থবোনা শেল পুথোবক্তবনা ১০কাবিদা পিগে হাযদোবখ্রে । মচন অতোম্নী থাবিকথানা মখোযগী শোবাৎ নুমিত্তা মখোযগী মচননুপী অমা লুহোঙগদবগী টি, ভি, ১গা ফ্রাশিং মেচিন ১গা ৬বল বেদ অমগা পাংনি হাযদোকখ্রে ।

বাৰ্তন উবদা মচন অহুম অদু জ্ঞান মাংখ্রে । জ্ঞান মাংলুববা তুংদা মখোযনা হায, তাদা ঐখোয শেল পুথোবক্লগে, বাৰ্তন অনৌবা অমা নমি

বিমোন্না হায, মতম লৈত্রে, বাৰ্তন চৎননবা ।

থাদোকপা

চাউবগা থাবিক্কা মপোন হাদা। মচানুপী মনি পোল্লবা মতুংদা মচানুপা অমা ফংজবন্মী। অশুাং অদুগী মমং খ্বাযনা থম্বৌজাউ কৌবিবে।

থম্বৌজাউ পোকপদা মমা মপানা কথা হবাউজখিবা "শাগৈগী ধাব মুৎলবোই, ইচানুপীশিং লুহোঙবদা বও বা ওন চৎপিনবা অদুগা কুম খুদিংগী মচেশিংগী চাক্কৌবিনবা ইচানুপা অমা ফংজবে" মপানা মাগী মকপ মপাং উনবদা ব্রাহৈশিং অসি তোযনা হায।

মতমগী মতুং ইন্না মচা নিঙোলশিং মথং মথং চাউশিল্লক্লুনা চেন চোংবা য়াউবকপদগী অওং অউনগা লোযননা মথং মথং লুহোঙবিখ্রে।

থম্বৌজাউদি মী পুম্নমক্কা মাবু হেক উবদা নুংশিবা মতৌ অমা লৈ। মাবু লৈকাযগী মী খুদিংমক্কা মশক খংবি। মীনা পাখোল হাযবদা মা ইন্দবা তৌদে। লৈকাযগী লুহোঙবগী, শোরাৎকী আসনচিংবা কন্মগী বার্ত্তন মাবু তৌহল্লি। অতে অচাংদা বার্ত্তন তৌনবা পিবদা শেন্না যোমদবা যাদে। কবিগুম্বা শেন্না বার্ত্তন অদু যোমখিদ্রবদি, বার্ত্তন তঙ্গপ খোংবাদা থাদবন্মী। থম্বৌজাউদি শেংনা শেংনা থবক তৌই। মমান্নবশিংনদি মাবু অপঙবান হাযবিবন্মী।

থম্বৌজাউনা বি, এ, পাস তৌবগা মমা মপাগী লৈজবা লৌ লৌবাক অদু যোম্ন্থোক্লগা বানোমদুনা ওজা ওইহল্লন্মী। ওজা ওইবদগী ফংলকপা অহানবা থাগী তলব অদু মমা মপাবু ফক্তা ফমহল্লগা শেল অদু মপাগী তমপাক্তা থম্লগা মহাক খুবম্লন্মী। মমা মপানা মমিত্তুগী মপি চদুম চদুম তাবদুনা মচাদা নুংশিবা মিংযেংনা যেংদুনা "ইবুংঙো ঐখোয় পেল্লে নুংঙাযবে। নংনা নমা নপাদা চৎপা ব্যাবহাব আস উবদা পেল্লে" হাযদুনা মকোক্তা নানবিবন্মী অদুদগী "শোযদ্রেদনা ইচা তলব চাবা, ইমিৎ অসিনা উবেনে! ইসা যামখ্রবা শেন্নি লুপা কযা" আস হাযবগা শেল অদু ফক মথক্কগী লৌখৎলগা মখুৎ নিক্ক নিক্ক থিবদা "লুপা লিশিং ২৫ নিনিে সিদি। ইবুঙো নহাক থা খুদিংগী অসিগুম্বা শেনফম অসি ফংজদুনা নুঙায়না পানবা ওইযুকো। নচেশিংবুসু কাওথোকপিগনু। কুম খুদিংগী চাক্কৌবা ঙম্বা ওইজৌকো" হাযবিবি।

থম্বৌজাউগী মরুপ লৈরমদবনি । অদুবু কদায়দৈনো খংদে, লেমজা চাবা পামজবা নুপা ময়াম্না মাবু অনৌবা পুন্সি অমা অসুম অসুম ওইহল্লক্লি । থা খবগী মতুংদদি মমা মপাদা শেল পিশিন্দ্রে । অয়ুক্তা ফাউবা চা থকপগী মহুত্তা য়ু গ্লাস ওইনা পায়রে ।

মমা মপানা মাগী মতৌ উবদা ঙাউরে । নুপী অমা লুহোঙবিবগা ফনি খন্নদুনা লুহোঙবিরে । হান্নদি অহিং অহিংদি ঙাউরবসু ফৈরবসু হেক হেক হঞ্জিল্লকপনি । লুহোঙলবা মতুংদগীদি কদায়দা লেক্লবনো য়ুমদা হঞ্জিল্লক্তবা কোঙ্গায় ওইরক্লে ।

মচা অঙাউবগী ব্রাখন্ননি হায়নৈ, নোংমা ইখং খংহৌদনা মপা ইবুংঙো তাইবংপান থাদোকখ্রে ।

মমা থারিক্লা, "ইবুংঙো নংগী ব্রাখন্দা নপা চৎখ্রে নমা ঐসু কুইররোই; নংবু জ্ঞান তাখিরোইদ্রা" হায়রম্মী অদুবু থম্বৌজাউদদি মহৌশাগী মহৌশা অদুম ওইরম্মী ।

কুম অমগী নিঙোল চাক্কৌবা হায়বদো ঙসিগা থানা নুমিৎ ১৫নিদা ঙাযরে । থম্বৌজাউগী নুপী মৌ নহানা, মপুরোইবদা চাক্কৌবা নুমিত্তা মনম্মশিংদা দক্ষিনা তৌনবা, ফনেক ইন্নফি লৈনবা লুপা লিশিং ৫ পিয়ু হাযবম্মী ।

থম্বৌজাউনা হায়-ইচেশিং অদু চাকসু পিজবা অদুগা অদুক য়াম্না শেনফমগী ফি-রোল লৈবা, মদু তোক্লসি । নহানখৈ মখোয় চহি খুদিংগী চাক কৌদুনা লাকই । হন্দক্তি পোথারসি ঐ শেল পুথোকপা তৌররোয় ।

ব্রা অদু তাবদা মমানা মমৌদা হায়, ইমৌ ইবেম্মা, হৌজিক মাগী মকোক্তা তিন চংলে । নোংমা নিনি লৈবগা ইমা হায়দুনা য়েংগে ।

ফত্তবা পাউদি থুনা শন্দোকই হায়বদুনি । থম্বৌজাউনা ঙাংখিবা ব্রা খুদিং মী খুদিংগী নাকোংদা চংখ্রে । খুল ২/৩ চৎলগা লৈবা মখুরাগী নাকোং য়ৌখ্রে ।

থম্বৌজাউগী মচে অহল ইবেমহলগী য়ুমদা মখুরা থব্রানথাবা লাক্লগা হায়, ইপাগী ইবেম্মা হন্দক্তি চহি অসিদগী ঐনা পোকপা ইচানুপীশিংগা

নখোয় মরিগা পুন্না ইপানা চাক কৌবগদবনিকো ইয়াম্বা লৈত্রবা তুংদা থম্বৌজাউনা নখোযবু চাক কৌবোত্ত হায়ব্রা তাই । নখোয়দি ইয়াম্বা লৈত্রবসু ঐ লৈদনা, ঐনা হেক কৌবগদবনি । নখোয় য়াদবা তৌগনু । ঐ ননাউনুপীশিংগী য়ুমদস্ মগুং মথং হায়রুবগদবনি ।

থব্রানথাবা মখুবাগী বা তানদা ইবেমহল ফপ্লম্মা । কপ্ল কপ্ল ইবেমহন্না হায়, খুরাতোন ঐস্ন অশেংবাদ থংদে, মানা ঙাংনবা তাবনি । ইকুই কুইদনা লুহোঙখিবা ইনার্উশং অদুগী ইমুঙনা ঐখোযবু ওন্থোক্লা থনা ঙাংনবমগনি । অদুবু খুরাতোন অশেংবা মমা পুন্দা চংলগা ইমাদগী থংবিযু । ইমাগী ব্রাগী মতুং ইন্না ঐখোয় তৌঙাগে । ইমাদো অমুক্তং থুবাতোন্না উনবিয়ু ! মীনা ঙাংনবা হায়বাগিদি অচুম্বানি থংদে অব্রানবানি থংদে ।

ব্রাফম অদু থব্রান থাবনা চমা থাবনা লৌবম্মী অদুদগী মহাক ইবেমহলগী মকোক নাম্থাবিবপ্লগা চংখ্রে ।

নুমিৎ অদুমক্তদা থব্রানথাবনা লৌখৎদবা মযাম্বগা য়ুমদা চংলম্মী । থম্বৌজাউসু মকোক ইফা কান্দুনা ইব্রাউ রাউবদনা গাঙ্গোন্দা লম্দুনা লেরম্মী ।

"ফবেদা থম্বৌজাউ নংসু লৈবম্মী" হাসি হায়লগা থব্রানথাবনা মতৈমাদা ওনশিল্লগা খুবম্লম্মী ।

মখোয় ইমুঙ অনিগী অবা নুঙাযবগী মাপান থংযহাক তৌনবনা তুংদা মখুরানা থম্বৌজাউগী মমাদা হায, ইতৈমা ঐনা বানিগুম্না অমতা ইতৈমাদা হায়জবা লাকচবিবনি ।

মতৈমানা হায, হাযযু নহাক কবি ওখানংবগী চখোরকপনো ? থব্রানথাবনা খুম্মী, ইচানিঙোলশিং অসি নহানমখৈ ইতৈমহোয়না চাহি খুদিংগী চাক্কৌবিবক্লি । হান্দক চহিদগীদ ইতৈমাগী নচাশিংগা ঐনা পোকচবা ইচাশিংগা পুন্না চাক হেক হেক কৌজবগে । মীনা শুম হায়নবা তাবদা ঐ ইকাযবা অমা পোকই । থম্বৌজাউনা চাক্কৌররোই হায়না । চাক্কৌরগা মচনশিংদা দক্ষিনা ওইনবা ফি-বোল ফাউবা লৈহন্দ্রে হায়না তাজে । ইচাশিংদো লুহোঙবা কুইদ্রিবসু যার্উরি । মীগী মমাংদা ঐ লৈনা লৈনা চোপ্পা তাবে । ঐনা ওইনা চাক্কৌজবগে ।

থব্রানথাবনা ঙাংবা লোয়শিল্লকপদা থম্বৌজাউনা হায়, হোয় খুরাতোন্না ইচেশিং ময়াম অসি কৌবিরো । মখোয় ময়াম পুন্না চাক চামিন্নবসি মখোয়দসু য়াম্না নুংঙায়জগনি ।

"ফবে, ফরে" থব্রানথাবনা থম্বৌজাউদা ওনশিল্লগা শাউনা হায় "নং মাংলবা কানদ্রবা মী অমা ওইরবনিনা নংগা ব্বারি শাবা পামদে" । অদুদগী মানা মতৈমদা ওনশিল্লগা "ইতৈমা ঐ চৎলগে" অসি হায়রগা ফমফমদগী হৌগৎলগা মতৈমা খুরম্লগা থোকখ্রে ।

মখুরা চৎখ্রবা তুংদা মমানা থম্বৌজাউদা হায়, ইমাগী ইবুংঙো নংনা ফত্তবা তৌবনিনা ঐখোয় পুম্নমক মাংলে । নোংমা চবা অনি চারিবসে চরা অমত্ত চাবা নুমিৎসু লাক্লে । নহাকসু য়ু থকপনা মরম ওইদুনা হকচাং মনুং পুম্নমক তৎলম্লগনি । নহাক হিংলিঙৈদসু ঐখোয় নুঙায়বা ফংদ্রে । নহাক শিরবদি ঐখোয় করি ওইহৌরনি । য়ু থকপা মীশিং অসি অমত্তা মপুন্সি শাংদে । য়ু থক্লম্লগা শিহৌদবা কয়া অমা ফৈজৈ চিঙ চিংদুনা সড়ক্তা চৎনরি । খরনা একাগাড়িনা চৈসু ওইরগা চৎপসু য়াউরি । মখোয়শিং অসি মীনা ফুরকপা মানবনি, এক্সিদেন্ট থোকখিবা মানবতনি । অশেংবদি য়ুনা হকচাং মনুংগী থৌরি থদৎখিদুনা তৌবনি ।

ইবুঙো কুমারদো য়ু য়াম্না থকপা পামজৈ । চহিমুক্কী মমাংদা মখোয়গী য়েনাখাদা নানথুই । নুমিৎ অদুদগী মশা অদু অথঙ্গ ওইরে । মাগী নুপী ইবেম্লে অসিনা কয়াদা ব্বাজরবা ।

ইরুজবিবগা, অমাংবা চাম্বীবগা, খুদৈদা মপান থোকচিনবদগী খুদৈ শিনবগা' করিগা ব্বানা হোংনৈদা । ইবেম্মা ইবেম্লেনা নংদা খর থুনা লাইনা লৌশিনবিখ্রবদি ঐখোয় নুঙায়রনি হায়বদা মানা মমিত্তগী মপি চদুম চদুম তাদুনা লৈয়েং ইফায় ফায়না, মতিন ওরো ওরো চোরদুনা ব্বা ঙাংবদো করি হায়রিবনো ঐদি খংদে । মাসু মথন্ত পংকপ্ত কপচৈ । ইবেম্লেনা অঙাং অমা মনমগন্দা পোরগা অঙাংশিং স্কুল কাবা নংননবা চাক থোংবিরিবা; মসি নুত্তিগীনি । মচা অনি অহুমদো লাইরিক তম্বা তোকহল্লুবদগী ময়ুমদা হঞ্জিল্লকত্রে হায়রি ।

ইমাগী ইবুঙো নংসু মখোয়গুম্না তৌবা পাম্লব্রানে ? নহাক য়ু থকপদগী তৌগদবা নথৌ মশক খংদ্রে । নংনা তৌগদবা থবক মীঙোন্দা তৌবিয়ু

হায়ববনিকো। থা খবগী মমাংদা নঙোন্দা লৃতোঙলকপা ইমৌ অসি, নংনা য়ু ঙাউবিঙৈদা মীঙোন্দা [illegible] নৎত্রগা নং লৈনা লৈনা ফাদুনা পুখিবদা কবিসু তৌঘোই [illegible] পিদদুনা ননঙ্গন্দা লৈতুম্না থাবিবা ইমা নো.মা [illegible]

তলব ফংবগা থুম্নদা [illegible] । লম্বাদা পল্লথকনু । শেল অদু যুমদা থম্লো লাউ । শেনযা [illegible] খঙ্কনু, নচুক অদু নোংমা শেল পাম্বা মীনা [illegible] থাংনা যিল্লগা শেল মুনখিনি । [illegible] লুপা ১০০/২০০ পুগে [illegible] নংকগা খনপা ওয়া । অদু [illegible] হৌনো তাঙ্খীবনোঙ । নৎত্রগা [illegible] মদুদগী মানা শেল মুলহৌবদা নং [illegible]

ইচাদি তলব চানা চানা [illegible] লাকপা ইমৌ অসিগী মমাংদা [illegible] ইমৌনুপী অসিগাদমক [illegible] যোনা দবা ঙদে ।

নংবু স্কুল অমগী ওজা [illegible] যুথক্লগা ক্লাসতা চং [illegible] থক্লগা ক্লাসতা [illegible] ওজা ওইহনবিদ্রে । নং [illegible]

ইবুঙো নর্চোশং আসগী [illegible] উবদা ইমাগী থম্মোয় কাযবে । মৌপা অমা [illegible] হযাডজাথবশিং অদু যুমদা চংলকপা কিবে; মৌপ্বা অমা ভুট [illegible] অদদা । এদবু মমানিনা যোং ওইনা পোক্লবসু কিফম থোক্তবনি ।

ভুট ওইববসু মী ওইববসু মচেশিং [illegible] মৌপ্বা অমা ইচাউ চাউনা লৈবিবসে নখুবা খসিনা লৈতবা ওইনা উবে । অদু ওইববদি নং লৈতবগা পাংথক ওইবে। নপুবানা নংবু ভটলোমদগী মী অশেংবা ওন্নবা ব্লাবকপা লাকপনি । যুনা শেন্নবা নংগী শাদোংশিংনা, নখুবানা হায়বিবশিং অদু কবিনো খংজদে ।

হা ঈশ্বর । ইচানুপা ওক্তবা পোক্নুনা লৈমিন্নদৈ শরুকপুদি ঐদা খিৎ লৌশিনবিরো । মপা নংদি নবাইবক ফখ্রে । ঐদি ব্রাহৌরি । করি পাপননো?

ইমা ব্রাবি অমা লিগে তাউ, মফম অসিদগী অৱাংলোমদা, কোংবা তুবেলগী নোংপোক্তা খাংপোক্লমযাযা কৌবা পাক চাউববা লৌবুক অমা লৈ । তুবেলগা হেক তাইনবদা ঐখোযগীসু লৌ লৌবাক অমা যাউবি । খাংপোক্লমযাযগী লৌকম অদুনা আঃ অহল লমন হাক্তকগী ঐখোয় ফাউবা শেম্বিববকপনি । পাক চাউগ্র য় লৌ ম অদুগী ঈশিং পুন্নমক ঐখোযগী তুবেল মপান্দা লৈবা লৌ অদু যাদ্রকা চেন্থবরপা ঙাক্তেনি । মদুদা ঐখোযনা ঈকা ঙা, ঈকৃম ঙা হাযনা চহি অমদা অনিবক ঙা ফায । ঙা-যাম অদু চিংচুপ্পা কযাদা হাউনা হাউনা চরকপা । লৌসু মী খ্বাযনা থোক্লবা ফৌদগী ঐখযগীনা কেন্না থোকইদ্নি । বম অমা লৌ উবনা কুম অনি চানবা ৎরে । মী খ্বাযনা ঐখোযগী লৌকম অদু যান্না কল্লক্লে ।

অসুম্মা নুংঙাযনা পাল্লিদৈদা নহাক ঐখোযগী মিত্তা উবে । লৌমিং সিদা নখাক যে বা মীএই লাল্লুপ চাদ্রে, অদুবু মতম অদুদা ইর্গদি চু দিখাদা চম ঙীনা বল্লক্লা শাবান ওইবম্মী । ইচানুপীশিং অসিবু ম্বীবিনবা নুপা অমা যাউবে থনবদগী ঐখোয কযাদা হবাইজখিবা ।

নচাচ মইহে মশিং ত ক্ল । নংনা স্কুল ক্যাবদা মিত্তা হেব উবিইখ ইমানা নক যেংদনা লৈহৌবি । নচশিংনা 'মাবুদা লুনা তৌই' হাযদুনা ব্রাবৌখ ।

নপানা 'ইচানুপা মন ং যা নগা থবক তৌহন্দ্রবদি মীনা নোক্লাখনি' হান্দনা লৌ লৌবাক অদু যাম্থোক্লগা নহাকপু ওজা ওইহল্লে । ওন্থোকপনি মঙক অদ্দা নপানা খনখিবা অদু হৌজিক্তি লাল্লম্মো । লৌসু মীগী ংইখ্র । ইচাসু সঙবশিংনা যোমদুনা ফত্তবা মাপ ওইগ্রে ।

কুম অমদা অমুক্তং ইচাশিংগা উনদুনা চাক চাবা অমা চামিন্নগদবা অদু নহাক্লা যাদ্রবা, পামদ্রবা, ঙমদ্রবা ! নং ঐ লৈনা লৈনা নখুবানা চাক্কৌগে হাযবদা নংনা যারকো । চাক কৌববুদি যায, নখোয পুন্নমক মাগী মাচানি অদুবু মচে মযামগী মৌপ্পা অমনা তৌনবা থবক্লা নং নমায অদু ইকাযদ্রা ? শেল থোক্লা থোক্লা অদুম্মা খনগদ্রা ?

মমাগী ব্রাহৈশিং অদু তাবদা থম্বৌজাউগী মনাকোং অনিমক মেনশিল্লম্মী । মকোক ঙাউবম্মী । অদুদগী মহাক মমাগী মখোঙ ময়াদা

তুথগ্রে অদুগা মমাদা হায়, ইমা ঐ ঙসিদগী য়ু থক্লরোয় । ফত্তবা চিঙ্গাক অসি অমুক চাররোয় । ইমানা য়াদবা থবক অমত্তা ঐ তৌজররোয় । ইমা ঐনা হৃগী মশক ওইরবা য়ু অসি থক্লুবদগী ঐখোয় ইমুঙগী ইরল ইথুম কয়া মাংহল্লে ইজ্জৎসু মাংলে । ঐ অমুক হল্লা মাংহনবগী থবক তৌজররোয় । ঐনা য়ু থক্লুনা শাহিং ঙাহিং খর চারগা ইমাদা ব্যাবহার য়াউদনা ব্রা কয়া ঙাংজগ্রে । ইমা ঐবু ঙাকপিয়ু" । অসি হায়রগা থম্বৌজাউনা মমাগী মখোঙ কোল্লগা কপলম্মী ।

মমানা য়াম্না ঙক্লা, হায়, নংগীদুবু হিংচবীনা শরি শোনবা হায়দুরা ?

থম্বৌজাউনা হায়, ইমানা ঐনা হায়বসিদা থাজবিদ্রবদি ঐ ইথন্ত থাংনা থিন্দুনা শিজরগনি ।

মমা-নংবু অদুম তৌদুনা ঐখোয়দা অমুক্তা অব্রাবা পিগে খনগনু । নংনা হৌজিক হায়খিবদো ঙাক্লা চংপা ঙক্লগাদ্রা হায়বনি । ফরে ইমাগী ইবুঙো ফত্তবা চিঙ্গাক থাদোকপা ঙল্লোকো । ঙসিদগী নং অনৌবা মপোক অমা ওইরো । ওক্তবা নমান্নবশিংনা ঙমহনগনু । মী মবক্তা অথোইবা মী ওইয়ু । নমা নপা নচেশিং, ইমুঙ মনুঙ পুম্বদা তৌফম থোকপা তৌ ।

থম্বৌজাউ-ইমা ঐ হৌজিক খুরাতোন উনদুনা ব্রা চমথোক্লরনি । খুরাতোন্দা ঐ লানশ্রে ঙাকপিয়ু হায়জদুনা খুরল্লগনি । ইচেশিং ইবাইশিংগা কোন্ননা চাক্কৌজগে ইমা ।

মমা-নংবু হৌজিক কদায়দগী শেল্লা চাক্কৌগদগে ?

থম্বৌজাউ-ইমা, য়ু থকপা শা চাবা, ওক্তবা লিচৎ চংপদা ঐগী পৈশা পাম্মুরমদে। অতে অফবা থবক্তা ঐগী শেল য়াম্না পাম্মুরম্মী মদু পুম্নমক হৌজিক মাংগ্রে । ইমাগী মফমদগী অচুম্বা মশক খংলে ।

মমা-অদুদি নচেশিংগী ফুরিৎ অমমমগা, ফনেক অমমমগা, অঙাং খর য়াউরকপগী ফি-রোল খর লৈনবা শেল পিরো ।

থম্বৌজাউনা ইমুঙদা চংল্লগা অম্বারি শো হাংদোক্লুনা লুপা লিশিং ১০ লৌথোক্লগা মমাদা পিরম্মী ।

মতম অদুদা মমানা মমিত্তগী মপি ওরো ওরো তারদুনা মখোঞ্জেল নিক্ল নিক্ল নোক্লগা মচাদা নাম্থবিরম্মী । অদুগা হায়, ফত্তবা পোৎ চা-থকপা তৌরগা নশাগী নরলবু করিসু লৈতনা উরকপনি । মমা মপা, মচিন মনাউ, মচে মচনশিংবু শা ঙা ওইনা উরক্লুনা মখোয়গী মথক্তা তমথীবা লিচৎ চৎলকই । নং ঙসিদগী ফত্তবা পুম্নমক তোকচবা ওইরোকো ।

থম্মৌজাউনা ফত্তবা পুম্নমক থাদোকপদগী মমা মচেশিং লৈকায়গী মীশিংগা নুংঙায়না লৈমিন্নখি ।

লোক্তাক ইমাগী তম্পাক্তা

চহি ৫০গী মমাংদা, লাইশ্রম চলাম্বনা লোক্তাক পান্না লিরম্বগী য়াদি ১ ঐখোয়দা লিখি ।

থাঙ্জ লাইশ্রম লৈকায়দগী পাখং, অমা ঐখোয়দা লৈরগা লাইহরিক তম্লম্মী । মাগা ঐগা চহি লোজর্দনি । ঐখোয় অনি শরিক্কা লোয়মনগা থাজদা কোয়রুসি হায়নে ।

মহাক্কী মমিং রাবে কৌই । মমা মপা লৈরে । মানা মচিন মনাউ মখোয় ৫গী অহানি ।

থাঙ্জ য়ৌবগা ঐনা মাঙ্গুন্দা ন্যাকন্ধী থা লোংখা পিজৌ হায় । মানা ঐবু থাঙ্জ য়ৌরগা ঙা চানিংঙোই হায়খি পিনা মঙোন্দা ঙা পিজনিংঙদনা হায়রিবনি হায়খি ।

পরিক্কা লোয়রে । ঙসি বস তোংদুনা থাঙ্জদা চৎপা তারে । নহানমখে ঐখোয় পুম্রিদা ইরুজে । ঙসিদি ঐখোয় দাঙ মানা ইম্ফাল ভুমেন্দা ইরুজগি হায়নে, ইরুজে । ঙরাং নহাক লোং তাখিবগী ইম্ফাল ভুমেল থর চাউখৎলকই ।

মাগা ঐগা ঈশিংদা কুমথমিন্নরে । অদুবু মাগি ঈশিংদা চুপ লুপলগা ঈশিংগী ঈরে কি হায়দুনা কাখৎখ্রে । ঐনা ঈশিং অদুদা ইরোইদুনা অলোম বাংমদা অদুদগী অমুক শেম বাংমদা ইবোইদুনা শানে । অমুকসু ঐ ইক্লম্রি । যন কুইনা লুপ্লি । অমুক হয়সু লুপলম্মী । হন্দক যাওগৎলদদি মানা ঐঙোন্দা শাউনা বা ঙাংখি । মানা হায়, কুইনা লুপ্পা ওস্মী মং ঐ কি । লাকও কাখৎলক-ও ঐখোয় থোংঙনি । কুইরে ইরুজবা ।

মাগী বা অদুদা ঐ কাখৎলকখি ।

মানা ঐবু ইরুপ্পা ওস্না, কুইনা ইরোইবা ওস্না, ঈশিংবু ফিনবা অসি ঐখোয় থাজদা লৈরবদি নং পেনগদবনি । লোক্তাক হায়নবদুগী ময়ায়দী শারুক্তা লৈবা লৈতোং খজিক্তংদা ঐখোয় লৈবনি । লোক্তাক হায়বদুদি পাকশ্রবা ঈশিং ঈপাক্লি । মদুদা ননিং তৌনা ইরুপচৌ, ননিং ওস্না ইরোইজৌ ।

নংমা ঙমদদনত্তা তোক্কদবনি । হৌজিক ঐখোয় থেংঙ্গে থৌরাং তৌককরসি ।

কৈশামশাক্তগী ঐখোয় বস কাখৎলে । বসনা মথৎ মথৎ চৎখিদুনা নম্বোল, লম্মাংদোং নিংথৌখোং ফাউদুনা মোইরাং যৌরে । রাবৈগা ঐগা বসক্তগী কুমথরগা হয়ায় কংতক, মাইবোংখি, শগোল হয়ায় মটিংবা ইনশাংগী লৈশাঙ্গম্মী ।

ঐনা মঙোন্দা ঙা চাসি হায়রগা করিগী হয়ায় অসুক যাম্মা লৈশিঙ্গিনো হায়রম্মী । ঐগী রাদুনা মা নোক্কম্মী । মানা হায়, অা যৌরগা ঐখোয় অনিদমক ঙা চানি অতে ইমুংগী মীশিংনি ঙা চাসি য়াদে । মখোয়গীনি ঐনা লৈরিসে ।

ঐনা "কারিগী মখোয় ঙা চাত্রবনো ? বৈষ্ণব ধর্ম্ম চৎপ্রা ?" হংখি ।

মানা হায়, নংসু মফম অদু যৌরগা ঙা চানিংঙোয় "ইহে । ঙা চানিংবা চানিংদবা হায়বসি লৈফম্মা ওইরে" ঐনা হায় ।

ঐখোয় গাড়িদা কাখত্তুনা ফম্লরে । গাড়ি ড্রাইভরনা অহৌবা হৌনখোংল্লে । ঙায়হাক লৈরগা গাড়ি চেল্লে ।

ঐখোয় মোইরাংখুনৌ, চানপুর ফাউদুনা চৎলগা কৈবুল লমজাওগী নোংচুপ থংবা লক্তা লৈবা পাত্তা লৈবা সড়ক্তা চৎলম্মী । অদুম ঐখোয়গী বসনা থাজ যৌরগা লাইশ্রম লৈকায় যৌরে হায়বা য়ায় । মতম অদু নুমিৎ তাগদবা থজিক্কং ঙায়রে । ঐখোয় অনি মখোয়গী চীংয়াদা লৈবা য়ুম অদুদা থুংলরে । রাবৈগী মমাগা মপাগনা 'ঐবু শক যাম্মা ফজে, মরমচৎসু ফজরমগনি" হায় । রা অদু তাবদা ঐগা রাবৈগমা মোমোন নোক্কম্মী ।

নোংঙানবগা ঐনা রাবৈদা 'লৈত্রিন কদায়দা লৈবগে' হংখি । মানা ঐঙোন্দা 'হি তোংদুনা চৎলগা কথোকংগী মরুমদা হেক্তা তৌশিন্নু' হায়রকখি ।

ঐনা হায়খি, ঐদি হি তোংবা হৈতবনিনা তোকপা তামত্রা ? মখোয় চশিং কদায়দগী থকই ।

"মখোয় মীয়াম অসিনা অদুম্মা লোয়না তৌত্রা" ?

মানা হায়, লোত্তাক ঈপাক হায়বসে মহা সমুদ্রনিদা মফম খংদবমখৈ চাউরি, সিমানা লৈতে । মাসগী মপান্দা ঐখোয় খরনা ফত্তবা তৌরবসু খর লাপত্রবদি ফত্তবা কবিমত্তা লৈতে । ঐখোয়সু ঈশিং অতৈ অরাপ্পা চগাদগী শোক্রগা থকপনি ।

অয়ুক্কী চাক চারগা ঐখোয় থাঙ্গী খুনশিংদা কোয়বা চৎলম্মী, চীংয়াদা যুম কুংনা তাবা খুল ঙাক্তনি । যুম অনিগী কারক্তা মথং মথং চৎপা য়ায় । যুমগী য়াং মপাদা চীং লম্বী মচা মচা লৈ । কনাগুম্বনা যুম্নক চৎনিংদ্রবা নংত্রগা ঙাহিং শাহিং ইনম নমদনা চৎপা পাম্নবদি লম্বী অসিদা চংকদবনি ।

মতম অদু এপ্রিল থানি । নুমিৎ ৪/৫ নি মমাংদা নোং খর তাখি । 'অদুনসু নমথিবা খর ফরিবনি' ঐগী মরুপনা হায় ।

ঐখোয় অনিনা যুম অনিগী কারক্তা ফাউ ফাউদুনা চৎপদা শুমাঙ কয়া থেংনৈ । শুমাঙদা ফৌরাদা, খরায় অচৌবদা ঙা ময়াম অমা ফৌরি । মখোয়গী মথক্তা ইল শেগায়বা, লাং শেগায়বনা হয়িংদগী ঙাকথোক্রবা তৌবি । ঐখোয়না দারিদগী ফন চোংথবদা অতিয়াদা পায়বা বোইং মখোন্দু ঙাই হয়িং খোনয়াম্বী মযাম্না ব্রা লাউনা পায়থোকখি । মদুদগী খোংকাপ অমা অনি থাংদোক্রগাদি হান্নগী হয়িংশিং অদু অমুক পার্যাশিল্লকখি । মনম্না নুংশাদা ব্রং ব্রং লাউই ।

অসুম তৌনা ঐখোযনা খুলক্তা চৎপসিদা মরক মবক্তা রাবৈগী মকুপ-মপাং থেংনবদা ঙায়হাক ব্রারি শাবা, মচে থোকপা ওংখিবা ইমুংদা ঙায়হাক চংলম্লগা কমদৌবি হংলম্বা, মমা মপামদসু অসুম্না করম তৌবি হংলম্লগা হেক হেক চৎলম্মী ।

ঙা ফাবনা মখোয়গী মক ওইবা শিনফম ওই । তৌ অকংবনা চাক থোংবা হেক হেক থেংনবকই । অয়ুক্কী পুং ১০ অদুফাউবদি মী য়াম্নাময়ুমদা সড়ক্তা লৈবা উই । পুং ১১/১২ দগী নুংথিল পুং ৩ অদুরাই ফাউবা মী ইতাক তাক্লা উই ।

অয়াম্বা নুপীশিংনা মখাংদা খাংচেংকা লোয়ননা তুঙ্গোল য়াশিল্লি । কোক্তা কোয়েৎ য়েৎলি । নৌ পায়দুনা হি হোন্নখি হিদা ঈল হাপতুনা, লাং হাপতুনা তোঙান তোঙানবা মাইকৈদা চৎনখি ।

নুপীশিংনা মখোঙনা ঈনগী পৌরা ঙাকুনা হিথক্তা ঈল চিংঙি । মিটর ২০০/৩০০ শাংবা লাংবু লোক্তাক্ত থাদদুনা তাউহল্লি । অরাপ্পা মফমদগী হিবান্দা ব্রাচেৎ তংখায়না য়ৈ য়ৈদুনা লাং তম্মা ঙা হোয়জিল্লকই ।

হয়েংদি ঐখোয় করাং চৎসি হায়নৈ ।

মথংগী নুমিত্তা ঐখোয় করাং ইথৎ তান্না হি হোল্লে থাঙ্গদগী করাং উবা অসি ইনক নক্না উই । রাবৈনদি য়াম্না লাপ্লি হায়, ঐনদি থাজদে ।

খোঙগী লম্বী লৈতবনিনা হি তোংদুনা চৎলে । পিকপ্রবা হি অদুগী হিবান্দা ঐনা খুৎ অনিনা চেংনা পায়শিল্লি । থাঙ্গগা করাংগা অনিগী লোন্নবা ঈয়ায়দা ঐনা রাবৈদা হংঙি, অসিব্রায়সি কয়াম লুরমগনি । মানা খুম্মী, ব্রা অশাংবা অমা থাদবদা লৈবাক ফংদে । অমুক্তং ঐখোয় ব্রা অনি শমজিন্নরগা থাদদুনা মরেপ য়েংগে খল্লিবনি ।

ঐখোয় অনি করাং ইথৎ য়ৌরে ।

অহানবদা ঐখোয় অনিনা চীং মচা অদুগী মতোন্দা কাখৎলগা পাংকী অকোয়বা য়েংঙি । নোংপোক পাংনা য়েংখিবদা অতিয়াগী শংবান্নবা মচুগা লোক্তাক পাংকী শংবান্নবা ঈশিংগী মচুগা তিনবা উবা ফংই । মফম অদুদা লৈরগা খা-ব্রাং নোংপোক- নোংচুপ য়েংলবদি ফজবনা ঙকই । ইমা লৈবাক মনিপুর অশি রাবৈনা হায়বগুমদনা ঈশিংগী ঈশিং ঙাক্ত লৈরবোরে নিংঙি ।

চীংখাদা কুমথরক্লগা রাবৈগা ঐগা মাগী মরুপ অমগী য়ুমদা চংলুই । মরুপ অদুগী মফি মরোল শেৎচিল্লগা ঐখোয় অহুম কোয়মিন্নরে । য়ুম কুংনা তায় । য়ুমলৈ কৈরে চপ মান্নে । ফৌবাদা খরায়দা ঙা মরাং কায়না ফৌনৈ । য়ুম্লক ফাউদুনা চৎপদা ঙাগী মনম য়াম্না কল্লি । মরুপ অদু থনম্লগা ঐখোয় থাঙ্গদা অমুক হল্লক্লে ।

নুমিৎ অদুগী নুমিদাংদগী ঐসু ঙা চানিংদ্রে । রাবৈচন্দ্রগা ঐগা থাঙ্গদা লৈবা নুমিৎ ৬নি হৌখ্রে । ৭নি শুবগী অয়ুক্তা ঐনা ইরুজরুরগা কারকপদা রাবৈনা ঐ হুন্দোক্লম্লগা চংখ্রে । ঐঙোন্দা তাক্লমদ্রে । চংলমদায়দা উনহৌদে । ঐসু অদুব্রায়দা খংন-চানবা খরসু লৈজরবনি মরুপ অমদা ঐনা রাবৈ উব্রা

হৎজবদা মানা 'মাগা নুংশিনজবা নুপী অমা লৈবনি । অদুগী মনাক্তা চৎলমগনি' হায়রকখি । ঐনা 'ঐখোয় অনিসু মাগী মনাক্তা চৎলুসি' হায়বদা মানা য়াদে । মান' হায, মখোয় মাইকৈ কদোমদা চৎলমগদগে হায়বা ঐখোযনা খংদে । ঐখোয়গী কোয়বদি নুপীনা, লৈশাবীনা ঙা ফাবদা য়াউবিবা হায়বদি ঙাগী লাং থাদবা ঙা হোয়জিনবা পুম্নমক অসি তৌমিন্নববু নুপী কোয়বা কৌই । নংবু মানা হৌবা য়াবা মতাং থোক্তবা অদুনা হৌরমদবনি । নং শাউনু ।

নুমিৎ অদুদা ঐ কযাম কুইনা ইকপ্পা, অদুগা ইরোইবা কয়াম ঙম্বগে হায়বদো পাখং মচা অনিসু উইন্নিংঙম্মী ।

ঐনা লোক্তাক পাৎকী মপান্দগী ইরোইবা পান্নমদে । হি তোংদুনা খর শাংনা চৎলগা হিদগী চোংথরগা ইরোইদুনা পাৎপান য়ৌবক্তে খনখি । ঐনা হি হোনবিনবা পাখং ২ খিবে । ঐখোয় অহুম হি তোংমিন্নরে । হি অদু পাৎপান্দগী ফনা শাংনা হোন্দোবক্তে । মসি ফাউবদি ঐ ঙমগনি হাযবগী ব্রাখন্দা ঐ ঈশিংদা চোংথবে । হেক চোংথবদগী ঐ শ্বর থিংদুনা ঈশিং মনুংদা ঈরুপতুনা লৈবম্মী । মিনিট মখায়মুক লৈরগা ঐ ঈশিংদগী ফাউগৎলক্লে । ঐ ফাউগৎলকপদা মখোয অনি য়াম্না কন্না নোকখি ।

মখোয়গী হিনা নোংপোক পাংনা অদুম হোনখ্রে । ঐনা নোংচুপ পাংনা পাৎপান তম্না ইবোইবক্লি । অসুম ইরোইবকপনা ব্রাবনা তপ তারবা কান্দা ঐনা, ঐগী থুংফমদা ঙক থাঙ্গত্তুনা যেংলুই । পাৎপান যৌগদবা য়াম্না ব্রাৎলম্মী । মসিদি ঐনা য়ৌবা ঙম্লোযদৌরে । ঐ য়াম্না ব্রারে । অদুদগী লোংদাউ অমুক তাউবে । ইশা অসি ব্রাবনা লোয়রে । ঐ শিনিংদবদগী ব্রানা ব্রানা ঙম ইশান শান্দনা ইরোইবদি অদুম্মক ইরোইরি ।

মতম অদু অয়ুক্কী পুং ১১ রোম তাবদনি । নুংশিৎ শিত্তে । নুংশা য়াক্লা শায় । অদুব্রায়দা কবোকং লৈতে । মখোয় অনিবু ঐনা মশেন-মরাং ওইনা উই । অবাপ্পদা মী তোংবা হি অমা অনিসু ঐনা মশেন-মরাং উই । ঐনা খুৎ থাঙ্গত্তুনা, খুৎ হত্তুনা ঐবু কনবিনবা তৌরম্মী ।

ঈশিংদা তাবা মীনা ঈ-কা অমফাউবা লাম্মী হায়দুনি । ঐসু, কবোকং অমা অনিখক মপাং কাযনদুনা অদুব্রাযদা তাউবদুদা লাম্মী । অদুবু করিদি

কান্ননি । ঐগী হকচাং অসি ঈশিংদা তাউ হায়বা য়াদ্রে লুপকদবগী তা হোৎনরক্লে । ঐগী শয়েং পাম্বোম অনি শিথখ্রে । ঐগী খোঙ লেংবা ঙমদ্রে । ঐ কৈনো-মা তৌরে । ঐ শিরনি ! ঐগী মিৎকী পি লোক্তাক ময়ায়দা তাখ্রে । পি খরদা নণ্ডে, য়াম্না তাখ্রে । ওস্থোকপনি ঐ ইম্ফান্দগী লাক্লগা শিফম ইরে লৈতদৌনা লোক্তাক ইায়দা শিররেদো । ঐ ইরোইবা ঙমদদুনা শিববুরা, ঐনা মীঙোন্দা য়েংহন্নিংখিবদো । ঐনা কুইনা ইরুপ্পা ঙম্মী, কুইনা ইবোইবা ঙম্মী হায়না চাউথোকচরুবগী ফল অসিরা ! ঐহাক ঈশিং থক্লে । ঐগী হকচাং ঐনা পুবা ঙমদ্রে, ঈশিংনসু পুবিবা ঙমদ্রমাল্লে । ঐ ঈশিং থক্লে। ঐ ঈরোম্নুংদা অসুম অসুম চিংথখ্রে । ঐ জ্ঞান মাংবা হৌরক্লে ।

ঐনা নহানখৈ ইরোইবা হৈ খন্দুনা চাউথোকচবা, কুইনা ইরুপপা ঙম্মী খল্লম্বসিদি য়াম্না পঙবা ওইরম্লে । ঈশিংগী ঈচেন্দা ইরোইবগা, ইচেন লৈতবা ঈশিংদা ইবোইবগা অনিসি মান্নরমদ্রে, য়াম্না খেন্নরম্লে । লোক্তাক ইমা ইবেম্মা ঐবু ঙাকপিয়ু, ঐবু কনবিয়ু ।

ঐ ইশা শিরে খংন খংন ঐ শিদৌরি । জ্ঞান লৈরিমখৈ ঐ ইমা, ইপা, ইচিন-ইনাউ নিংশিংলম্মী । অদুদগী ঐ লুপথবা হৌরক্লে ।

ইখঙ খঙহৌদনা কনানো অমনা ঐগী লন্নায় লেমফুগী শম পায়ররে । শেগ্রাক অনিদা মখুৎ খুৎচাউ অনিনা ঐবু চপতুনা ঈশিংদগী থাঙ্গৎখ্রে । অদুগা লাউরকখি, নখুৎ অনিমক থাঙ্গৎলু, হিবান পায়য়ু । হিবান পায়য়ু । জ্ঞান মাংলবা ঐগী খুৎ নাম মানা পায়বগুম তৌখ্রে ।

পাৎপান খর ঙম্বা মফমদগী ঐ জ্ঞান তারকখি । ঐনা জ্ঞান তারকপদা কোক্না পাৎলোমদা অদুগা খোঙনা ব্রাংখৎনা লৈরম্মী । চহি ১০ মুক্কী নুপা মচা ৩ খক ঐগী ইনাক্ত লৈবম্মী । মখোয়না নোকমি নোকমি তৌনা ঐঙোন্দা হংলকখি, নং জ্ঞান তাবব্রা ?

ঐনা ইচোৎ চেৎলদবা, লৈখোম ইতে তৈরদনা জ্ঞান লাক্লে হায়বগী মওংদা ঙক নোম্লম্মী ।

ঐনা মখোয়দা হংঙি, ঐবু ঈশিংদগী লৌখৎপিবা মী অদু কনানো, মশক খংব্রা ?

মখোয়না খুম্মী, খংদে ।

"খুল অসিদগী নংত্রা নিপাদো"

"নত্তে, ঐখোয় খুন্দা লৈবা উদে মানা নংসে শেন্নৌ, মবুক্তা নখোয়না শিন্ন শিন্ন নম্ময়ু" হায়রম্মী ।

"নখোয় নম্বীত্রা" ঐনা হংখি ।

"নম্বী য়াদনা পোথারে" মখোয়না খুম্মী ।

নখোয় অকবা অঙাং ওাক্তনি, নখোয়না ঐবু হিংহল্লে । হোরেন ঐনা লৈবা য়ুম অদু য়ৌরগা, ঐ নখোয়গী চানবা লুপা ১০ পিগেকো ।

ঐহাক ঈরাক্লরুন্দবা, করিসু তৌরুদবা মী অমগুম ইরু মাইথজরগা য়ুমদা চংলম্মী । ইমুঙগী মী অমগু লৈরমদ্রে । ঐগী তুং ইন্নরকপা, ঐগী পুক নম্বীরকপা, ঐবু সেবা তৌবিরকপা অঙাং অহুম অদুদা ঐনা শিংজু বোড়া চানবা লুপা ১০ পিখি । মখোয হবাউ হরাউ চংখি ।

নুমিৎ তারমদায়দা রাবে হল্লকখি । ঐনা মঙোন্দা ঘাং পুন্নমক তল্লে অদুগা হায়, ঐগী থবায় কর্নাববা নিপা অদু হয়েং নুমিৎ চুপ্পা অমা মা ফংনবা খিমিন্নসি । ঐ মঙোন্দা তৌবিমল খব উৎচগে । অদু নংত্রবদি ঐ য়াম্না নুংঙায়রোয়দৌরি ।

মানা হায়, নং ফাউবা ইরাক্লব্রা ? ঐখোয়দি অচেনবা ঈশিং কি । চেন্দবা ঐখোয় লোক্তক্কী ঈশিংসে কিদে । নংনা অচেনবা ঈশিংদা হৈনবনি । ঐখোয়না চেন্দবা ঈশিংদা হৈনৈ । অদুবু ঐখোয় নোংলৈ নুংশিংনা য়াম্না হাৎলি ।

ঙশায় ঐবু শেন্নবদা য়াউবা অঙাং ঐখোয়গী ইনাক্তা লাক্লম্মী । মানা রাবৈদা হায়, তাদাসে ইরাক্লবদগী নিপা অমনা চিংখৎপিরগা লৈরায় মপান্দা থম্বীরম্মী অদুগা ঐখোয়বু মাগী মবুক্তা নম্বীনবা হায়রম্মী । অদুদগী ময়াদগী ঈশিং খর খরথোরজুনা ফবকই ।

রাবৈনা হায়, পোইরেতোন, মাবু চিংখৎলম্বা নিপা অদু কনানো নখোয় খংত্রা ?

ঐনা হায়, ইবুঙো মা খর থিরকউ, ঐনা লাউ হায়য়ু । মরুপ শান্নগনি ।

পোইরৈতোন-ঐখোয় শ্বায়দগী নত্তে, মশক খংদে ।

রাবৈনা হায়-থিবা ফংঙরোই, করম্মা থিগনি । লোক্তাক্কী অকোয়বদা লৈরিবা খুল ময়াম; নোংপোক্ত ব্রাবগায় হিয়াং থাং ময়াং ইম্ফাল, উচিব্রা, শেকমাইজিন, কোম্নাখোং অসিনচিংবা, মনিংদা অমুক ওইনাম, লমাংদোং, নিংথৌখোং, ফুবালা সুনুসিফাই মোইরাং মখোয় পুম্নমক অসিনা অকোয়বর্গীনি । মনুংদা থাঙ্গ, ইগিং করাং লৈ । লোক্তাক্কী খা থংবদা লৈবা খুনশিংনা অদুফাউবদং ঙা ফাগদবনি হায়বা লৈতে । অদুম্না মাগী মাগী শরুক লৈনরবদি ইরাথ লায়না খংবা ঙমগদবনি । অদু নত্তে । মানা মানা ফানিংবা জগাদগী ফাবা য়ায় ।

রাবৈচন্দ্রনা হায়বা অদুদা ঐ করিমতা খুন্না ঙমদ্রে । অদুবু ব্রাখন্দি য়াম্না নুঙায়তে । মানা ঐগী থবায় কনবিরগা ঐনা মঙোন্দা তৌবিমল উত্তনা লৈরগদ্রা । ঐ মঙোন্দা কবিগুম্না খরাদ তৌফম থোকই ।

সমুদ্র খোংবান্দা লৈবা পৃথীবিগী লৈবাক পুম্নমক মাগী মাগী নক্লবা তায়নবা সমুদ্রদা লম কিলোমিটর ১০ দগী ১৫ ফাউবগী মনুংদা ফঙডি । ঙ: ফাবসু হেঞ্জিন্নবা য়াদে ।

পাকিস্তান মচা কয়া, শ্রীলঙ্ক মচা কয়া ভারত্তা ঈশিংগী লম হেঞ্জিল্লকপগী ফায় । মখোয়নসু ঐখোয়গী ফায় । লোক্তাক মনুংদা লৈবা প্রজাশিং ১সুং মসিগী অকোয়বদা তারিবা প্রজাশিং অসিগী চাক্তাফম্নি এম এল এ ৮/৯ কোনবা লম্নি । থিবদা ব্রানা থোক্লনি হায়রি ।

ঐনা ফংনবা থিনিংঙি । অদুবু মানা ওইবোয় হায় । ঐনা কন্ন হায়ত্তিনবদা মানা শাউদুনা ঐঙোন্দা হাযখি । হব্রাগাড়ি ব্রাযদুনা মাইক পান্দুনা লোক্তাক মনুংদা অদুগা লোক্তাক্তি অকোয়বদা থাউ তিংখৈ খোঞ্জেন নাব মখৈ লাউরবসু ফংবা ঙম্লোয় । মদু করিসু নত্তে খন্দোকউ । য়ুমদা চৎনবা তৌসি ।

লোক্তাক্ত চাক্তাবা প্রজাশিংদা সর্কারনা নংত্রগা লনায় সংস্থান অমনা ঈশিংদা তারগা শিদনবগীদমক্তা ফাস এড তস্লীখিব্রা নংত্রগা অখং অহৈ খরনা তৌবা মানা উরুবদগীরা; মহাক ঈশিংদা তাবা মীবু লৌখৎলগা কোক্রা অনেম্বদা থম্লগা খোঙলোম্না ব্রাংখৎহনগনি হায়বা খংই । মদু মানা খংদবা ওইরম্লবদি ঐ শিরমগদর্বনি ।

ঐগী থব্রায় কনবিশিবা নিপা অদু ম্রশক খংদনা লোক্তাক লাইরেম্বীগী তমপাক্তগী ঐ য়ুমদা রাবৈগা লোয়ননা হল্লকখি ।

ব্রারিসি তাবদা ব্রারি তামিন্নবা খোয়বোম খোম্বনা হায়, লোক্তাক পাংপু উশিংলুদবগী লোক্তাক ইমানা নংবু ব্লাবকপা ওইবমাল্লে ।

ঝা খংদবা অপঙবা

নুপা অমনা মাগী নুপী পুবগা হোস্পিটান্দা লায়েংবা চংলি । মাগী নুপী অদু ফন কন্না নাবে । ডাক্তরনা মহাকপু হিদাক পিজবগা যুমদা লেংদনা লৈননবা হায়বকখি । হিদাক মমিং ইবা চে অদু পায়বগা ফার্মাসি অমদা হিদাক যাউব্রা যেংহল্লি । ফার্মাসি অদুদা হিদাক অদু শুনবা য়াউদে । হিদাক মখল মবি ইবকপগী মনুংদা অহুম য়াউরি, অমা যাউদে । অযাউবা অহুম অসি লৌবিগ্রো অদুগা অরাংপ' অমা অদো মীঙোন্দগী লৈবিবো হায়বদা মানা য়াদে । মানা হায, হিদাকাশিং অসি পুল্লপ ফংবা মফমদগী লৌজগনি । মবমদি মখোযদগী হিদাক শুনবা লৌবিবদা মখোযসু হৱাউগনি; অদুগা ঐঙোন্দসু শেল খব তাবিবক্কনি । ঐসু মচিং মচিং লৈবগী অরাবা লৈববোই । অসি হায়বগা মহাক চংখ্রে । ফার্মাসি অদু ইকাযহৌবে ।

মাগী নুপী অনাবী অদু 'ফার্মাসি' অসিগী মমাংদা অমুক্তা ফমহঞ্জগে হায়না ফমহল্লগা মহাক হিদাক থিবা চংখ্রে ।

ফার্মাসি মথং মগং চংদুনা হিদাক হংলক্লি । অহানবগী দুকান্দা যাউদবা হিদাক নম্বর তু অদু থংনবা দুকান্দা যাউবর্বান । অদুবু মানা কবম কবম্না হিদাক য়াউবগে, কবম্বনা যাউদবগে খংলক্রে । ফার্মাসি অমদা হিদাক অনি য়াউবা, অহুম যাউবা তৌদুনা লৈবে । অসুম্না মথং মথং চত্তুনা হংবদা ফার্মাসি অমত্তদা হিদাক শুনবা ফংদ্রে ।

অয়ুক পুং ১০ অদুরাযদা হোস্পিটান্দগী থোবক্লগা মথং মথং হংলকপদা নুংথিল পুং অমগী অদুরাযদা হিদাক মবিমক যাউবা ফার্মাসি অমা থেংনবে । হিদাক মবি অদুগী মমল লুপা ৭৪৫.৫০ ওইবেল্লে । মমল অদু তাবদা মহাক থুক লাউরি । মানা খল্লম্বগা ওহ্লোক্লা খেন্নববা, মানা খল্লম্বদি লুপা ২৫০ গুম্বগী ওইগনি অসিনি । মাগী ফুরিবংখাউদা শুপ্পগী নুপা ৩২০ খক যাউবি । মদুনা হিদাক মবিমক যাউবা দুকান্দগী লৌবর্বাদ শব তাবিবক্কনি হায়বগী অশাদা পুল্লপ ফংবা দুকান থিজর্মান ।

ইহান হানবগী ফার্মাসি অদুদা হিদাক মখল অহুম থংলনি । পোংবী মমল অহানবা দুকান অদুদা লেপথদবদা, মানা মশিং শুনবত্তা খনগ্রে । শেল তাবিবক্কনি হায়বগী রাখংদা তাউখ্রে । মহাক পাতোম গুম্না পল্লংফম

য়ৌনবা চৎলি । পঙ্গুংফম য়ৌবদদি শেলগী ব্রাখন্দা ইরাক্লরে । কনানো ইম্ফাল অসিদা মানা মশক খংবা; মাগী ব্রাখন্না থিবদা থিবা ফংদ্রে । ঙশায় অহানবদা হিদাক মমল হংদুনা মাগী শেন্না ফংবা হিদাক লৌরগা চৎলম্লবদি ফগনি খল্লক্লে । নুপী অনাবা হুন্দোক্লম্লগা মতম কয়া মাংনা চৎলবা, নুপী অদু ব্রারম্লনি নিংলক্লে ।

"হৌজিক ঐগী লৈজবা শেল অসিনা ফংবা হিদাক লৌশিল্লগা অদুগা মাগা লোয়ননা য়ুমদা হল্লগে । হয়েং লাক্লুনা অব্রাৎপা হিদাক লৈশিল্লগে । ফার্মাসি মশক খংলনি, কাউররোই" অসি খন্দুনা হবা ভারাগী শেল খায়দোক্লগা লুপা ২৮০ গী হিদাক লৈশিল্লে ।

মহাক্লা মাগী নুপী লৈহৌবা মফম অদু তান্না লাকপদদি, নুপী অদু লৈবা উদ্রদুনা ফার্মাসি অদুদা হঙঙি । দুকান (ফার্মাসি) ফন্না মীনা হায়, নুপী অদুগা লাকমিন্নবা নুপাদো নহাক্লা ? মহাক বাস্থরক্লুনা হোস্পিটান্দা পুখ্রে । নংবু য়াম্ন থুনা লাক্লবা হায়বন্মী । নহাক অসুক কুইনা কদায়দা চৎপগে '

মহাক উপায় লৈতবা মী ওইরে । তাখদা ১-চুংঙি, মকোং ওয়ার্ডরি । মানা খল্লি, "য়ুমদা চৎলগা শেল লৌকবগা হোস্পিটান্দা চৎপনা ফগনি হোস্পিটাল' হায়বদুদা ঐগা খংনবা কনাগুম লৈতে । ডাক্তবদা 'এগী নুপীনি য়েংবিয়ু' হায়গদবা অদু শেন্না হায়গদবনি; ঐনা হায়গদবা নত্তে । মসিদি ঐ য়ুম চৎলুবনা চুমগদবা মাল্লে । য়ুমদগী শেল পুবক্লগা হোস্পিটান্দা চংলগে । শেল য়াউদনা কবিমতা ভৌবা য়াদে" । অসি খন্দুনা মহাক ময়ুল্লোমদা হনখ্রে ।

মানা য়ুম য়ৌরক্লগা ইম্ফান্দা তনহল হল্লকখি । মতম অদুদা নুমিৎনা ময়ুম চংখ্রে ।

মানা হোস্পিটান্দা হেক চংখিবগা খোঙজিন্দা গ্লুকোজ কাপ্লিবী নুপী অমা ফক্তা হিপ্লা উই । মনাক্তা কনা অমত্তা লৈরমদে । মানা নুপী অদুদা কৌই, 'অশংবী' ।

নুপী অদুদগী পাউখুম ফংদ্রিঙৈদা নিপা অমখক মাগী মনাক্তা চংশিল্লক্লগা মঙোন্দা, ঙশায় অয়ুক হিদাক লৈবা নুপী অসিগী নুপাদুরা ?

নুপা (নরান) অদুনা খুন্মী, মানি ।

বিরেন্না (ফার্মাসি মপু) হায়, নহাক হিদাক লোয়না লৈরব্রা ?

নরান-লোয়না লৈদ্রে, শেল লৈতদুনা খজিক্তং লৈরে ।

বিরেন-নংগী নুপী অনাবীবু থনম্বা ফার্মাসিদো ঐগীনি । নহাক্লা চৎখিবা মতুং ঙায়হাক লৈরগা ইবেম্মদি অদুম ব্রাম্থখ্রে । মহাকপু ঐগী গাড়িদা পোরক্নুনা লায়েংঙি । ঙসায়খে মানা নংবু য়াম্না কৌজে । মহাক্লা নংবু উদবদগী পুকচেল য়াম্না পিকথদুনা কপ্লম্মী । মহাক মশা নুঙায়তদনা য়াম্না হায়বা হুম্বা তৌরম্মী । হৌজিক মহাক অনাবা খর ফরে । ঙায়হাক্কী মমাংদগী মহাক মশা খর নুঙায়দুনা পোথাজরি । কৌবিরুনু । তুম্বা থুগায়বিগনু । হৌজিক নং করিমতা নুংশা থিগনু.. ঐনা হিদাক লোয়না পুথোক্নুনা লায়েংলি" । অসি হায়রবা তুংদা বিরেন্না নরান্দা ওনশিল্লগা হায়, ইবুঙো, নুপী অনাবী হুন্দোক্লম্লগা হিদাক লৈবা চৎপবু হৌজিক্ত হিদাক পুল্লপ য়াউবা দুকান থেংনরব্রা ?

নরান্না খুন্মী তাদা, ঙশায় পুং অমগী অদুব্রায়দা হিদাক লোয়নমক য়াউবা দুকান থেংনজে । অদুদগী ....

বিবেন,- অদুদগী কৈদৌরবা ?

নরান- ঐনা নুপী লৈহৌবা দুকান্দুদা লাকপা কান্দা মহাক লৈবা উদ্রদুনা ঐনা দুকানগী অঙাংশিংদা হংঙি, মহাক উবিব্রা হায়না । মখোয়না ঐঙোন্দা খুল্লকখি, মহাক ব্রাম্থরক্নুনা হোস্পিটান্দা পুখৎখি ।

ব্রা অদু তাবগা, ঐ ইশাসু নুংশা মরক্তা কুইনা চৎলুবগা করিগা, ব্রাম্থবক্কে তৌই । ঙায়হাক তুমিন্না লেপ্লগা ইম্ফান্দা ঐগী মী কনা লৈ, কনাদা হাযজরগা শেল খজিক্তং ফংদুনা ঐগী নুপী কনগনি । ঐনা ইখুত্তা শেল অমত্তা য়াউদনা ডাক্তবদা চৎলবদি ঐ অঙাউবা তাগনি । হিদাক লৈরুচো, গ্লুকোজ লৈরুচো হাযবক্কনি । মদু পুম্বা কদায়দগী শেন্না লৈগনি । য়ামদ্রবদা লুপা লিশিং অমা পুদ্রবদি করম্না চংগনি । ফবে, ঈশ্বরগী নোংদম্নি । ঐ য়ুমদা চত্নুনা শেল খরদং লৌরুগে অদুগা ডাক্তরদা চংগে । অসি খন্দুনা ঐ হৱাগাড়ি তোংদুনা য়ুম্লোমদা চৎলি । য়ুম য়ৌরুবগা তনহল হল্লক্নুনা লৈজরিবসিনি ।

ফার্মাসি মপু বিরেন্না হায়, মতুংদদি অদুম্না খক তৌবিনু। নহাক লৈতবা কান্দা ঐখোয়গী ইমাংদা তাদুনা লৈবা অনাবা অদু ঐখোয়না অদুম য়েংদুনা লৈখোক্কদ্রা ? নংনা ঐখোয়দা মহাকপু শিন্নবম্বনিনা ঐখোয় লেংফদে। ঐখোয়না অঙন্বা থাক্তা মাগী ইমুঙ মনুঙগী মী লাক্ক্রিফাউবা হোৎনবিবা তায়। নহাক্না নুপী নৎত্রগা নুপা নৎত্রগা অঙাং অনাবগা লোয়ননা হোস্পিটান্দা লাকপদা অনাবা অদু খর হেঞ্জিনখিদুনা হোস্পিটান্দা লৈবা তারবদি, অনাবগী ইমুঙগী মী অমনা নর্স নৎত্রগা ডাক্তর অদুদা হায়বগা, ডাক্তরনা হিদাক ইরবা চে অদু ফার্মাসিদা পিশিনবগা লোয়ননা মতম খর মতেং পিবিয়ু হায়বদা য়াদবা লৈরোয়। নংগীদা চংখিবা হিদাকশিং অদুগী মমল মচিৎ মচিৎ থিজিনবা নৎত্রগা পুল্লপ পিশিল্লবসু য়ায়। তৌবতবু পুকচেল শেংবা তায়। অবাপ্পদগী লাকপা অনাবা অয়াম্বা শেল অসুম চংগনি খংবা অমত্তা য়াউদে। অদুবু মখোয় অয়াম্বা ফার্মাসি অমা অনিগা মরি লৈনবগা হিদাক লৌখোক লৌশিন তৌনবা ঙাক্তনি।

অঙাউবগা লোয়নবগী দম্বা

কুমার কৌবা অমা মাগী মবাই ইবোতোন কৌবা অমগা তোঙান তোঙানবা লমদগী লাক্লগা লৌতাংশঙ অমত্তদা পুল্লগা কুম খুদিংগী হেক হেক লৌ উমিন্নে ।

শম্বোং কন্না খোয়নবা, হুনবা, লিংবা মতম অসিগা লৌ খাউবা য়েবা মতম অসিদা অনি অসিগী মতম্মদমক মখোয় লৌতাংশঙদা লৈমিন্নে । অতৈ মতমদা লৈতে ।

কুম অমদি মাগী মবাইনা ঙাউবি ফৈবি তৌবা পাখং অমা মাগা লৌ উমিন্নবা পোাবক্লম্মী । ঙাউবি ফৈবি তৌবা পাখং অদুগী মমিং মী খ্বায়না কোক্লে কৌব্রি ।

নোংমদি কুমারগী মবাই অদু ইম্ফান্দা চৎখি । নুমিৎ অদুগী নুংথন্দা কুমারগা কোক্লেগা শীং চনবা চাংদা চৎলম্মী । অসুম ব্রাবি শানা শানা চৎমিন্নবনা শই অকংবা মবাং কাযনা লৈবা মফম অমদা থুংলম্মী ।

শীং চনবা লোইশিল্লক্লে । মাগী মাগী শীং মপোৎ ফানবে । মতম অদুদা কোক্লেনা খ্বর মপি হোল্লদুনা কুমাবদা হায, "মাম্মা ঐ উচুক অসিদা য়ৈশিল্লগা শিজবগে, ঐ খাম্বিবনুকো" ।

কুমাব-কব্রিগীনো ইবুংঙো নংনা উচুক্তা য়ৈশিল্লগা শিনিংঙিবা ? তৌগনুকো অদুগুম্বা থবক তৌবা হৌনদে ।

কোক্লে-মাম্মা ঐ খাম্বিবনু শিনিংবনা লোয়বে । কব্রিগী শিনিংঙোয়দৌবিনো ? নোংঙানবগা চাক ঈশিং থোংবা, কোল লিক ফেংবা, শম্বোং খোয়বা, শীং চনবা, মসি পুম্নমক আস হেক হিংলিখৈ অসুম্না তৌবগদবানি অসুম্না ব্রানা হিংদৌ শকক উচুক আসদা কোক য়ৈশিল্লগা শিরগে, অদুনা ফৎত্রা ?

কুমার-ইবুংঙো কোক্লে, মদু অঙাউবগী থবক্লি । অদুম্না তৌবা হৌনদে । নহাক য়াম্না ব্রানা শিবসু শিঙমদা, থিবোং থিরিন থোক্কুনা তোক্কনি । অদুম্না শিববুদি হু থক্কুনা, লৌ হিদাক চাদুনা শিবনা ফগনি ।

কোক্লৈদি ফুরিৎ অমা লিৎলগা মখাংদা খুদৈ অমা লাকশিল্লগা লাকপনি। ফুরিৎ অদুগা খুদৈগা মশাদগী লৌথোক্লগা উচুক অমগী মথক্তা থল্লগা ফিবম শেমদুনা, মথবাক লোংথোক্লদুনা উচুক্তা য়েশিন্নবা শেম শাথ্রে। মদু উবদা কুমার নুংশা থিরম্মী, করম্লো তৌরিবসে মাগা ঐগদা লৈবনি। মহাক উচুক অসিদা য়েশিনগনি থৌরাং তৌরি। মাদি অঙাউবনিনা উচুক্তা কোক চোংশিনখ্রদি ঐ করম তৌবা? ঐ মহাকপু ফাহৌবনা চুম্বা? মা ফাবা ঐগী ইতিক নত্তে। মাদি পাখংনি, মপাঙ্গল কল্লি। ঐনা মাবু কোন্দুনা ফাবা ঙম্লোই। করিগুম্বা চোংশিনখ্রগা কোক হেক শিবিরদি ফৈদো, শিদদুনা থিবোং-থিরিন থোক্কুনা লৈরবদি ঐ মদু অদুম য়েংদুনা লৈগদ্রা? অদুনদি উচুক্তা চোংশিন্দনবা মসি ফুদুনা য়েংগে।

অসি খন্দুনা মানা কোক্লৈগী ময়াংলেন্দা, অদুৱায়দা তাবা উকক অমনা কন্না থোল্লম্মী। কোক্লৈ ঙায়হাক্তংদি নামন্দুনা জ্ঞান মাংলম্মী।

জ্ঞান তারক্লবা কান্দ, কোক্লৈনা হায়, মাম্মা নংনা ঐবু হাৎকে তৌরবা করিগীনো?

ঙশায়খৈ থৱায় য়াম্মা ৱারুরবা কুমাবনা হায়, নং করিগী উচুক্তা ৱায়শিনগে তৌরি?

কোক্লৈনা, চৈনা খাংনা খাংনা হায়, ঐদি তৌশিন্নর্বানি। উচুক্তা চোংশিল্লবদি ঐ শিরোয়দ্রা? ঐবু অঙাউব্রা? ঐবু অদুক লান্না উবিরিবা করিগীনো? ঐ মফম কদায় কদায়দা শিগে তৌখ্রবগে? ঐনা ফত্তবা তৌবা নং থেংনখ্রব্রা? অস! ঙায়হাক্তংদি জ্ঞান মাংলুবে। ঐগী নঙ্গন অসিদা অমুক্তা কন্না নম্লগা নানবিরকউ'।

কুমার উপাই লৈতবা মী ওইরে। মানা খল্লি, অঙাউবা হায়বসি অসি ওইরে। হৌজিক্তা উচুক্তা য়েশিন্দুনা শিজগে তৌবদুবু ফাগী তৌবনি হায়রি। মহাক উচুক্তা য়েশিন্দনবা ঐনা মঙোন্দা উকক্লা থোম্লুবগী ঐ মাগী সেবা তৌবা তারে। নংত্রবদি হোরেন ইবাই হল্লক্লগা ঐ ৱা থোকপা তারে। অসি খন্দুনা মানা কোক্লৈগী মনঙ্গন্দা কন্না নম্বা, নানবা তৌবিরম্মী।

কোক্লৈনা মমায় অদু কুমারদা ওনশিল্লগা কৌরকই মাম্মা।

কুমারনা হ্রাউ হ্রাউ খুমজে, হাউনে । কোক্রেনা শুগৎলগা হায়, মাম্মা হৌজিক্তি ব্রা ঙাংনরবসু চিন অমমম পানবনিনা অব্রায়-অখুম তৌননি । ফুনরবসু অদু মঙায়, খুৎ পান্নবা মশেন্নি অমসু অমসু ফুজিন্ননি । অদুনা ঐ মাম্মগা ব্রা ঙাংনদুনা খৎনরোয়; খুৎ-শা-না মাম্মগা ফুনরোয় । ঐনা তৌগদবদি করিনো খংব্রা মাম্মা ?

কুমারনা খুম্মী, খংদেনে !

কোক্রেনা হায়, মাম্মনা অহিং নুংঙায়না তুমখ্রবা কান্দা ঐগী খুৎচাউ অনি অসিনা মাম্মগী চরম শিদ্রিফাউবা মেৎকনি । অদুতদা ঐ পেনগনি ।

কুমারনা হায়, অদু ওইরবদি নং জেন্দা নপুন্সি অসিমা লৈগনি নৎত্রগা ফাঁশি তৌগনি ।

কোক্রে-তৌজসনু কিবিদে ।

কুমার-অদুদি ঐসু নং তুম্বা ঙায়নি । নং তুমখ্রগা নখৌবি চবম মেত্তুনা হাৎপা তারেদনা ।

কোক্রেনা হায়, ফৈ, ফৈ, কনানা হান্না তুম্বা; কনানা হান্না হাৎপা য়েংনবা তারেদনা ।

কুমার খুমদ্রে । ব্রা মখা তানদ্রে । মাগী মাগী শীং মপুন অদু কন্ন কন্না লাকশিল্লগা চীংখোং ফাউবা চিংথবক্লগা কোকথোং নাদুনা ময়ুম য়ৌনরকখি ।

নুমিদাং মখোয় অনি চাক চাবা তোক্রে । অদু ফাউবদা কুমাব’ মবাই হল্লক্রে । ফুঙ্গাগী নাক-য়েত্তা মখোয় অনি ব্রা মচেৎ অমত্তা ঙাংনদবমখৈ মৈ তিক্সিন্নরম্মী । মবাই অদুদং হল্লক্লবদি কুমারগী অকিবা অসি খরমখৈ হন্থখিগদবনি । অদুবু মবাই হল্লক্রে ।

ফুঙ্গা মৈ তিক্ল তিক্ল কোক্রে উইথখ্রে । ঙায়হাক উইদুনা লৈরন্নগা ফমুঙদা চংখ্রে । কোক্রে নাখোকখ্রে কুমারদি মৈ তিক্কুনা অদুম লৈরে । মানা উকক্লা কোক্রেদা থোন্নুবা অদুনা কোক্রেনা মঙোন্দা মখৌরি চরম মেত্তুনা লমন শিংগনি হায়বদুদা নিংশিংদুনা লৈরে । “মাদি অঙাউবনিনা

হোরেন মানা মিকপ থোক্লক্লগা ঐগী খৌরি চরম মেৎখিনি" অসিতা খন্দুনা লৈরে। মহাক মৈ তিকপা ব্রাদুনা ফমুঙদা চংলগা হিপতুনা লৈরে। অদুদসু তুম্লিংবনা খপ খপ চিংলম্মী। মহাক তশেংনা তুম্না কিরে। অদুগা তুমথখিগদ্রা হায়বগীসু আকৈবা লৈরম্মী। কদায়দা ঐনা অঙাউবগী ইহুল খংহৌদবসে! অঙাউবা হায়বসি অসুম তৌবোয়রে। ঐদি চোংদা চোংশিনব্রদবোয় নিংলুরে। চোংশিন্দুনা শিগে শিজসনু খন্দোকপা ঙমখিদে। গাড়ি ব্রায়দুনা মাবু হোস্পিটান্দা পুদুনা ঐবু য়াম্না ব্লালা তারে হায়বগী ব্রাখন্দা ময়াংলেন্দা উকক্লা থোম্লুবনি। উকক নত্তনা চৈ মচা অমা খুল্লগা তৌরম্মসু ফগদবা। চৈ মচাসু অদুব্রায়দা হেক তাবমদে, ঐ চোপ্পু, রাউ হায়বদুনা। ঐবু হৌজিক তুমসি কদায়, তুমগনুসি কদায়। ভুম্নরোয়দা, নোং ঙানগদবা কুইরম্নরোয। মানা হাৎখিদৈ শরুক নোংঙানবা ফাউবা লৈরগে, খাঙলগে, তুম্নরোয। অসি খন্দুনা কুমার নোঙানবা ঙাযবে।

নোঙাল্লগা মাগী মাগী লৌবুক্তা লৌ শুনরম্মী। মখোয় অনি কৌন ঙাংনদ্রসু চাক ঈশিং থোংদুনা চামিন্নবে। অদুফাউবদা মবাই হল্লকত্রে। চাকচা তোক্লগা কোক্লেনা পোথাবিঙেদ কুমাস ময়মদা চেনখিরম্মী।

থম্বাল ওন্নবা

হিজম থম্বাল, পাউনম সিজ ১সুং থাংজম থম্বাল মখোয় অহুম্মক লৈরক অনিগী মরক্তা লৈবা মৌ নহা ঙাক্তনি ।

হিজম থম্বান্না সিজ হোয়দা লাক্লগা হায়র,

ইনম্মা সিজ কৈথেল ফাগদ্রা ?

পাউনম সিজনা খুম্মী, হোয়, কান ইবেম্মা ।

থম্বাল-অদুদি কাতলা ঙা কিলো মখায় অমত্তা লৈবিবকউ ।

সিজ- "হোয়, হোয়, লৈবিরক্কে" অসি হায়রগা সিজনা থম্বান্দগী লুপা ৫০ লৌশিল্লি । থম্বাল চৎখ্রে ।

অয়ুক্কী পুং ১১ দা সিজ কৈথেন্দগী কুল্লক্কে । সিজনা য়ুম য়ৌরকপদা মচা অতোম্বনা মবুক লামদুনা কপলম্মী । ঙা য়াউবা খাউ অদু থল্লে । অদুগা মনম্মা তোনুদা হায়, ইনম্মা, ঙা অসি থম্বালহোয়দা খর থিনবিরুচো ।

তোনুনা ঙা অদু পায়রগা থাংজম থম্বান্দা পিরুরে ।

থাংজম থম্বান্না হায়, ইনম্মহোয়না ঐবু নুংশিবসি নুংশিদা । ঐবু ইনম্মহোয়গী লমন করিনা শিংগদগে খংদ্রে ।

অসি হায়রগা ঙা অদু লৌহৌরে ।

ঙা অদু তনশেম শেল্লে । অচাথাউ খর লৈরুরে সিজনা মচা খোম ইনবা লোয়রগা মনম্মা তোনুদা অমুক হংলকই, ইনম্মা ঙা অদু হিজম থম্বান্দা পিরুরব্রা ?

তোনু শ্বায় লাউরি । ঙা পিভম ওন্নরবনিনা পিরুরে হায়রমদ্রে । মখোঙ যাঙনা থাংদুনা থাংজম থম্বালহোয়দা থুংখ্রে ।

মতম অদুদা থাংজম থম্বান্দি মপান্দা ঙা শেল্লল্লগা ইমুঙদা থাঙ্গোল লৌথোকপা চংখ্রি । মানা ইমুঙদা চংখ্রিঙৈদা তোনুনা ঙা অশেম্বশিং অদু কনাদসু হায়রমদনা পোরক্লগা হিজম থম্বান্দা পিরুরে । মানা হিজম থম্বান্দা নোকিসি নোকমি তৌবগা হায়, ঐখোয়গী ওইববোই নিংদুনা ঐনা শেল্লুরে । ইকায়খ্রে থম্বাল লৌহৌরোসে ।

লৈশাবীসু মীনি

য়ুমজাউগা কুসুম্লেগা য়ুম্বান্নদনা মচা ৪ পোক্লম্মী । অহানবদা নুপী অনি পোক্লবা তুংদা নুপা অমা, অদুদগী নুপাদুগী মখাদা নুপী অমসু পোক্লম্মী । নুপা অদুগী মমিং বাবুধন কৌই ।

চহি ৬০/৭০ গী মমাংগী ৱারিনি । মতম অদুদা নুপীশিংবু ইমুঙ অয়াম্বদা য়াম্না হন্থবা থাক্তা থম্বীরম্মী । নুপী লাইরিক হৈরবসু ময়ুম পানবিগদবনি । ময়ুম পানবদা অমুক শেল তিংঙি । নুপী নারগা ফজনা লায়েংবিদে । নুপী নহা অমনা শিববু, নুপী ওইবীগী পাপ অদু কোকচরবনি হায়নরম্মী । ৱার শান্নবদা ৱার মহাজন্দা শেল শিংবা ঙমদবদগী মচানুপী পিথোক্লরম্মী । কনাগুম্বা খরদি মচানুপীবু ৱারদা থাদোক্লম্মী ।

অদুগুম্বা মতম অদুদা উনা শিংনানা হিদাক ওই । অদুগা হিদাক্কী লমদা খং-হৈবা মী কয়া লৈরমদে । মতম অদুদা মচানুপা চহি ১২ (তরানিথোই) দা ঙায়রিবা বাবুধন য়াম্না কন্না নারম্মী । মমা মপানা মাইবা অহৈবা কৌদুনা লায়েংলম্মী থা মখায়মুক লায়েংলবা তুংদা নুপামচা বাবুধন অনাবা ফরকখি । মহাক নাবা পুমফ ফরবা তুংদা নোংমা মপানা মচানুপী লৈশাবীশিংগী মমাংদা মমাদা হায়রম্মী, ইচানুপা মথন্তনি, মা শিরবদি ঐখোয় ধরা মুৎলনি খন্দুনা শেল তিংনা মাইবা ময়াম কৌদুনা য়েংহনবনিদা নুপী ওইরবদি উনা শিংনা খর শুগায়রগা পিথকপদা ফরগা ফরে ফৎত্রগা তোক্লমগদবনিদা ।

মপাগী ৱা অদু তাবদা মচানুপী অহল চাউবীনা মমাদা কপ্লগা হায়রম্মী, ইমা ঐখোয় পাজীনা হায়রিবা নুপী ঐখোয় নারবদি লায়েংঙোয় হায়রি । নুপী ঐখোয়সি মী নৎত্রা ? অসিবু করিগীনো ? করিগুম্বা ঐখোয় ইমুঙদা নুপী অমা হেক নারকপদা ফজনা ইবুঙোদা লায়েংবগুম লায়েংদ্রবদি ঐখোয়না করি তৌরক্কে য়েংউ ।

মতম অদুগী নুপী অয়াম্বনা মচানুপী নুংশিরম্বা য়ায় অদুবু মপাগী মমাংদদি মচানুপাদমক নুংশিবগুম তৌনৈ । কুসুমলৈদি অতৈ নুপীগা মান্নদে । মচানুপাগা নুপীগা মঙোন্দা খেন্নবা লৈরমদে । মানা খুম্মী, ইচাশা, নুপাশিংনা হায়রিবা নুপীদি তোনখ্রপোৎনি, পাপ ১০০০ না তারগা শেন্নকপনি হায় । য়ুম পাল্লগা অঙাং পোকত্রবদি খায়নবি নুপী ঙাক্ত পোক্লবসু খায়নবা য়ায় । নিপা পোক্তবগী ফুবী । নুপা পোক্লবদি

খায়নবিররোয় । নুপীদি মী নত্তে লৌবি । ময়ুম পানবদসু অউনপোৎ চংঙি খন্দুনা নুংশিদে । অঙাং অপিকপা চহি ২গী মখা কয়া শিখ্রে । ঙসিসু নখোয়না উরি তুরেন মপান্দা অঙাং ফুম্বগী মথক্তা চৈ য়ুং য়ুংদুনা লৈবা । মখোয় অসিদা নুপামচাগী মশিংবুদি নুপীমচাগী মশিংনা য়াম্না হেল্লি । মরমদি অঙাং ওইরবসু অহল ওইরবসু নুপাবুনা খর চেকশিন্না লায়েংনরম্মী । পুম্নমক নুপাগী লল ওইনা উই ।

"ইনশাং হাউতবগী নুপী ফুই । ইনশাং অশাবা অদু হাউতবগী ননে তথোত্ত, ননে কোম্বীরৈদা, ননে নুংশিহোয়গী মকোক্তা হেক হেক হৈজিনবিবা ইমানা উখি । ইমাবুসু নখোয়গী নপানা অমুক অনিরক হৈজিনখ্রবনি । নুপাদা খুৎ হনবা য়াদে । মখোয়গা মান্নবা য়াদে । লাইমাঙদা লৈশাবী মঙক ককই মদু মার্গী মথংগী মপোক্তা নুপা ওইনা পোকচরুনবগী অদুগা মঙক কক্লিবা নুপা অদুনা মথংগী মপোক্তা নিংথৌ ওইগনি হায় । মখোয়না নিংঙিবদো অচুম্বা ওইরম্বা য়ায়, অদুবু ঐদি নখোয় অমা শিখিবদা ইমাগী থম্মোয় পুঙম্মোয় নখোয় লাপ্ন পংচৎ চৎকনু । নুপা হায়বসি লাইনি । মখোয়না তৌনিংবতা তৌবা য়ায় ।

মচানুপী অহল চাউবীনা হায়রম্মী, অদুদি ইমা কদৌবগী নুমিৎ, থা, থামচাশিংনা ঐখোয়বু নুপী ওইনা পোকহনবিরক্লিবনো কদৌবগী ইমুঙ অমদা মতে মনাও লৈবিবনো ? নুপী ঐখোয় লৈত্রবদি নুপাতনা য়ুম্বানবা য়ারোয় । ধরা নালা শন্দোকপা নুপী ঐখোয়নি । নুপা নুপী পুম্নমক ইমাগা ইপাগনা পোকপনি । ইমা, নুপা হায়বসি নুপীগী মচানি ।

মতম খর লৈরগা মচানুপী অতোম্বী নারম্মী । মপানা হায়খিবদুনি, উনা-শিংনা খরনা লায়েংলম্বনি ফৎত্রে । অনাবদি অসুম অসুম হেঞ্জিল্লকই । মচানুপী অহল অনিদুনা মপাদা হায়রম্মী, পাজী নুপী পোকপসি পাজীহোয়সু পাপনি ঐখোয়সু অরাবগী মশক্লি । অদুনা করিগুম্বা ইনাওনুপী অতোম্বী অসিনা শিখিবা থোক্লবদি ঐখোয় অনিসু শিগদবনি । মরমদি ঐখোয় লাইরৈবাক্তগী তাইবংমী ওইনা ইমুঙ অমত্তদা পোকমিন্নরুসি হায়নদুনা লাকপনি ।

মচানুপী অনিগী বা তাবদা মপা অদু অকিবা পোক্লম্মী । মচানুপা লায়েংখিবা মাইবা ৩/৪ কৌরগা মচানুপী অতোম্বী অদু লায়েংলম্মী । মহাক মতম খর লৈরগা ফরকখি ।

অসুম্না মপাগী অপঙবা অদু মচানুপীশিংনা চুমথোকখি ।

হাৎপনবু অফবা ওইগদ্রা

(১)

ইম্ফাল সহড়দা লৌ শিং যাম্না লৈবা ইনাক-কৈবাক খুনবা নুপা অমা লৈবন্মী। মহাক্কী মমিং লালগোপাল কৌই। লালগোপালগী মপা মপুশিংসু যাম্না নুঙায় য়ায়ফবা মী ওইরন্মী।

মপা মপু হাক্তক্তগী নুঙায়বকপা অদুগী মথক্তা মহাক্না তৌক তৌরুবা থবক খুদিংদা মীগীসু ফনবা মাগীসু ফনবা তৌবদগী নুঙাযবগী মথক্তা হেন্না নুঙাযবা ওইরকখী। মঙোন্দা জাতি বিজাতি খায়দে। ধর্ম্ম পুন্নমকপু চপ মান্ননা যেংঙি। মবম খিবিক অসিদগী মখোয় ইমুঙবু মী খ্বায়না মশক খঙবী ১সুং নুংশিবী।

লালগোপালগী মচানুপা অমা নুপী অমা পোক্লগা অঙাং মখা তাবকত্রে। মখোয মতৈ-মনাউনা অঙাং যাম্বা পাম্বদগী জগত্তা লৈবা লাই পুন্নমক খুকম্লুবে অদুবু মখোয কবিসু কান্নবা ফংলমদে।

লালগোপালগী মচানুপাগী মিং নন্দকুমার অদুগা মচানুপীগী মমিংনা বিমোলা কৌই। অঙাং অনি অসি য়েংবদা চুং-ফিবাল চাবা, হেক উবদা মীনা নুংশিবা পোকপা অঙাং ওইবন্মী।

মী অপঙবশিংনা অশিংববু হাৎপা, মীফত্তশিংনা মী অফববু হাৎপা অসি থাইনদগী তৌনবক্লিবনি। লালগোপালদসু তৌক-তৌরুবা থবক খুদিংদা দাউ যাবা মতাংদা মীফত্তবা মী খবগী খুত্তা মাগী মপুন্সি লোমখি। লালগোপাল তুবগী মহুত্তা মীশিং যামদবা খুঙ্গং অমা তুবনা হেন্না ফৈ হাযনা লৈকায খবনা ঙাংনখি।

লালগোপান্না শিবগী মবমদি মঙোন্দা লৌ লোন্নবশিংনা লৌ য়োনশিল্লকখি। লৌ য়োল্লকপা কোন্দুম, ইতোচাউবা ১সুং চাউথোইদা লৌগী মমন্দি চহি খবগী মমাংদা পিখ্রে। মতম অদু লালগোপালসু থবক য়াম্না চিনবা অদুগা কোন্দুম, চাউথোইহোয়সু অনা-অয়েক য়াম্না য়াউবা,

লুহোঙ-খোংদোঙবা য়াউনবদগী রোজষ্টরদি তপ্পা তৌনসি হায়নদুনা লৈনখিবনি । লৌ য়োম্লকপা কুমদগী লৌশিং অদু লালগোপান্না পাল্লে ।

চহি ৪/৫ লৈববা তংদা কুমগী নোং মরাং কায়না তাবা হৌরে । মতম অসিদা লৌ-উবশিংনা মাগী মাগী লৌবুক্তা লৈনখ্রে । অসুম্না লৌ উনরকপা মতম অসিদা লালগোপালগী লৌফমদা হান্নগী লৌপুশিংনা লৌ খোয়রে হায়না মী খরনা লালগোপান্দা পাউ পিররে । মথংগী নুমিত্তা মহাক্না গাড়ি তোংদুনা মফম অদুদা চৎলম্মী । তশেংবমক হান্নগী লৌপুশিংনা লৌ খোয়রম্মী । মখোয় অহুমগা মাগা ৱারি শান্নরে, মরৈসু খর য়েৎনরে । শাউবা যাদা শাউনবে । অদুদগী মখোয় অহুম চংদুনা মহাকপু হাংখ্রে ।

মপানা হিংলিঙৈদা মচানুপা নন্দকুমারবু ডাক্তর ওইবা পামখি । মপা-শিবা মতমদা মহাক টেন প্লস টু পাস তৌদুনা মপানা পামজখিবা ডাক্তরদা নন্দকুমারসু তম্নগে খল্লম্মী । মহাক মেদিকেল এন্ট্রান্স একজাম য়াউদুনা ডাক্তর তম্নগী লায়াবা ফংলে ।

নন্দকুমার অঙাং ওইরিঙৈদগী লাইবিক য়াম্না ফরকই । মাগী লাইবিক ফবা মতৌদুদা ওজা পুন্নমক্না মাবু নুংশি । মশাগী চহি ১১ অদুৱাইদগী জীম শান্নবা য়াম্না পাল্লকই । খর লৈরগা কেনেদী কৌবা ওজা অমগী মখাদা মখোয় মমান্নবা ৫/৬ কেরেৎ কবাটি তমদুনা লৈবকপদগী ব্লেক বেল্ট ফংখি । অসুম্না যাচংবা কান্দা কেরেৎ করাটি নৎত্রগা জীম শান্নহৌদ্রবদি মহাক মশাদা হৈনিংবা পোল্লমদে । নুংতিগী অসুম্না চাং নায়না মাগী মনিংগী চেক্লা পুমথা খাজিনবা ইংখোল লমহাং অদুদা প্রাকতিস তৌবদুনা মানা মাগী ওজাদগী লৌ হেন্না খংলকখী ।

নন্দকুমারনা য়োৎকী কাচি অমদা প্লাসতিক্কী থৌরি অমা কিরগা মাগী মথক্কী তুমফম কাদা লংখত্তুনা পলহল্লগা কাখৎ কুমথ হেক হেক শান্নে ।

(২)

মেদিকেল এন্ট্রান্স একজাম পাস তৌদুনা সেলেক্সন তৌরবশিংদি গোর্ভনমেন্টনা থাব থাব লমদা চৎনখ্রে । কনানা গৌহাটিদা, কনানা কটক্তা

কনানা কোলকত্তাদা থানবি ।। নন্দকুমারদি গৌহাটিদনি । অদুবু মাদি মশানা মশাবু সেলেক্সন ফংলবনি খংদবগুম লৈরি । মপা হাৎপা মীশিংগী ফোটো অহুমদা মতিন হন্ন হন্ন শিংচিন্দুনা অদুদগী খোঙপাক্লা শুরু শুরু নৈথত্তুনা তৌরি । মানা অসুম্না তৌরিঙৈদা মাগী মরুপ জয়কুমার লাক্লম্মী অদুগা হায়ররে - মী লোয়নমক চৎনখ্রে । অদুগা নংদি হৌজিকফাউবা থৌরাং অমত্তা তৌবা উদে । কদৌঙৈ চৎকে হায়বনো ?

নন্দকুমারনা জয়দা ওনশিল্লগা হায়রকই, ঐ হৌজিক করিমতা তল্লরোই । তল্লবসু ইপা হাৎপা মখোযশিং অসি হাৎলগা তমগনি ।

জয়না হায়, তৌগনু ইতাউ মদু খনগনু । ইপা হাৎপা মখোয়বু নহাক্লা লমন খুমগনি । অদুবু হৌজিক নহাক্লা য়াম্লা শাউরিঙৈ মতমদা মখোয় লিন্না লৈনুঙদা লৈবগুম মখোয লোৎকনি নংনা মখোয়বু হাৎননবা থিরি হায়বা মখোয় খংঙি । পুলিসনসু মখোয়বু ফাননবা হোৎনরি । অসুক পিকথ্রবা লম অসিদা মখোয কদায়দা লোৎকনি; কয়াম কুইনা লোৎকনি; লোৎফম লৈতে মখোয় নুমিৎ খরগী মনুংদা ফাগনি নংত্রগা পুলিসতা সরেন্দর তৌগনি ।

মখোয় অহুম্না হাৎপনিনা, অহুমসিগী মনুংদগী কনানা হাৎসি হৌদোকপগে খংননবা মখোযগী মথক্তা ইন্টোগেশন জাৎ জাৎ তৌগনি । অদুদগী হান্না হাৎপা পামজবা মী থোরক্কনি, অনি অদুসু ইনভোলভ তৌগনি । কোর্ট য়ৌরগা মখোয় রিমান্দ লৌথগনি । এফ, আই, আর ৩০২ নচিংবা এক্ট কয়া পানসিন্দুনা রিমান্দ মনুংদা ওৎকনি । অদুদগী মতম খরদি মখোয় বেল পিবা য়াবা য়াদবদা খন্নরনি । ফরে মখোয় বেলদা থোরক্লে হায়না খল্লসি । মদু ঙসি হয়েংগী য়া নত্তে । শাংথ্রবা মতম অমা চংগনি । চংদ্রবদা থা ৬মুক ওইবা য়ায় । মতম অসিগী মনুংদা নংনা মখোয় উনবা ফলোয় । হোয় উনরে হায়না খল্লসি । অয়ুক নুংথিন্দা মী অমনা মী অমা হাৎপা হায়বসি হেক ওইবা য়াবা নত্তে ।

মখোয় অহুম্না ইপাবু হোথ ব্লডতা হাৎপা ওইরম্বা য়ায় । অদুবু হৌজিক ঐখোয়না মখোয় হাৎপদি কোলদ ব্লদতা হাৎপা তাগদৌরিবনি । মতম

অদুদা মখোয়না ফংগদবা দন্দিদগী ফারবদি ঐখোয়দা পিবা দন্দিনা হেন্না লুমগনি। অদুনা থবক অসি হাথু হাথু তৌগুমসি। অহন্না নহাকপু ডাক্তর তম্নবা হায়রম্মী। মদু ঐখোয় কাউরোইদবনি। মানা পামজখিবা লম্বীদা ঐখোয় চৎপা তায়।

নংনা ডাক্তর তম্বা লোয়রকপগা মখোয়না ঐখোয় অহল হাৎপগী জেলগী মিয়াদ লোয়দুনা থোরকপগা মপা চান্নরনি। মতম অদুদা ইংনা তপ্না মখোয় অমমম মরক মরক্তা হাৎলগা লোয়রে। কনানসু উদনা খংদনা তৌসি ঐখোয় অমুক ফাবা পুনবা তৌহনগুমসি।

নন্দকুমারসু ডাক্তর তম্বা চৎপদা লেপ্লবনি। অদুনা জয়না ঙাংবা শকপদা করিমতা অয়েৎপা পিরমদ্রে।

নন্দনা হায়, মরুপ জয়, হয়েং অসি অরাপ্পা খুঙ্গংদা ওংবা ইনেদা 'ঐ মতম খর ডাক্তর তম্বা চৎলুগে' তাক্লুগদবা লৈ। হংজিত্তী ঐ শোয়দনা চৎখ্রগে। অয়ুক পুং ৮ দা মরুপ্না ঐবু এরোড্রোম ফাউবা থিন্দোকপিয়ু।

মথংগী নুমিত্তা ইম্ফাল সহড়দগী কিলোমিটর ১৫ রোম নোংচুপ পাংনা চৎলগা লৈবা চীংমৈখুন্দা নন্দকুমার থুংলম্মী।

মবুঙ লৈতবগী নুঙাযতবনে অদুগী মথক্তা ময়ানুপা নন্দকুমারবু মতম কুইনা উনরবোইদৌবে খন্দুনা মাগী মাম্মগা মনেগনা চাক চারা অমা চামিন্নবা শিল্লম্মী। চাক চাবা তোক্লগা খুঙ্গংগী সড়ক মতাইদা লৈবা লৈবুঙ অমগী মথক্তা হৌবা উজাউ অমগী মখাদা মহাক উতুপ অমা থারগা ফমথরম্মী। মহাক্লা চীংনা পুমকোয় কোয়শিনবা লমদম অদুগী ফজবশিং য়েংলি।

অসুম্না ফজবা দৃশ্যশিং য়েংলিঙৈদা লৈশাবী অমা এক্তিবা অমা তোংদুনা খুন্দগী থোরকপা উরম্মী। তাঞ্জা অদুদা মখারোমদগী কার অমা লাক্লগা মমায় লৈথোক্কুনা ষ্টার্ত মুত্তনা লৈরগা নুপা পাখং অনি গাড়ি অদুদগী কুমথরকখি। মখোয় অনিনা লৈশাবী অদুগী গাড়ি ফারগা, লৈশাবী অদুবু কারদা পুখৎনবা হোৎনরম্মী। লৈশাবী অদুনা 'কনা কনা লৈবগে, ঐবু

কনবিয়ু, ঐবু কনবিয়ু' লাউরকখি । মানা ফনা লাউজৈ হায়বদুঙায় কান্নদ্রে, মহাক গাড়ি মনুংদা ইর্নশিনখ্রে । গাড়িগী মিংশেল পুন্নমক থিংজিনগ্রে । মানা লাউজবগী খোঞ্জেল মপান থোরক্লে ।

লৈশাবী অদুগী মমিং লতাসনা কৌই । উরিপোক্তগীনি । মহাকসু মহাক্কা হেক পোকমিন্নবা মচে য়ায়সনাগীদা মরুপকী শেল থিনবা লাকপনি । মচেদা শেল পিরগা চমপ্রা অমা থুম মোরোক নমদুনা চানা চানা ব্বারি খর শারগা থেংখিদৌরে মতা গুম গাড়ি এক্তিবা থৌদুনা ইস্ফাল্লোমদা হল্লকপগী লম্বীদা থোকখিবনি ।

নন্দকুমারনা লৈশাবী অমা গাড়ি মচা অমা থৌরগা খুল্লোমদগী থোরকপা অদু য়েংলি । মখারোমদগী লাকপা কার অমনা লৈশাবীগী হেক মমাংদা মমায় লৈবদুসু উই । পাখং অনি বৃমথরক্তুনা লৈশাবী অদু ফারগা গাডিদা হাপকদৌবা মতৌ, লৈশাবী অদুনা 'ঐবু কনবিয়ু, ঐবু কনবিয়ু' হায়রকপদা মানা ফুক হৌগত্তুনা, মানা ফল্লিবা উতুপ অদুনা গাড়ি তম্না লংখিবদা কারগী মমাংগী মিংশেল ফাউদোক্তুনা ফ্রন্ট সিত্তা ফম্বা পাখং অমা ১সুং ড্রাইভরদা অকনবা শাফু পিখ্রে । ড্রাইভর্গী মখুৎ ষ্ট্যারিং পাযবা য়াদ্রে ।

গাড়ি থৌবা য়াদ্রবনিনা নন্দকুমারনা মখোয় পুন্নমকপু চিংথদুনা য়াম্না থিনা ফুবিরে । মখোয় খুউ তৎপা, খুবায তৎপা, মমায় মমিৎ ইপোম পোন্বসু য়াউরে । লম্বী মচা ওইবনিন্না অচৎ অওক থৎলে । খুলগী মীশিংসু থোক্লরক্লে । ব্বারি তারগা 'ফুশনু, ফুশনু' হায়নবক্লে ।

'নখোয়গী নরক্তা গাডি থৌবা হৈবা মী য়াউরিব্রা' নন্দকুমারনা হায়, 'নখোয় সিদা সুম লৈববদি ফুদনা শিবা তারে, গাডি থৌখ্রো, মতুংদা অসিগুম্বা থবক অসি অমুক তৌগনু ' ।

মখোয়গী মরক্তগী অমনা গাড়ি থৌখ্রে । গাড়িদগী চিংথহৌবা নুপী অদুনি লতাসনা হায়বিসে ।

মীনা অসুম্না লম্বীদা লাংনরিঙৈদা নন্দকুমারনা খুন্দা চংশিল্লগা মনেদা চৎলগে তাক্লম্লগা থোক্লক্লে ।

মী খরনা লতাসনাদা 'ইবেম্মা অশোকপা মফম য়াউব্রা, নংবু কদায়দগী নোনে' হংলকখি।

মানা খুমখি, ঐ উরিপোক্তগীনি, ইচেগীদা লাকপনি। করিসু অশোকপা লৈজদে।

নন্দকুমারনা লৈশাবী অদুদা হায়, নহাক উরিপোক্তগীনি হায়বা ? নংনা নংগী গাড়ি অদুম্মক থৌ অদুগা ঐসু ঐগী গাড়ি তোংলগা অদুম্মক চৎকে। চৎমিন্নসি। ঐগা চৎমিন্নবা ইকায়বরা ?

লতাদি ইকায়দুনা খুমখিদ্রে। অদুবু মাগী মোমোন নোকপা মীনোক অদুনা করি হায়রিবা। মীনোক অদুদা নন্দ তুমিন্না লৈথোকত্রে। লতাসনাবু থিনবিরে।

অসুম তৌনা মখোয় অনি তুংথ মাংথ গাড়ি থৌনরম্মী। লম্বী শাংনা থৌরবা তুংদা লতানা গাড়ি থৌনা থৌনা তুংলোমদা য়েংবদা নন্দকুমারগী ফিজোল শেৎপা মী অমত্তা উরমদে। গাড়ি লেপ্লগা য়েংগদবসু ইকায়বা পোক্লম্মী। য়াখল খব তৌনা তৌনা লাকপনা লতাসনাগী খোঙ্গান্দা কুমথরে।

লতাসনানা কুমথখিবা উনদা নন্দকুমারনা মরুম অমদা লৈরগা লতা তম্না য়েংলম্মী।

লতাগী খোঙ্গাল খংলবা অদুদা, হৌজিক মানা লতাসনাবু মশক খংলে। মহাক জর্জ সাহেবকী মচানুপী, মাগী মরুপ লোহিয়াগীনা মচন নুপীনি। মসি হেক খংবগা মানা অতোপ্পা লম্বী অমদা চৎখ্রে। লতাগী য়ুমগী মপা সড়ক অচৌবদা মহাক চৎত্রে।

নন্দনা খল্লি, ঐনা হৌজিক মঙোন্দা শক তাকপগী অর্থ করিনো, মথোক কারকপী লৈশাবী অমদা ঐনা হৌজিক নুংশি কায়হৌরুবগী মতম নত্তে।

লতানা ঙায়রি নন্দকুমার; মানা নন্দকুমারদা হংনিঙলি, করি মিং কৌবিবগে, করি লৈকায়দগী ওইরবনো ?

নুমিৎ তারে; অমমবা লাক্লে । অদুবু নন্দকুমারদি মশক অদুম্মক উদ্রি । লতানা নন্দকুমারবু খুল অদুগী মীনি খল্লি । নুমিৎ খরনি লৈরগা মরুপ ২/৩ গা লোয়ননা 'ঐনা মাবু খুল অদুদা থিগনি' খল্লম্মী ।

নোংম নোংমগী নুংশিবগী থাক অসুম অসুম হেনগৎলক্তুনা মাগী থম্মোয়দা ওৎলরে ।

অসুক নুংশিচাউবা, অসুক থৌনা লৈবা, মহাক মফম অদুদা লৈরমদ্রবদি ঐসে হিংচাবাশিং অদুগী মখুত্তা য়াইবী মাংলমগদবনি ।

(৩)

চীংমৈখুন্দা চাক চারুরগা মথংগী নুমিত্তা মহাক গুৱাহাটিদা ডাক্তর তম্বা চৎলম্মী ।

চহি ৬/৭ লৈরগা লৈরগা নন্দকুমারনা ইবা চিঠি অমা মাগী মরুপ জয়কুমারদা থারকই ।

To

Dear Joykumar

মরুপ, নংনা ঐঙোন্দা চিঠি কয়া থাবকখি । য়ুমদগীসু অদুমঙায় । চিঠিগী পাউখুমদি অমত্তা হনখিদে । মদুগী নখোয় ঐবু ৱারৌরমগনি খল্লি । ৱারৌবিগনু । ঐনা খুত্তা কলম পায়দুনা চিঠি ইগে হেক তৌবমক্তদা ইপাবু নিংশিংলক্তুনা অঙৌবা চেবাংথক্তা মিত্তগী পি হেক হেক তারক্তুনা চিঠি ইবদা অকায়বা পি । হৌজিক তঙায় ফদনা নহাক ১সুং ইমুঙ মনুঙদা মিত্তগী পিনা চোৎলবা চেদা চিঠি ইদবা যাদ্রে । সেমিষ্টর অনিদা মার্ক পুৎথবদগী শিংকৎনবা হোৎনবদা মতম খরসু মাংখ্রে । অদুবু হৌজিক্তি মার্ক ফুক্কত্তুনা ঐ পাস তৌরে । ঐহাক অরোৎপা মী অমা ওইনা মতম খর নংগীদা মখোয় অহুম হাৎনবা লৈগে । ঐহাক ডাক্তর তম্বা লোয়রে হায়বসি কনাদসু হায়দোকপিগনু । য়ুমগী ইমা, ইচন, মীশিংদসু খংহনগনু ইমা অদুগা ইচনবু মরুপ্না মতম খরদংগা য়েংশিনবিয়ু । নহাক্কী মনিংগী চেকপল অদু

খাবা লোয়শিনবিয়ু । ঐ তুমিন্না নুমিৎ খরনিগী মতুংদা নহাক্কীদা শুংলরনি । চিঠি অসি খাবা হেক লোইখবগা মৈ থাদোকপিয়ু । কাউবিগনু ।

নহাক্কী নন্দকুমার, গুৱাহাটি

নন্দকুমারনা চিঠি অমসু মচান্দা ইরকই ।

To

Bimola

ইবেম্মা নংনা চিঠি অসি ইমাদা পাদুনা খংহল্লু ।- ইমা, ঐনা ইমাবু অরাপ্পা মীরৈবাক্তগী খুবমজত্থি । ইমাগী অনা অয়েক য়াউরল্লোয় খল্লী । করিগুম্বা ইমানা কোক্তা চিকপদা ঐগী মরুপ জয়কুমারদা হায়বিয়ু । ইমা ঐ মীরম অসিদা মতম খর লৈখিবা তারি ।

ইবুঙগী ইবেম্মা, ঐখোয়গী যেক্লবা য়াম্মী । ইপাবু তমথিনা হাৎপিখ্রবা তুংদা, নং ঐদসু লৌ-ইংখোল মুন্নবা লাং থাক্লকপা য়াই । য়াম্না চেকশিন্না লৈয়ু । হরাউ কুম্মে য়াউগনু ।

অতৈ অতৈ অরুবা থবক লৈরবসু দাদা ভায়গা তান্নৌ । মা ঐখোয় পোকত্রিবৈঙদগী মীনায় ওইনা ঐখোয়দা লৈরক্লবনি । ঐখোয়বু য়াম্না নুংশির্বানি । ঐনা মঙোন্দা অবাপ্পদগী খুরম্লকই হায়য়ু । নংগী তামো জয়কুমারসু ঐখোয় ইমুঙবু খর য়েংশিনবিয়ু হায়খিবনি । ইচন্না ঐঙোন্দা হায়নিংবা পুম্নমক মরুপ জয়কুমারদা হায়য়ু । মানা নংগী ফনবা তৌগনি । ঐ পাস তৌরগা পুল্লোয় লোয়বগা থোরক্কে ।

নহাক্কী নবুঙ, নন্দকুমার

বিমোলানা মবুংগী চিঠি হেক ফংবগা ফজনা মরিক চুম্না অনি অহুম্লক পারম্মী ।

বিমোলানা জয়কুমারবু নুংশিজৈ । চিঠি অদুদা হায়রিবা 'ইচন্না ঐঙোন্দা হায়নিংবা পুম্নমক মরুপ জয়কুমারদা হায়য়ু' হায়বসি জয়কুমারদা

উৎনিংলম্মী। জযকুমাবনসু বিমোলাবু নুংশি। অদুবু নোংমতা মাগী নুংশিবা অদু ফোংদোকচবা ঙম্লমদে।

জযকুমাব যাম্না মমায শোনবা, ইকায থিবা মানি 'পোকমিন্নবা নচন গুম খনবিগদ্রা হাযবগা, ইবুং তিন্নশিল্লগা নংদি ঐবু তৌদোংনা ঙা লুম্বগুম লুম্লিবোইবে' হাযবক্কদ্রা হাযবসিগী জযকুমাবনা নোংমতা বিমোলাদা মমিৎনা কন্না যেংলুদ্রি।

অদুবু জযকুমাবদা থাবকপা নন্দকুমাবগী চিঠি অদনা জযকুমাবদা থৌনা অমা পিববে। বিমোলাদসু নুংশিবগী হনোং হাপকংলবে। মবুঙ তাক্কব তম্বা চৎখ্রিঙৈদগী বিমোলাগী যুমদা চংলকখাদ্রবনি। মবুঙ লৈতলগী খুদোংচাবা লৌদুনা মাবু কোমবা [illegible] নেখিনি খন্দুনা।

চিঠি ফংবগী মথংগী নুমিৎ [illegible] নন্দকুমাবগী যুমদা লাক্লম্মী। জযকুমাবনা [illegible] মতৌগুম ইমুংদা চংলল্লগা 'ইমা, ইমা, [illegible]' লাউবম্মী। কনাসু খুল্লকত্রবদা মানা 'বিমোলা, বিমোলা' হায়না [illegible] বৌবম্মী।

বিমোলানা মশক উদনা [illegible] দলালগী শিংডিদগী কুমাবল্লগা [illegible] ঐ লৈযে।

জযনা মথক্তা যেংখৎলগা হায, ঐবু [illegible]বিদ্রবা বিমোলা?

বিমোলা খংদে নহাক কনানো, ঐখোয তামো লৌবঙৈদা যাম্না তোযনা উখিবা, তামো লৈপ্রকান্দা নোংমতা কাব লৈগা হংলদ্রবা নহাকপু ঐনা কবম্না খংগনি?

জযনা নোকমি নোকাম তৌবগা হায, ও! অদগী ওইবে। নোংমতা নংনা ঐঙোন্দা কবেম কথানবা নংএগা কাগী তাবা ম্না অমত্তা ঙাংদবা অদুদা ঐদি নংসে গংকিদা বি। অদুনা [illegible] ইমাদি?

বিমোলা-ইমাদা কবি হার্যাবিগে হায়বনে।

জয়-ইমা উদবা কুইবে, খুবমগে তৌবনিদা।

বিমোলা ইমা থবক অমা চৎখ্রে। ইমা যাউদনা নং ঐগদং ঙাযহাক্তা লৈসি। তামো জয, ঐখোযগী তামোনা ঐঙোন্দা চিঠি অমা থাবকই, যেংগেবা?

জয-যেংগেনে।

বিমোলানা চিঠি অদু লৌথোকউবগা জযদা পিশিল্লি। জযনা চিঠি অদু পুক্লিং চংনা পালি।

হেক পাবা লোয়বগা বিমোলানা চিঠি অদু জযদগী লৌবগা চিঠিগী মাহৈ পবেং অমা জযদা উৎলগা পায, 'ইচন্না ঐগোন্দা হাযনিংবা পুন্নমক মরুপ জযকুমাবদা হাযযু'।

জযনা নোক্লগা হায, "নদি নহাক কাব পাম্মী

বিমোলা-ঐনা পাম্বসে, নংগা এগদং কোম্বাবৈ গার্দেন যেংবা। অওইবান তামো, বোম্বাইগী গার্দেন থাম্মা ফজে হাযনৈ, অমুক্তা চংমিন্নর্কাসবা।

জয ফবেনে অদুদি হযে, চংসিবা?

বিমোলা তামে [illegible], [illegible]। [illegible]গা [illegible]দুবাইনা চাক চাবগা চংসি।

[illegible] হযদা [illegible] ঘিরবা। নখোয তামোনাদি নংবু চিঠিদা মখাক [illegible]।

বিমোলা [illegible]দা এগা [illegible] শেন্নৌ হাযনি। অদুনা ঐ চথোক্কান, নংনা ঐ শেন্নণদবনি।

জয-মতম কুইনা উনাবক্তা [illegible]থনা শাত্তুনা লৈফবনা তনৌ তনৌবগী নহাকপু উবদা, অউনা [illegible] কনানা ভাতবোগদগে" ঐ নংবু শেন্নবা কিবেবো।

অসি হাযবগা লোযননা মখোয অনি বানি ভাযহাক শানববা তংদা বিমোলানা হায-কাউনু তামো হযেংকো।

জযনা খুম্মী, হোয, হযেং পুং ১ দা থোবক-ও।

(২)

লতাসনানা খল্লি,

মহাক কনায়নো, কদায়দা চৎখনো, লম অদুগী মচা ওইরমগদ্রা ওইরম্লবদি কৈ, ওইরমদবা থোক্লগা কমদৌবা, কদাযদা থিগদবা। মঙোন্দা পুকচেল চাউবা অমসু য়াউর্দবি। ঐগী ইখক্তা শাগী লিচৎ চৎকে হোৎনরক্লবা মখোয়বু খুনগী মীশিংনা হাৎপগ্রনি 'নখোয় থুনা চৎহৌরো, নখোয়গী নরক্তা গাড়ি থৌবা হৈবা অংতাঙ্গা মী য়াউরিব্রা' হায়রগা খাদোকপিখি। মখোয় অদু ইচম চম্না থাদোকপিখি। অদুবু মখোয় ঐঙোন্দা অদুম্না অমুক তৌরক্লবদি মাগুম্না ঐবু অমুক কনবিবা লৈগদ্রা? মহাক খিন্দবা য়াদে। মানা ঐঙোন্দা তৌবিখিবা অদু ওত্থোক্রো মমল য়ামদ্রে।

অসুম্না নিংঙমদবগী মওল মওল খল্লবা তুংদা মমাল্লবী ২/৩ গা পাখং মশা ফবা ওগা লোয়নননা জীপ অমা তোংলগা চীংমৈ খুনগী কাচিন কোয়া, লৈরক খুল্লক চং চংদুনা লম্বী সড়ক লমংবদা লুমিং. ১০গী মমাংদা নুপী ফাবগী থৌদোক উহৌবা যাউদ্রা হংলম্মী।

মী খর মদু উহৌবা য়াউরি হায়রকখি, "ফুরিৎ পোঙগ্রাউ অহৌবা তাই অরাংবা পুনবা নিপা অদু কনায়নো" লতাসনানা হংলি।

হংজে হায়বদুঙায় কাল্লদ্রে। মখোয় কনা অমত্তা মাবু মশক খংলমদ্রে।

মখোয় খুন্দগী নত্তে। অতৈ অতৈ থংনবা খুন্দগীসু নত্তে হায়রকখি।

লতাসনা ১সুং মাগী কাংবু নিংবা ফায়না হল্লকখি। মহাক কাউগে ঙমদে। নিংশিংদুনতা অদুম লৈবি। লোংমদি উগান খল্লি।

লতাসনাসু নুপাদগী ঙাকথোকচনবা পাম্বে থিব্রে। কেরেৎ-করাতি তমদ্রে। মহাক হায় স্কুল লিভিং সার্টিফিকেৎকী ফল হায়দোকপদসু ফার্স্ট ডিভিজনদা পাস তৌরক্রে।

(৫)

কেরেৎ করাত্তি ১সুং জীম হৈবতনা মীয়াম অমা ব্লারকপা গুল্লোয় খন্দুনা নন্দকুমারনা রিভোলুবব অমা লৈশিল্লগা কাপ্পা তল্লকখি । নোংমৈ মরু চংদবা ফুরিং খোংগ্রাউ লৈশিল্লি । ব্লাগুনা চোংখৎপা য়াবা ১সুং চেন চোংবদা নুঙায়বা, পায়বগুম তৌনা য়াংবা খোঙ্গুপ অমসু লৈরম্মী ।

হয়েংদি নন্দকুমার গৌহাটি থাদোক্লগনি । নহানমখৈদি মানা ইম্ফাল হেক য়ৌরগা মাগী মপা লালগোপাল হাংপা মীশিং মথং মথং হাংকে অদুগা মহাক পুলিসতা সুরেন্দর তৌগে । খল্লম্বনি । অদুবু হৌজিক্তি মঙোন্দা অনৌবা ব্রাখল অমা লাক্লে ।

"মনিপুর মচাশিংনা ড্রগ চারিবা, য়ু থকুনা নুপী অঙাংদা নত্তবা লিচং চংজিবশিং অসি শেংদোকপা অদুগা লোয়ননা ইপা হাংপা মখোয়শিং মথং মথং হাংকে । ঐনা মখোয় হাংলগা তোকপা তৌররোয় । পুলিসতা সুরেন্দর তৌররোয় । সমাজগী য়েক্লবা মহিকশিং ঐনা গুল্লিমখৈ মুৎথংলমগে পুলিসনা ফারগা ফাবা, হাংলগা হাংচক্লেদনা খরদি নুপা মচানি তৌরমদবা য়াদে" খনখ্রে ।

(৬)

মথং' নুমিংকী নুংথিন্দা নন্দকুমার মনিপুরদা থুংলরে ।

অয়ুক নুংথিন্দা নন্দকুমারগী মশক উংপা য়াদবদগী মশম ১সুং কোই হাপ্তুনা চঙাঙ্গে এরোড্রোমদা, কনাদসু কনাদসু পাউ পিরক্তনা, মরুপ জয়কুমারদা ফাউবা ওকপা লাকউ হায়দনা থুংলরে ।

এরোড্রোমদগী টেক্সি অমা ব্রায়দুনা নোংমাইজিং চীংগী চীংখোংদা হৌবা উজাউ অমগী মরুমদা নুমিদাং পুং ৮/৯ তাবা ঙায়না ঙায়না তৌগদবা থবক্তী ব্রাখল তৌরম্মী ।

নুমিদাং পুং ৮/৯ গী অদুবায়দা ঔটো রিক্স অমা তোংলগা মাগী মরুপ জয়কুমারগী য়ুমদা নুমিদাং পুং ১০ দা চংলম্মী ।

জয়কুমার মথন্ত পোকই । পাখংনি । জয়কুমারগা নন্দকুমারগা য়াম্না লুনা তিন্নে । মহাক বি, এ, এল, এল, বি লোয়রে মমা মপা হিংলি । মখোয় অহ্নমদা চায় । ইংখোল অদু চেকপন্না নন্দকুমারগী য়ুমগুম খাজিল্লি। য়ুম অদু চেক্কী মখোল অহুম্নি ।

(৭)

মথংগী নুমিত্তা,

সড়ক অচৌবগী মপান্দা লৈবা জয়কুমারগী য়ুমগী দোলান মতোন্দগী নন্দকুমারনা বাইনোকুলার অমগী মতেংনা অনকপা অরাপ্পা মফমগী সড়কশিংদা মী চথোক চংশিন তৌবা য়েংলি । অশুম্না য়েংলিঙৈদা মানা ইতোচাউববু উরম্মী । মানা মমিৎ লাউথোক্কুনা ইতোচাউববু কুইনা য়েংলম্মী । ইতোচাউবা অশেংব্রা শেংদব্রা য়েংবদা মিনিট মখায় অমা চংখি । অশেংবা ইতোচাউবনি । ইতোচাউবা মিয়াদ শুদুনা জেন্দগী থোরক্লে । মানা খল্লম্মী, মখোয়না মিয়াদ শুদুনা থোরকপগা ঐনা ডাক্তব তম্বা লোয়রকপগা মতম চানবে । মসিদি য়াম্না ফবা ৎবক্কি । মহাক ইতোচাউববু খুদক অদুদা হাৎনিংলম্মী । অবাবা নুংঙাযতবগী শ্বর মপি শাংনা হোল্লগা বাইনোকুলাব থম্লম্মী; অদুগা খল্লকই, ইম্ফালগী মী কুংবা মফমদা মখোয়শিং অসি হাৎপা লুগনি । মখোয়গী খুঙ্গংদা চৎলগা হাৎলুবনা ফগনি ।

নুমিৎ তাখ্রে । নুমিদাংগী মতম ওইরক্লে, পুং ৭/৮ তাখ্রে, মী অমা লাকএ অমগী পাঙ্গল, তবা লাকএ ১০গী পাঙ্গল কনবা নন্দকুমারনা মতম অসিদা নোংমৈ চংদবা ফি বোল শেৎচিল্লে, খোঙুপ উপশিল্লে, বিভোলবর যেপশিল্লে । অম্বা তুপী অমা উপশিল্লে অদুগা অমুবা মাস্ক অমা চিন্দা খুল্লগা ফুবিত্তা কলম মানবা তোর্চ লাইট অমা থেৎচিল্লগা হেন্দ গ্লোব খ্বাংদা য়েপ্লগা মপান থোকখ্রে ।

অনকপদা লৈবা ভেন্দর অমদা মহাক্লা চংখিবদা ফান অনেম্বা ৪/৫ দা মখোয় ৪/৫ ফম্লদনা, অচাপোৎ পুখম অমদা হাপ্লগা চামচ অমমম খুত্তা পায়নরদুনা য়ু রাউন্দ অমমম চিংনরম্মী । হেক চিংবগা মখোয়না

চামচনা অচাপোৎ কোৎখৎলগা মাগী মাগী ময়াদা হুকচিনখি । মখোয়শিং অদুগী মরক্তা নন্দকুমারনা খৎবা মীসু য়াউরি । মঙোন্দদি মীচৎ মীখায় লৈতে ।

থোঙ মপান্দা লেপ্লম্বদগী নন্দনা ইমুঙদা চংলক্লগা অচাপোৎ অদুদা মখোঙ নামনা নেৎশিল্লে । "মসি ইচিন-ইনাউশা হুনি, হুনি খংন খংন থক্লবদি চৈ চাবা তায় ।" অসি হায়রগা মখোয় খুদিংগী ময়াংলেন্দা খুৎকী অচৌবা শাফু অমমম পিখ্রে ।

নন্দকুমারগী ফিবম মানবা অদু কনানো, মখোয়শিং অদুনা খন্নহৌই ।

ইমুঙদা চংশিল্লক্লগা মতে মনাউ য়ু য়োনবা অনি চৈনা ৩/৪ রক, ৩/৪ রক কনবিখ্রে । যুসু লোগনা হৈদোকখ্রে । অদুগা মখোয়দা মতুংদা অমুক যোনগনু । মতুং ঐনা লাকপদা থেংনরবদি নথরায় মাংগনি' হায়রম্লগা মহাক থুনা য়াংনা চৎখ্রে, কুমাবনা অসুম্না মতম খর উবিপোক্তা, শগোলবন্দা, তেরানচিংবা মফমদা নৈরম্লগা কোন্দুম, ইতোচাউবা ১সুং চাউথোইনা লৈবা খুনশিংদা নুমিদাং চৎপা হৌরম্মী । মহৌশানা পুলিসনা লম্বী মচাদা পেট্রোলিং চত্তে । মদুগী খুদোংচাবা লৌরগা খুঙ্গংগী নহারোনশিংনা য়ু থক্লগা লাউবা খোংব, ফুন-চৈনবা য়াম্না তৌই । খুল অদুগী মমা মপা ওইবশিং, মচে মচন ওইবশিংনা নুমিদাং ওইরক্লনি খল্লুবদা অকিবা পোক্লম্মী । নুমিদাং খুদিংদা য়ু থক্লগা মচিন মনাউ ফুনৈ, মপা মচা ফুনৈ, করম্না নুমিদাংদা ফুনদবা, মচানা মপা হাৎপা অসুম অসুম তোয়শিল্লকই । নুপীশিংদা নত্তবা লিচৎ চৎলি । অসিগুম্বা তাহৈদবা ময়াম অমনা কোক চিক্লরে । পুন্নমক অসি তারগা মানা লম অদুগী য়ু থকপা মীশিংদা ওহোক্লা শাথিনা ফুবিখ্রে, মদুদি মতুংদা মহাক অদু য়ু অমুক থকত্রে । য়ু যোনবসু মানা থেংনবদুমা ফুবিবদা মতুংদা য়ু অমুক য়োন্দে হায়নৈ । মখোঙ শোকপা, যামাং ভেকপা, কয়া মানা চংবা চংবা মফমদা লৈহৌরি । অসুম্না খুল অমদা নুমিৎ ২/৩ নৈরম্লগা অতোপ্পা খুল অমদা অমুক চৎখি ।

পাখং খরনা থংনবা খুলগী রারি তৌনৈ । খর অহল ওইবা অমনা হায়, য়ু থকপা, য়ু য়োনবা, ড্রগ চাবা, ড্রগ য়োনবা, সড়ক্তা ঙাউশিন্নবা

য়াম্না শাথি শাথিনা তোহ্ হায়রি । ময়াম্না মাবু নাইট ষ্টোম কৌহ্ হায় । মী ৭/৮ গসিদি মানা ইরায় লায়না ফুমাল্লে । মথরাং তেকপা য়াম্না য়াউনরে । জেনিয়সকী অদুগা রিমসকী ওঁথোপেথি ডাক্তরশিংদি হ্নদকী মতাংসিদা শেল য়াম্না অল্লে হায়না তায় । ঐখোয় হ্নদক ময়ক য়ু থক্লিংলবসু অয়ুক নুংথিল্দা থকসি, নুমিদাংদা থক্কুমসি । মার শায়বসু নুমিদাংদা শাঙ্গুমসি । য়ুগ চাবা ইনাওশা নাইট ষ্টোম থোংনরবদি শিবা তাবনি, চেকশিল্লৌ ।

কনা অমত্তনা মা লপ্পীদা চংপা উদে । মহাক পায়রকপনি, মহাক তৌওম্বা ভুংনি । মপাঙ্গন য়াম্না কনবা তমথিরবা ভুংনি । মহাক কনা শিথিবদগী ওল্লকপনো খংনম্রি হায়নে ।

(৮)

ঐখোয় মাগা মানগে থনগুমসি । নুমিৎ লৈরিঙৈদা মহাক থোক্কে । নং নংনা তৌগদবা থবক নুমিৎ লৈরিঙৈদা মমত্রিঙৈদা থবক তৌজহৌ । নখোয় হেন্না তোংবা, মীনা ঙাংলিঙৈদা নঙক লৈথোক্লগা তাবা, মী উশিত্তবগী মওং তৌগনু । মতম থরদি লেম্মু । লেম্ম ঙমম্রগা অয়ুক নুংথিল্দা চাবা থকপদু তৌ ।

করিগুম্বা নংনা মহাক উননিংলবদি নুমিদাং থর থংন থংননা য়ু থকউ । মহাক শোয়দনা উগনি । অদুবু নহাক সুপতেক নাতেক থপ্পীরমগনি । মসিদি শোয়ত্রবনি ।

নুপা অমনা হায়, নাইট ষ্টোম হায়বসি অশেংবা ভুট ওইরিত্রা, নংত্রগা কনাগুম্বা মপাঙ্গল কনবা নুপা অমনা শাবা জাংলা, ঐখোয় অমুক্তং থাং, তা, লোং পায়দুনা য়েংশিরা ?

বা অদু তাবদা পাখং খয়না 'য়েংসি' 'য়েংসি' হায়নরক্লে । পাখং অমনা হায়, খুরা কোন্দুমদো অঙাং ওইরিঙৈদা ভুট ফায় হায়না মীনা হায়নে । থকপা চাবসু য়াম্না পামজখনি । অহল ওইজরবসু মপাঙ্গল হন্ত্রি । মীহাংপা চেন্নবদগী মহাক জেন্দা লৈরক্লে । থাদোক্লখনি । মাসু য়াউহনসি । খয়না 'য়াউহনসি য়াউহনসি' য়ানরে । অদুদি ঙসি নুমিদাংদগী ঐখোয়

নুমিৎ ২/৩ দং লেপতনা থাং, তা, লোং পায়রগা থকপা চাবা হৌরসি। চেন্নগুমসি ভুট ওইরে হাংপা, মী ওইরে লাক্লসি'।

নুমিৎ অদুগী নুমিদাংদা মখোয়না ব্রাপল অমগী মরুমদা থক চাদুনা তৌরিঙেদা নন্দকুমার ফোঙ ফাউরক্লে। মখোয়না মাবু খঙউ উই। মখাদা থম্বা থাং, তা, লোং পায়খৎপা নংহৌদ্রে। অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ অমা ইখং খংহৌদনা শিংলক্লগা উ-ব্রা, য়ুম-কৈ থুদেক্লম্বগুম নন্দকুমারনা মিকুপ খরগী মনুংদা মখোয়শিং অদুগী মথবাক্তা কাউবিখ্রে। নুপা অহল অমা নত্তনা অতে পুম্নমক মথবাক পায় পায়দুনা চেন্নখ্রে। চেন্ন চেন্ন লম্বীদা ঈ ওবসু য়াউখ্রে।

চেন্দবা অহল অদু অতে কনাসু নত্তে। মহাক নন্দকুমারগী মপা হাংপা তিনকী লাইকীদবা কোন্দুম কৌবা নুপা অদুনি।

অহল অদুনা নন্দকুমারদা হায়, অঙাংশিংদা নংনা থপ তৌদুনা ফু-চৈবা ঙল্লবদু ঐঙোন্দদি উশিত্তবা তৌগনু। ঐ অহল ওইরে; অদুবু হৌজিকসু ঈ হন্দ্রিবা জাৎনি। ঐখোয়সু নহা ওইরিঙেদা মীগা উশিৎপা জাৎ নত্তে; মী হাংলক্লিবনি। কোন্দুমগী মিং তাদ্রিব্রা, ঐনি। মহাজন লালগোপাল হাংলুবগী জেন্দা কুইনা লৈরুরগা ঙরাং নহানতা থাদোরকপনি' অসি হায়বগা লোয়ননা ফুরিৎ খুদাং তাখত্তুনা নন্দকুমারদা চোংশিন্নবা হোৎনরকখি।

নন্দকুমারনা অহল অদুবু কোন্দুম ওইনা উরুদে। মানা কোন্দুম্নি হায়না শক তাকচরকপা অদুদা ঙক্লম্মী অদুগা হায়, 'কোন্দুম হায়বা, ঐনা নংবু ব্রানা থিনগদ্রা খনবনি। অদুবু নংদি অশিবগী থোঙ্গান্দা লেপলম্লে'। অসি হায়রগা নন্দকুমারনা মখোঙ অনি চংনা কোন্দুমগী থবাক্তা কাউরে। নুঙ মোন ৫০ লুম্বা অমনা লব্রায়দা তারকপদু মঙায়। কোন্দুমগী থবাক্তা কাউরকপদা মনিংদা হৌবা শনৈবী ব্রাগী অককপা মশাশিংদা পন্দুনা লৈবাক্তা মহাক্কী মশা তারকত্রে। মখোঙ লৈবাক তাদ্রে। মথবাক্তা শনৈবী মশা অককপা অনি তুংদগী ফাউদোরক্তুনা লৈবা উরে।

কোন্দুম্মা 'ঐ শিরে' হায়না লৈজবী থাক্তা লাউগে তৌবদা খুলৈ থুনা নন্দকুমারনা মাগী মচিন মেনখ্রে । নন্দকুমারনা কোন্দুমদা হায়, নহাক হোস্পিটাল্দা পুদুনা লায়েংগে, নং ঐবুদি মশক খংব্রা ?

কোন্দুম-খংদে, নহাক কনানো ?

নন্দ- নংনা হৌজিক চাউথোক্লা হায়খিবদায়, নহাক লালগোপাল হাংপনি হায়না । ঐ মহাক্কী মচা নন্দকুমার হায়বদুনি । কোন্দুম ব্রা ঙাংলকখিদ্রে । মহাক চৈনাখোল কন্না খাংলি । নন্দকুমারনা কোন্দুম শিবা ঙায়নিংদ্রে । লাউ-খোংবা ১সুং মাগী মশক তাকপা ঙমদনবা ময়াদা নুঙ অমা হাপচিনবিখ্রে মখুৎ অনি ব্রাশা অককপদা লেংশিনবিরম্লগা মহাক চংখ্রে ।

(৯)

'ঐনা নুংশিরিবসে কনানো, কদায়দৈনো, পাখংলা, নুপী অঙাং লৈরব্রা, ইতিক ইপা চানদব্রা করিমতা খংদনা ঐনা মাবু নুংশিরি, অমুক্তা উনহনবিয়ু' হায়দনা চহি ৬ নিংলক্লবা লতাসনাদো নোংমা কাইনা চীংদা কাইনা খুরম্বা মমান্নবা ৩/৪ গা কার তোংদুনা চৎলম্মী ।

লাই খুরম্লুরগা মখোঙনা থোরকপদা নুপা ওক্তবা ৪/৫ না মখোয়গী মখ্বাংশিংদা কোন্দুনা মখোয়গী গাডিদা হাপকৎনবা হোৎনরম্মী । মতম অদুদা লতাসনানা তুমিন্না লৈথোকপা য়াদ্রে খন্দুনা কেবেত তৌদুনা মখোয নুপাশিংগা ফুনরম্মী । নুপীশিং লোয়নমক কেরেত হৈতবনিনা নুপা অনিনা নুপী অনি গাডিদা হাপকৎলগা থৌগে তৌবদা গনপ্রুব লিৎপা, মাক্স উপ্পা নুপা অমা ইখং খংহৌদনা থোরক্লম্মী । মানা গাড়িদগী নুপী অনিমক চিংথোক্লম্মী । অদুগা নুপা অনিদুদা কিন্না হঞ্জিন হঞ্জিন থিলম্মী । মরায়বক থিরবা নুপা অনিদুগী য়ামাং অনি/অনি তেকখি মখ্বাং তেকখি । তুংদা লতাসনাবু ফাগনি তৌবা মখোয় অনিসু মমাংদা থত্তুনা মখু থুদেকখি, মমিৎ পোমখি । চিকপনা ফর ফর ওনখি ।

মীফত্তবা নুপা ২দুনা মীফত্তবা ২ হুন্দোক্লল্লগা গাড়ি থৌগ্রে ।

মাইখুম উপ্লা নুপা অদুনা মাগী মথৌ তৌগদবা লোয়রে খন্দুনা চৎকে তৌবদা লতাসনানা মাগী খুদাং পায়রগা হংলকখি-নহাক কনানো, ঐবু নুংশিবিদুনা নহাক্কী নশক অমুক্তা তাকপিয়ু । ঙসিদগী চহি খরগী মমাংদসু নংনা ঐগী থব্বায় কনবিখি । নুমিৎ অদুদগী ঐ নহাক্কী খোঙ্গুল লিজরি । নহাক্না ঐগী থব্বায় কনবিখ্রগা, ঐ তুমিন্না লৈথোক্লমগনি খনবিব্রা ? ঐসু থম্মোয় পাল্লি । ঐগী থব্বায় কনবিখিবা নুপা অদুদা ঐ অসি কৎথোকচগ্রে । অদুবু ঐনা ঐগী ঈশ্বর ওইনা লাৎচরিবা ইবুঙো মানা খংবিরল্লোয়দ্রা খল্লুবদা মতম চুপ্লা চহি কয়া অসি লাংতক্লদুনা লাক্লি ।

'ঐসু নহাকপু শক খঙজে । নহাক ঐগী মরুপ লোহিয়াগী মচান্নি' নুপা অদুনা খুন্নকখি, 'অদুবু নংনা ঐবু নুংশিবিদুনা উননিংলবদি, লাঙ্গোল চীংগী সনাখোংনাঙ মখোঙদা হয়েং নুংথিল পুং ৩ দা উনসি । হৌজিক ব্বারি শাবা মতম লৈত্রে । খুনগী মীশিং থোরক্লে ঐ চৎলগে ।

অসি হায়রল্লগা নন্দকুমার চৎগ্রে ।

(১০)

কাইনা চীংদা লাই খুরম্লুরগা ময়ুমদা মখোয় থব্বায় নুংঙায়তনা হল্লকমিল্লরম্মী । নুপী লৈশাবী অনিদি মখোঙ মখুৎসু ইতৎ তৎলে । মমা অতোম্বীনা য়োকপসু য়াউরি । মমা অতোম্বীগী মমাংদা করম্না শক উৎকদগে ব্বাজরি । নুপা পাখংশিংবু শাপ পংতৌদা তৌগ্রে । নুপা হায়বা জাৎসে নুপী ঐখোয়বু করিমতা উশিৎপিদে ।

লৈশাবী অতৈনা থব্বায় নুঙায়ত্রবসু লতাসনাদদি ঙসি হায়বা নুমিৎসিদা কাইনা চীংদা লাই খুরম্লুবনা অচৌবা মাই পাকপা ওই খঞ্জরম্মী । হয়েংদি ঐনা নহানমখৈ নিংজরিবা ঈশ্বর অদুগা ব্বারি শানবা ফংলনি । হয়েং অদু কৈদৌঙৈনো, হয়েং অদু কয়াম ব্বাৎলিবগে ? ঈশ্বর ইবুংঙো অহিং ওইবিরো, অদুদগী নোঙানবিরো, অদুদগী নুংথিল পুং ৩ তাহনবিরো ।

অসি খন্দুনা লতাসনানা মথংগী নুমিৎ য়াম্না থুনা লাকপা পাল্লী ।

লাঙ্গোল চীংগী খোংনাঙখোংদা উনসি হায়বদো ঙসিনি । লতাসনানা খোংনাঙখোং অদুগী মনাক্তা য়াম্না লাংতক্লনা পাখং মাবু ঙায়জরি ।

লতাসনানা লৈরিবা মফম অদুদগী মিটর ১০০ রোম লাপ্না জয়কুমারগা নন্দকুমারগসু লতাসনাবু ঙায়রি । মখোয়না লতাসনা লাকপা উই ।

লতাসনানা লাকপা উবদগী জয়কুমারগা নন্দকুমারগা ঋরি খর শানরবা তুংদ নন্দকুমারগী মাইখুম অদু জয়কুমারদা উপহল্লগা, নন্দকুমারনা উ অমগী মরুমদা লৈহৌরগা, লতাসনাগী মনাক্তা চংহনখ্রে ।

মতম অদুদা লতাসনাদি, চীংমৈগী লম্বীদা উখিবা, অদুগা কাইনা চীংদা কনবিখিবা, মানা নিংজরিবা ঈশ্বর অদুমক্কি খঞ্জদুনা মশা অদু হৢরাউবনা মথুম মরাং হৌরম্মী ।

লতাসনানা মাবু উবমক্তদা হায়রকখি, অচিকপা মফম অসিদসু শক লোৎপিখিগদ্রা ? মাইখুম অদু হাংদোকপা করি কায়বগে ?

ঋা অদু তাবদা মাইখুম উপ্পা নিপাদুনা হায়, মাইখুম উপ্ন উপ্না নংগা ঐগা হায়নগদবা ঋা অদু হায়নসি কদৌবগে ?

লতাসনানা হায, নহাক ঐবু কিবিব্রা, ঐ কিবিরবদি পাংদবা অশোনবা মী ওইফম থোকই । ঐনা থেংনখিবা মী অদুদি খৌনা ফৈ, মশাদা অকি অখং লৈতে । ঐনা হায়জরী; মাইখুম অদু হাংদোকপিয়ু । শক অমুক্ত উজগে । শক অদু ঐনা নিংজীরবা ঈশ্বর অদুরা হায়না । করিগুম্বা ঐনা নিংজরিবা ঈশ্বর অদু ওইরবদি ঐ নংগী খুয়াদা কোক নোন্ন খুরমজরগা বড় অমত্তা নিজগে।

লতানা খল্লি, চহি ৬/৭কী মমাংদা চীংমৈগী লম্বীদা উখিবা শকফম কাউদ্রি । খোঞ্জেনসু নিংশিংলি । মদুগী খোঞ্জেল অদুগা কাইনা চীংগী লম্বীদা তাবা খোঞ্জেল অদুগা অমত্তনি । মশক উদ্রবসু খোঞ্জেন্দি মী অমত্তদগী থোরকপনি ।

ঐগী ইমিনা ঐগী ইতুং কুইন ইন্নবগুম চীংঅগী লম্বীদা ঐবু ফাগে তৌবা মীশিং অদুমক্তা কাইনা চীংদা অমুকসু থোক্লরে । অদুগা চীংমৈদা ঐবু কনবিখিবা মী অদুমক্তা কাইনা চীংদসু ঐবু কনবিরবি । তশেংবমক মহাক ঐবু ঙাকপি শেনবিবা মী অমনি ।

ঐনা নুপা অদুদা তৌবিমল উৎনবা 'নহাক কনানো' হংজবদা 'লাঙ্গোল চীংগী খোংনাংখোঙদা ২যেং নুংথিল পুং ৩ দা উনসি' হায়বদুদা কনাগুম্বা পাখং অমনা তাক্লৌদুনা ঐখোন্দা লৌনম তৌবা লাক্লিব্রা ? খোঞ্জেল মান্নদবা, শঙ্গ শদা খেন্নবা শাসিনদি, নিপা অসি মীতোপনি । ঐনা নিংজবিবসি নত্তে ।

অদুদগী লতানা নুং[illegible] মাখেম উপ্লদুদা হায়, মীবোৎ, নংগা ঐগা ব্রাবি শান্নানংদে ।

[illegible] তৌবন্সী

[illegible] বোবমী । নন্দকুমারনা [illegible]

[illegible] তাসনা ৬। খো । [illegible]

নুপা [illegible]

নন্দকুমারন [illegible]

লতানা [illegible]

নন্দকুমারন হায়, [illegible] শিদদ [illegible] অমা [illegible] মশক খংইদা । চহি খবগী মমাংদা লম্বীদা থেংনখিবা অদুদগী অদুম কাউওমদনা লৈবি ।

লতানা, ইবুঙো মহ্লাক অদুগা অমুক্তা উনহনবিয়ু হায়না ঙরাংসু কাইনা চীংদা লাই খুরমজরম্বনি ।

অসুম তৌনা লতাসনাগা নন্দকুমারগা ৱারি কয়া শান্নরবা তুংদা, নন্দকুমারনা খোল তপ্লপ্লা হায়, ঐনা তৌগদবা থবক খর ৱাংলি । থবকশিং অসি লোয়দনা ঐ নহাক্কা তোয়না উনবা য়াদ্রি ।

লতাসনানা কপ্লিংনা শাউনিংনা হায়, নংগী নুংশি ৱাখল্দা থম্মোয় অসি লাংতক্লরে। অসি হায়বগী ঐবু ইকায় খংদবীনি হায়বিনু ।

নন্দ-হৌজিক হৌজিক ঐ য়ুমদা লৈতে । নংনা ঐবু কনাদসু তাকপিগনু, ঐ উই হায়না । য়ুমদা খংহনবগী মতম য়ৌদ্রি । অসিগুম্বা মতম অসিদা নহাক্না ঐগীদমক লেপ্লি তাবদা য়েক্লবা কয়ানা নংবু কোয়শিল্লক্কনি । য়েক্লবা পুম্নমক মাংহল্লবা তুংদা ঐনা নংবু ইমাগী মমৌ ওইনা পুশিন্নিংবনি। নহাক্না ঐবু থম্মোয় শেংনা নুংশিবিরবদি মতম খজিক্তং ঙায়বিয়ু । থম্মোয় শোম্থগনু, নুংশি ৱাখল তৌবিনু, মীগী মতেং পাংবা, মীবু নুংশিবা ওইয়ু । থৌনা লৈবী ইমা ইবেন কয়াগী ৱারি নিংশিংঙু । নংনা ঐবু নুংশিদুনা, ঐগীদমক ফনবা নিংবিদুনা, নং ঐগী কুন্দো পরেংগী নুমিৎ ঙায়বিরবদি, ঐঙোন্দা থাং, তেন, নোংমৈ অমত্তা চংলোয় । ইপা হাৎপগী থম্মোয়দা চাক্লিবা মৈ অসে অমুক্তা মুৎথৎখিগে ।

মীনুংশি লৈতবা মীওই অহুম্না ঐগী ইপা হাৎপিখি । মখোয় অহুম অদু ঐনা হাৎকনি । মখোয় হাৎত্রিমখৈ ঐগী পুক্লিং লৈতাররোয় । ঐনা হায়জবা পুম্বা য়াবিয়ু । নং কনাদসু হায়দোক্কনু ।

চৎলো থেংলে নহাক, ঐখোয়সু হল্লগে ।

(১১)

হন্দক মরক অসি লমজাউ সড়ক্তা পাখংনা লৈশাবী পুবা উদ্রে । দ্রগ চাবা অঙাংশিং লম্বীদা উদ্রে; সড়ক্কী মতাইদা তাদ্রে । য়ু থকপা চহি ১৪

দগী চহি ৬০ ফাওবগী অঙাং-অহল চৈ চাবা, কিন্না থিল্লকপা, খুপাক চাবা, খোঙপাক্লা কাউরকপা কয়া য়াউরে, অদুগা শান্নবা চহি ৪০দগী ৬০ ফাউবগী নুপা খব চে শায়রগা য়োৎহল্লি। শায়বা ব্রাবা প্লাষ্টিক কোতেৎ কার্ড য়োৎপা ঙমদদুদা শাফু কন্ন কন্না ফুবিরকপ্রে ।

ইমা ইবেনশিং লুদো শান্নবদা ছোকা, একা হায়না লাউদ্রে, নোকত্রে । ইমা ইবেনশিংনা মৈরা পায়দুনা মপান থোকপা তোকপ্রে ।

অহনশিংনা মচাশিংদা ব্রারকপা য়ারমদবা য়ারক্লে । অহনশিংনা অঙাংশিংদা অসুম্নসু হায়জিনবী, অঙাং লাইরিক পাদবা ফুরক্কনি হায়না ঙাংনরি । ব্রা অদু তাবদা অঙাংশিং লাইরিক পাউ য়ারমদবা পারে । পাউখোল হায়বদা য়ারমদবা য়ারে ।

য়ু থকপশিংনা য়ু থক্লিংলবসু অয়ুক নুংথিল্দা থকত্রে । থবক তৌবগী চাং কায়রে । ইকায়বা খংবা মীশিংদি নিশা পুম্নমক, ফত্তবা পুম্নমক থাদোক্লরে । অয়ুক থক্লবসু লাংদ্রে । নুমিদাংসু লাউ খোংবা তৌদ্রে ।

নাইট ষ্টোম্না র্কফিউ তৌবগা চপ মান্নখ্রে । খুলগী ইমা ইবেনশিং, লৈশাবীশিং, থকপা চাবা পামজদবশিং হরাউবনা মথুম মরাং হৌরে ।

অসিগুম্বা মতম অসিদা চাউথোইগা ইতোচাগা নোংমা কোন্দুমগী শোরাৎ নুমিত্তা উনরম্মী । মবানিমক লালগোপাল হাৎপদা চেন্নবদগী চহি ৬/৭ সু জেন্দা লৈমিন্নরুরবনি । কোন্দুম শিবা নুমিত্তগী মখোয় অনি অকিবা পোক্লম্মী ।

ইতোচাউবনা হায়, নহাকপু হিদাক্কা পায়দ্রব্রা ?

চাউথোইনা খুম্মী, করিগী পায়দদগে, পায়রোয় খল্লি ঙমদে ।

"হৌজিকপু খর পায়সিনে" ইতোচাউবনা হায় ।

"হোয় পায়সি, ঐখোয় লৈকায়দদি পোৎ ফংদ্রে" চাউথোইনা খুম্মী ।

ইতোচাউবগা চাউখোইগা ইমুঙ অমদা চংমিন্নরগা, ইতোচাউবনা ফুরিংখাউদা শোরকপা প্লাসতিক খাউদগী হৈদেক্লগা হিদাক থকমিন্নরে। অদুগা হা হা কান্নগা ইতোচাউবনা হায়, হিদাক ফংদ্রে।

হিদাক য়াম্না তাংখ্রে। হাকতা লুপা ৫০ পিখ্রে। মাগী ভুৎলা, মীগী ভুৎলা, মীনা পংহায় হায়জিনব্রা কৈনোদুনা মীবু মপানগা থোকহন্দবা ঙম্মী। ঐবু অমুক্তা থেংনদ্রি। মীনদি লাইদৌনা হেক ঙাংনৈদা। ঐসু চংথোকপদা থাং অমদি পুরগে খল্লে।

চাউথোইনা হায়, পু পু থাং অমদি অদুম য়েপশিল্লু। মীনা ঙাংনরবা হায়বসিমক্তবু করিনো অমদি লৈরবনি। কোন্দুমদি কোন মতুম্নিদা। পোং অমগী মচি মরাং পান্দবগুম মীনা ঙাংনরিসে করি লৈগে হন্দবা। ভেন্দর অদুদা থকমিন-চামিন্নবা পুন্নমক অমুক অমুক্তং কাউরকপনি হায়রি। মঙোন্দদি অহন্নি হায়দুনা করিমতবু তৌবিহৌদে হায়। মাগী অনম কননা, মী উশিত্তবা তৌরমগনি। মদুদগী মখোঙনা কাউরকপদা ত্রাশা শিংদা যুশিনখিবা ওইরমগনি।

ইতোচাউবনা হায়, মাবু অতম্মনা হাংপা লাকপা নত্তে। মাবু অতম্মনা হাংপা লাকপা ওইরবদি অঙাংশিংদা করিসু তৌবিরক্লোই কাউনবা খিন্নবদা শোয়খিবা ওইরমগনি।

চাউথোই-মাগী য়েক্লবা কনা কনা লৈবগে? জেল মনুংদা ঐখোয় অহুম মাগী মাগী ইমুঙগী কতা-হাউথি, নুপী অঙোংগী, নুপী কোয়বগী, মীগা খৎনবগী অসিনচিংথ মরাদগী য়ারি শাদোক্লবদা লমন খুম্বা য়াবা অচৌবা ব্রাথোক য়াউখিদে। ঐখোয় অহুম চংদুনা হাংখিবা অদুদানি লালগোপালগী মচানুপা অমা লৈ। অদুসু ডাক্তর তমদুনা লৈখি। ঐখোয়গী ইতৌসে হরানবা চংবনি চংলগা কুম লৈনানা খোদোক্লকপদা চেল্লি হায়বদুনি। মচাদো অঙাংনি। মফম অসিদা লৈতে; ডাক্তর তমখ্রে। মহাক থোরক্লবসু মপা হাংপগী লমন খুম্বা কিগনি। মরমদি মহাক লমন খুম্নবা হোৎনবদা শিরবদি থার মুৎলনি। অদুনা মমানা 'লমন খুমগে খনগনু, হায়দুনা মচাদা কোল্লগা কপ্পি হায়। মখোয় লমন খুম্বগী ব্রা লৈতে।

ইতোচাউবনা হায়, কনানা খংবা ইতাউ । লালগোপালগী ভুৎনা মথং মথং ঐখোয় থিরকপদা ফত্তবা তৌবা মী মথং মথং ফুরকপা ওইরম্বসু য়ায় । ঐখোয়সু য়ারিখৈ চেকশিনসি ।

চাউথোই-কিমনখ্রেদা নং অমা; ঐদি কিদে ।

অসি হায়নরগা মখোয় শোরাৎ মফমদগী হন্নখি ।

(১২)

জয়কুমারগী মতেংনা নন্দকুমারনা স্কার শান্নফম, য়ু থকফম, ড্রগ চাফম লোয়না থুগায়বা ঙন্নিবনি । লৈশাবীশিংনা লাই খুরম্বা চৎপা, সুমাং লিলা তৌগদবা পুম্নমকসু জয়কুমারনা নন্দকুমারদা তাক্লিবনি। অয়ুক নুংথিল্দা মীনা মহাক্কি খংবিগদবনিনা মপান থোক্তে । নুমিদাংদতা মী ফুববু ওইরবসু, হাৎপবু ওইরবসু থোকপনি । ইতোচাউবা মরক মরক্তা মবাই অনাবা হংবদগী নুমিদাংদা মযুমদা হেক হেক হল্লি হায়বা পাউ জয়কুমারদগী তারে ।

ইতোচাউবগী নুপী মপামদি ফোইজীং চীংখোংদনি । লমহাং মতেক অমা চৎলগা ইতোচাউবগী খুল লৈ । নুপী মবুঙ মতম অমদা এমেলেগা ওইরম্বা মীয়াম্না য়াম্না ব্যাবহার তৌবিবা মীশক অদু, ফমুঙদগী হৌগৎ কাংখৎপা ঙমদনা লৈবা চহি অমরোম ফারে । হন্দক মরকসি ডাক্তরনা 'মানা চানিংবদা পিজৌ, ফবদি ফররোইদবনি । মানা হিংলবদা থা ২/৩ দা ঙায়রে, হায়রকপদগী অবাপ্পা অনকপদগী মী হংবা লাকখিবসিনা মহানি । মখোয় সেবা তৌবদা ব্রানরে । নুমিদাংদদি হৌদোংনা খোংবদা উচিনা মকোন্দা চংদুনা তুমিন্না লৈখিবগুম মী অমত্তা লাকপিদে ।

মীরৈবাক্তা মহে তম্বা চৎখিবা মবাইগী মচাশিংসু, অবাপ্পদা পোষ্টিং তাখিবা মচাশিং হয়েং হংচিত্তি লোয়না য়ৌনরক্লনি । নুমিদাং পুং ৮ ফাউবদি অহল ৩/৪ লৈরম্বনি । মখোয়সু চাক চাবা মতম ওইরে হায়না চৎনখ্রে । যমরাজনা মনায় দুড থারগা অশিবা লৌরগদবসু মী চিকপা, মী লৈতবা তাঙ্গাদনি । ঙসি নুমিদাং অসি যমরাজনা মনায়শিং থারক্লে । অনাবা খংহেন হেঞ্জিল্লক্লে ।

মাইবা য়াউদনা শিরবদি তৌহৈদে, লমশি তারনি খন্নদুনা মাইবা কৌবা চৎপা তায় । মাইবগী য়ুমদি লাপ্তে । সুপ্নগী লৈরক ৪/৫ খন্নবদনি । মাইবা কৌবিনবা মী হায়ববু হৌজিকসিদা ইতোচাউবা মথন্তনি । অতৈদি অঙাং, লৈশাবী অদুগা হনুবী অসিনি । হন্দক মরকসি ইতোচাউবা মমঙদা হাউশীং পৈবা হেক হেক উই । চহিগী আই, অনি লাক্লগা অহুম চৎখি । মখা মাইকৈ পাংদে । হৌজিক ইতোচাউবা মসি পুম্নমক নিংশিংলগা পুক্লিংদা করি থোক্লগদগে খল্লি ।

ইতোচাউবা ইমুঙদগী হৈজ্রাং অমা য়েপশিল্লগা মাইবা কৌবা চৎপ্রে । মানা কিবা অদু কনা অমত্তনা খংবিবা নত্তে ।

ইতোচাউবা থোরকপা ঙাযদুনা লৈরিবা নন্দকুমারনা অমম্বা অখুবা থোঙ্গাল ময়াদা লৈরগা হংলকই, 'খুরা ইবুংঙো য়ুমদা হনবিরব্রা ?

কিনা কিনা চৎলিঙৈদা, ব্রা অদু তাবদা ইতোচাউবা শ্বায় লাউব্রি । লব্রাইগী শম চপ য়ুংঙি । কলাক থক থক নিকই । মখনাউ খ্রক খ্রক কংঙি । ব্রা ঙাংবা ব্রারে ।

নন্দকুমাবনা হায, কবি তৌরে খুম্বিদ্রদে ? ঐবু খংবিব্রা ? মুন্না যেংবিয়্ন, খংবিগনিদা ? ঐ নখোয়না হাৎখিবা লালগোপালগী মচানি । হন্দক মরকসি মঙ নুঙায়বিরল্লোয় । যম্না নবাইগা নংগা পুল্লপ লাকমিন্নৌ হায়রি ।

মতম অদুদা ইতোচাউবনা মখুৎ থক থক নিক্লদনা ফিবৈদগী হৈজ্রাং অদু পুথোরক্লগা নন্দকুমারদা হায়, তৌনু অঙাং নপাসু হাৎপা নংসু হাৎপা পামদে । নং ডাক্তর ওইদুনা ঐখোয়গী মাইকৈ অসিগী অনা অয়েক লায়েংবিয়ু । নংনা ঐখোয়গী ইথক্তা লমন খুম্লক্তনবা ঐখোয়না নহান্না নংবু হাত্তোক্লম্বা য়াবনি । অদুবু নহাক ডাক্তর তম্বা চৎপদুনা ঐখোয় নঙোন্দা হাৎপগী ব্রাখল থাদোকখিবনি । নংসু ঐখোয় হাত্তুনা লমন খুম্বা পামগনু । মাইয়োক্লনা ফুনবা হায়বসিদি নং শিবা য়ায় নৎত্রগা ঐ শিবা যায় । ঐদি অহন্নি শিরবসু য়ারে । অদুগা নং শিরবদি নংগী শাগে মুৎকদৌরিবনি । নং মদু খঙঙু ।

'কান্নদবা ৱা ঙাংগনু । নংবু ঐনা য়াম্না থুনা লোইশিনগনি" । অসি হায়দুনা নন্দকুমারনা মখুৎ অনিদা হেন্দ গ্লোব উপ্পগা চোংশিন্দুনা ইতোচাউবগী থাং পায়বা য়েৎকী খুৎ মাগী ওইগী খুৎনা পায়রগা য়েৎকী খুৎনা ইতোচাউবগী মমিত্তা শাফু কন্না থিনবিখ্রে । মহাক নামনখিদুনা জ্ঞান মাংখ্রে । অসুম্না মানা জ্ঞান মাংদুনা লৈরিঙৈদা থজিন্দা কয়ারক হন্না কাউবিরে । মনা মনিন অমত্তা নায়দনা ইতোচাউবগী মথবাক কায়দুনা মানা তুবা মফম অদুদা ঈ পাউন্দ অনিমুক তাদুনা শিখি ।

ইতোচাউবা শিবদা থংনবা খুলশিংগী মীনসু তশেংনমক অকিবা পোক্লম্মী । কোন্দুমনা শিখিবা অদু হাৎকে হায়না হাৎপা নত্তে; শোয়দুনা শিখিবনি লৌনরম্মী । পাখংশিংনা হায়নবা নাইট ষ্টৌম হায়বদো য়াম্না শাথি হায়জরবসু মদু নহারোল লমহেনবা মীশিংদা অদুক তৌজবনি । অদুগুম্বা অদুনা অঙাং লমহেনবা য়াম্না ফরে । নুমিদাং পুং ১১/১২ ফাউবা লমজাউ সড়ক্তা লাউবা খোংবা তোকখ্রে । য়ু য়োনবা মীবু কবম্না য়োনগনু হাযরুগনি ? য়ু অসিনা ইচা ইসুদি ঙন্না ঙম্না শিনরে । অদুবু য়ু য়োনবা মহাক্তি মদুনা মাগী জিবিকা ওইনবি । য়োনগনু হাযগদবসু নুঙায়তে মাগা ঐখোয়গা অততায ওইনা য়েংখিনবা তাগনি । অসিগুম্বা তৌঙম্বা লাইরা, মীর. ভুৎলা অমা থোরক্লনা ঐখোয়না হায়বা ঙমজদবা, তৌবা ঙমজদবা, ৱাবকপা ঙমজদবা কয়া মানা ৱাবকৰ্পিরি । মানা নহারোল অমত্ত হাৎপা-তুপ্প তৌদে; ফুবা চৈবা তৌবনি । মখুৎ মখোঙ তেকপা যাউবিবসিসু, লম খর হেনবা মীশক ঙাক্তনি । অদুক অকনবা চৈথেংদি পিবা নত্তে । অদুবু মসিদা লুবিবদি লাইরা মীরা খংদবা অসিনা অহনবুসু হাৎলক্লী । নহান লাইবেনকাবিদা অহল অমা হাৎপিখ্রে । ঙরাংনা ফোইজীংদা অমা হাৎখ্রে । তৌববুদি মখোয়সে ইনাকখুনবা লালগোপাল হাৎপা মী ঙাক্তনি । চাউথোই কৌবা মাইখুলগী অহল অসিসু হাৎলবা য়ারি; মখোয় অহুমগী মখুত্তা শিখিবনিদো ।

লালগোপাল হাৎত্রিঙৈদা মী হাৎলুবা গুন্দানেনা ফাউবম্বা মীশিং, নুপী অঙাং রেপ তৌরুবশিং মযুমদা লৈবা ঙম্নদ্রে । মখোয় কয়ামরুম অমদি এমেলেগী ক্বার্টরদা মন্ত্রিগী ক্বার্টরদা লৈনখ্রে । য়াম্না কিনবে । মতুংদা মী খরনা য়াম্না উশিং থওইদনা ঙাংবা শকপা তৌরুবদগী মখ্বাং থুদেকপিরকপা

য়াউরকপদগী ডাক্তরদা লায়েংলগা বেল্ট ফাবা য়াউনরকখি। হৌজিক কনা অমত্তনা মা কিদে হায়দ্রে। মশা ফবা মীনা লোৎপদা মাং থাদ্রে।

কোন্দুম শিখিবদা পুলিসতা তাকখিদে। পোষ্ট মোর্টেম তৌখিদে। ইচম চম্না পোলোয়খি।

ইতোচাউবা শিবসি মীশি চাদে। মবাইগী থোজান্দা শিবনি। মহাক মাইবা কৌবা থোকখিবদগী হল্লক্তদনা পাখং অমগা নুপী ৩ গনা ইতোচাউবসু মাইবসু কৌবা চৎপনি। মখোয় থোরকপদা ইতোচাউবা শিনা তাদুনা লৈবা থেংনরকপনি।

নোঙাল্লগা পুলিস লাক্লে। পুলিসতা বারি বাখোং কয়া লিরে। পুলিসনসু খংনিংবা কয়া হংলগা। I.P.C. 302 গী মখাদা FIR পান্দুনা রেজিষ্টর তৌদ্রে।

পুলিসনা মদুগী (অশিবগী) মরমদা করিগুম্বা এক্সন লৌখৎপা অমত্তা লৈত্রি।

নুমিৎ খরনি লৈরগা পুলিসনা গাড়ি থৌদুনা পেট্রোলিং চৎলিঙৈদা অমম্বদা নিপা অমখক উখি। মখোয় পুম্নমক্না মাইখুম উপ্পা নুপা অদুদা 'ঙায়খো' হায়খি।

মহাক লেপ্তে পৈনা পৈনা চোং চোংদুনা চৎখি।

পুলিসনা মহাকপু নোংমৈ কাপ্প কাপ্প তান্নে। মহাকসু পুলিস তম্না নোংমৈ কাপ্লম্মী। কমান্দো অমগী মবুক্তা নোংমৈ মরু অমা পাল্লম্মী। অদুদগী কমান্দোশিং লৈহৌরে। মখোয় অশোকপা পুরগা য়াম্না থুনা রিমস হোস্পিটাল য়ৌরকখি।

মখোযনা হায়, মহাক ব্রাং চাউখি। নোংমৈ রাউন্দ কয়া ঐখোয়না কাপথোকখ্রে। অদুবু মঙোন্দা মরু অমা ফাউবা পান্দে।

মানা নোংমৈ রাউন্দ অমা কাপ্লকখি। মদুনা পুলিস কমান্দো তোমচাগী মবুক্তা পাল্লি। মতুংদদি ঐ মা তান্নবা চৎলোয। ঐখোয় ভলব শোয়দ্রগা লোয়রে।

(১৩)

কোন্দুমগী মচানুপা অহল তেলহৈবা কৌই। মী অয়াম্বনা মাবু গঞ্জাহৈবা কৌই । গঞ্জা কার্বার তৌবদা মহাক য়াইমরপ নুঙায়বা মী ওইরে কোন্দুমগা ইতোচাউবগা মবানি হাৎখিবা অসি নন্দকুমারগী খুজিন থৌরাংননি, মদু নত্তনা তৌবিনবা লৈতে খল্লম্মী । মানা ইতোচাউবগী মচা অৱাঙম্বদা হায়- লালগোপাল হায়বা শিগনখ্রবা অমদা ফুরুবদগী শিদোকখিদনা নংগী নপাগা ঐগী ইপাগা মখোয় ইমুঙগী খুজিন থৌরাংনা হাৎখিবনি হায়বসি নংনা য়ানিংদ্রিসি করিগীনো ? ঐদি মখোয় ইমুঙগী মী অমত্তা থল্লগুমসি হায়রিবনি ।

ইতোচাউবগী মচা অৱাঙম্বনা হায়, ঐদি য়ানিংদে ।

তেলহৈবা-করিগী য়ানিংদবা ? হায়য়ু ।

অৱা-ঐখোয়না হান্না হাৎলুরে । অদুদগী মীনা অমুক হাৎলক্লে করি কায়বা লৈ ? অদোমগী ৱাদুদি মথং মথং লমন খুম্মদুনা অসুম লৈসি হায়বনিনে ?

ঐ ৱা হায়গে, ঐগী লুহোঙবদা ঐখোয় বাবানা লালগোপালদা "নংগা থংনবা ঐগী লৌ অদু লৌশিনবিয়ু । ইচানুপা নুপী চেনশিল্লক্লে । হৌজিক লুহোঙদবা য়াদ্রে । লুপা লিশিং ৫০দং হান্ন অমুক্তা পিবিয়ু । হেন্দোক, হেঞ্জিন কোন্না খন্নসি ।পাট্ট, নামা ওনবা কোন্না তৌসি" হায়বদা লালগোপান্না পুকচেল চাউবা মী ওইবদগী য়াবিরক্লে । অদুগা কোন্না "নঙোন্দা লৌ য়োল্লি, য়োন্দে" তৌনবনি ।

ঐনা হায়জবিরসি ঐগী ইপাদগী ৱা নত্তে । মখোয় অহম্মক ওইরিবনি । লৌ অদু রেজিষ্টর তৌনরসি হায়না লালগোপান্না মী থারকখি । ঐখোয় বাবানা অচিনবা থবক লৈবা শাদুনা মতম খজিক্তং লৈরগা তৌসি হায়খি । মসিমক নখোয়দসু তৌরমগনি । অসুম্না য়েথোক য়েথোক্তুনা থম্বীরবা মতুংদা কুইশিল্লক্লগা 'নংগী নত্তে' হায়দুনা লৌফমদা চংদুনা লৌ খোয়রিঙৈদা, লালগোপাল লাকপদা, হাংকে খন্ন হাৎখিবনি ।

যুম্লোন্নবনি, লৌলোন্নবনি যাম্নিমখৈ মী নুংশিনগদবনি খন্দ্না লালগোপান্দি মী নুংশিবি, মীগী অথু অকাপ নংনবা থবক তৌবি । হৌবক অদু লালগোপান্না পুকচেন তিংনা তৌজবদা, মীদি পুকচেন তিংবা ওইবমদ্রদুনা লালগোপালবু হাক্লোকপিখ্রে । মপদা পেনবিদ্রিবা ?

তেলহৈবা-ঐ অদোমদগী পাণ্ডবগী ৱাবি মন্না তাবে । ঐ চংলগে

অৱাঙম্বা-ঙাযবিখো ঐনা হাযবা লোযনা তাবিখো অফবগীদমক ঐখোয হোৎনসি, শিববসু শিদোকসি । অসিগুম্বা মখলগী লমন খুম্বা অসিদি অমুক্তসু ইতিহাসতা থেংনদ্র ।

মচানুপাদো ডাক্তব তম্লী, হম্লকত্রী । মসিদা মচন অমগা মমা হনুবীগনা মী হাৎপগী পোবম শিনবা ওম্মোয । মীনাহ নুপা অহল অনি লে হার্যাবি । মখোযনা কবি তৌদৌবিবা ? যক্তবা নিশা চাববু শেংগৎপা কনাসু লৈতে । তৌঙম্বা, মপাঙ্গল মথৌনা লৈবা নুপা অমনা এখোয পুন্নক্পু ৱাবকপিবনি । ঐগী ইপাদো মবৈ কনবা মীনি, হযেংখৈ থক্কনু হাযবদা মানা যাহৌদে হাযবি, ফুনহৌৱি তায । মখোয অতৈদা খোংপাক্লা অমুক অমুক কাউবিবকখি । মাদি অনম স্নবদগী অঙাংগী লম্না মনি হাযদুনা লৈহৌবি হায়।

হোয নহাক্লা হাযবদা ঐনা যাগদবা অর্মাদ লৈ । মখোয অহম্মক অহনগী মতম ওইববনি, শিবা যাববনি । অদুনা অমা ওইরগা, হৌজিক অহুমগী মনুংদা অনি শিখ্রে । অমা হিংলিদনা ? মহাকসু মীনা হাৎখ্রবদি চুম্মী মদু লালগোপাল হাৎলুবদগী থোনকপা ওইফম থোকই । অদুদা ঐসু লমন খুম্বা পামগনি । অদুসু মাগী ইমুঙ মনুংগী নুপী অঙাংদা তৌবোই । অহাৎপা মী অদুদা চোংশিনগদবনি ।

মখোয নহা ওইবিঙৈদা গুন্দা-ফদা ওইবকপা, লমহেন-তুহেনবা, নুপী অঙাংদা কাতু- কাবন তৌবকপা মীসে, মপাঙ্গল হল্লকপা কান্দা মীনা ফুবিবা হাৎপিবা ঙাক্তনি । মবমদি মখোয মখোযগী যেক্তবা যাম্না লৈবননি । ঐখোযনা লালগোপালগা মবি লৈনববোমদতা যেংবা যাদে ।

মখোযগী মপা ঐখোযগী ইপা অহুম্না হাৎপিখ্রে । মদুদসু পেন্দদুনা মচননুপী ইজ্জৎ মাংহনবা নংত্রগা হাৎপা তৌবিবে । মচা শিবগী

নুঙাযতদুনা হনৃবী অদ শিবগনি । অদুদগী মচানুপা অদু ডাক্তর তম্বা লোযবগা ঐখোয কনম তৌবা ? মানু হাংকদা, মহাক হাংত্রবদি এখোয শিগনি নংত্রা ?

সিমসু থদ্ন্দু, পাম্পোপাজদা মচানা ডাক্তর তম্বা লোযবগা মনি নুবদা খোবক্কুনা থবক তৌবগনি । মতম অদুদা ঐখোয নাযক্লোইদ্রা ? ঐখোযনা তুমিন্না লৈবর্বদি ফগনি । ঐখোযনা তুমিন্না লৈতদ্না মা লৈতবা কান্দা নত্তনা লিচৎ-শান্দ চংশিন্বা হৃদুগী লমন ভাইবেক্ত খুন্নক্রবস লাযেংবদা হিদাক লান্না তৌশন্দুনা এখোযবু হাংপা যায । নংত্রগা হোস্পিটাল অমদা ডাক্তর অমনা ওপরেশন তৌববা ঐগী মী অদু মানা লোন্না ওক্সিজেন পাইপ থদত্তুনা ঐখোযবু তর্মথনা হাংলকপা যায । ডাক্তর তম্বা চংখিদুনা ঐখোয পুন্নমকপু অনা-অযেত্তগী কর্নানানংবা মী অদুগী মকমদা, ঐখোযনা ওন্ন তৈনবা ব্রাথল চেনহনম্রমদি । মহাক ডাক্তরগী থবক ফজনা তৌজসন্ন । মহাক্না মপা হাংপগী মমন পুম্মংলবাদ ডাক্তর তম্বা চংলোয । মী পুন্নমকনা হাযনৈ মহাক ডাক্তর ঙমখি হাযন । চুন্নবগনি । ঐখোযসু মা উদবা কুইবে ।

সিমসু থল্লু, মখোয ইমুংগী মী ঐখোযনা হাংলুনি চংখ্রগা মীনা ঐখোয হাংলদপসু যায । ইজ্জৎ মাংনা তৌনি । মাংজনি । খব লৈবগা লৈকাযনা ফাদুনা ঐখোয ওইনা হাংখিনি । মীদ ইনাকখুনবা ইমুঙনিনা শেলগী মতেংনা কোর্যাগ থিবক্কুনা ঐখোযগী লোংকম লৈবোই । উপায লৈরন্দুনা নগালোল যার্নেন । মব শেংদ মাদি নহাবোরদ পামদে । খব লৈবগা হাপ্তোকপি ।

ঐখোযগী ইথক্তা মীশিংনা তৌনক্লিবা অসি কবি তৌবগা ফগদগে খনগদবা অদু ঐখোযখৈ মথং মথং লমন থম্নদুনা লৈনসিবা ?

লৌসু লৌথোকপিবা হাংপসু হাংপিবা মদুনা কবি ধর্মনো ? অদুগুম্বা থবক খক তৌগুমসি ।

অব্রাঙস্বনা ফনা ঙাংজববসু তেলহৈবনা মাগী মব্রা লৌরিখদ্রে । মহাক শাউবংননা অব্রাঙস্বগী যুমদগী থোকখ্রে ।

জয়কুমারনা য়াচংবা ফাউবগী মনুংদা খুল খুন্দা চংদুনা পাউ লৌরুরগা য়ুমদা হৃঞ্জিল্লক্তুনা নন্দকুমারদা পাউ হেক হেক পিরবনি । মাগী পাউগী মতুংইন্না অকোয়বদা লৈবা খুল ১০ মুক্কী লৈরক-কোনশাং য়াউবা মেপ অদুগী মতেংনা নন্দকুমারনা থবক তৌই । অদুবু ঙসিদি জয়কুমার হৃঞ্জিল্লক্তে ।

নন্দকুমারনা হৌখিবা অহিংদা মিকপ থোরকপদা জয়কুমারনা কনাগুম্বী অমগা মোবাইল ফোন্দা ঋারি শানবা মানা তারম্মী । নুপী অদু মশক খংনবা নন্দকুমারনা কন্না হোৎনরম্মী ঋারি শাবা অদুদগী খংবদি মাগী মচন বিমোলানা সঙ্কর টোকিজদা সিনেমা য়েংননবা প্রোগ্রাম থারকপনি ।

'মখোয়না সিনেমা য়েংবদগী লম্বীদা কনাগুম্বশিংনা ফত্ত-নুংদা তৌবদগী হল্লকপা ঙমদবা ওইগনি'। অসি খন্দুনা মানা জয়কুমারগী ফি-রোল শেৎচিল্লগা, মকোয় হাপচিল্লগা মহৌশাগুম জয়কুমারগী মনিংগী চেকপন অদু ঋাগী মতেংনা চোংথোকখ্রে ।

মহাক্লা সঙ্কর টোকিজ হেক য়ৌবগা নুপা খরনা বিমোলাবু ফানবা তৌবদা জয়কুমারগা ফুনবা উরম্মী ।

জয়কুমারনা হৈ-শিংনা ফুনবা অদু য়েংলি । ইখং খঙহৌদনা জয়কুমাব তুখ্রে। মাবু ফুবা মীশিংসু অদুগা মচন বিমোলাসু মীরক্তা মাংখ্রে । মতম অদুদা কার অমনা অফিং-অফায় ওইনা থৌদোরকপা মানা উরম্মী । মানা জয়কুমারদা চংশিল্লগা 'মফম অসিদা ঐ লাকত্রিফাউবা লৈরম্মু' হায়রল্লগা কার অদু অশম্বা লম্বীদা তান্নখ্রে ।

কার মনুংদা বিমোলানা তুমিন্না ঙায়হাক লৈশিন্নরগা গাড়িগী ষ্টায়ারিং অদু খংলৈ লৈবদা কার অদু সড়ক মতায়দা চেপতুনা লৈথোকখ্রে । তাঞ্জা অদুদা নন্দকুমার য়ৌরক্তুনা কারগী মিংশেন থুগায়রগা মখোয় অহুম অদু গলা পায়রগা মখুৎনা হন্না হন্না থিনবিখ্রে । পাখং অমনা রিভোলবর শৎলগা মঙোন্দা কাপকে তৌরকপদা মানা চোংশিন্দুনা মখুৎ থুদেকপিরগা নোংমৈ মুল্লম্মী অদুগা নুপাদুগী ঙকথি চপ্লম্মী। ঙকথি চপলিঙৈ মতম অসিদা মানা মখোঞ্জেল ওল্লগা, বিমোলাদা জয়কুমার লৈহৌবা মফম অদুদা চৎখিনবা হায়রম্মী ।

অদুগী তুংদা মানা নুপাদুদা হংলম্মী
-নংগী নমিং হাযবু
তেল-তেলহৈবা
- কনাগী মচানো, নপাগী মিং ?
তেল- শিগ্রে, কোন্দুম
- কদায়দগী ?
তেল-লাইরেনকাবীদগী
- নুপী অসি কদায়দগী, কনায মচা ?
তেল - মপা হাৎখ্রে, লালগোপালগী মচা
- মাবু কবিগী ফাবিবা ?
তেল-রেপ তৌগে তৌবা
- মীফত্তবা, মপা ফত্তবগী মচা ! নহাক ঐবু খংব্রা ?
তেল- খংদে

- ঐ লৈখিদ্রবা লালগোপালগী মচানি । ইপা হাৎপগী লমন খুম্বা ওইনা ঐনা নংগী নপা হাৎখ্রে । হৌজিক নংনা ঐগী ইচল বিমোলাবু মবুং ঐ লৈতে খন্দুনা ইজ্জৎ মাংহল্লগা ংৎকে তৌবগী ঐনা নংবু লেম্না থাববোই ।

অসি হাযবগা নন্দকুমাবনা তেলহৈববু কাপতুনা হাৎলগা অশিবা মশাগী খুত্তা মশাগী নোংমৈ ঘস্বীবল্লগা মহাক থুনা যাংনা চৎখ্রে ।

(১৪)

তেলহৈববু পোষ্ট মোর্টেম তৌবদগী খংলে । মহাক মী অমনা হল্ল হল্ল কিন্ন খিল্লবা মতুংদা তেলহৈ মশাগী নোংমৈ মশাদা কাপশিলহনর্বানি । কোন্দুন হাৎপদা নত্তনা মচা তেলহৈবসু হাৎপসিদা মী খবনা যাম্না কিংনা ইতোচাউবগী মচা অৱাঙস্বদা চের্কাশন্নবা হায়বম্মী ।

অৱাঙস্বনা ময়ামদা হায়জবম্মী-নাইট ষ্টৌমনা ঐঙোন্দদি কবিসু তৌরক্লোয় । মরমদি ঐ নিশা চাদে । কনাগসু ঐ খৎন-চৈনবা তৌদে ।

তেলহৈবদি মবুক ফত্তে । ঐগীদা নহান নোংমা মা লাক্লম্মী-অদুগা ঐঙোন্দা ফত্তবা থবক অমা তৌকসি হায় । ঐনা য়াখিদে । মঙোন্দা ঐনা ফত্তবা থবক তৌরবদি ফত্তবা ফ[illegible]গনি হায়জখি । মহাক ফত্তবা তৌরুবদগী ফত্তবা কংব্রেদনা ।

'নাইট ষ্টোমনা তৌরক্লিবা ময়াম অসি তারগা চাউথোই নোংম নোংমগী অনাবা হেঞ্জিল্লকই । 'নাইট ষ্টোম' শারিবা মী অসিনা পাল্লিবদি লালগোপাল হাৎপা মীশিংবু হাত্তোকপা পাম্বনি । মানা নুমিদাং খুদিং, ঐখোয় থিবদা থেংনবা ফত্তবা মীসু, অদুম ফুরম্বগী ব্রাতনি' । মরম খিবিক অসিদগী চাউথোইনা পুলিসতা লৈখিদ্রবা লালগোপালগী মচানা তৌবনি হায়রম্মী ।

পুলিসশিংনা চাউথোইদা কবেম্লরগা হায, নংগী নবাল লৈবদগী নংগী কোক বেরা লৈরে । লৈখিদ্রবা, নখোযনা হাৎপিগ্রবা লালগোপালগী মচা অমখক লৈ । মহাক হৌজিক হৌজিক ডাক্তর তগ্লি, লোয়দোবে হায়না তায় । নংদি মা থোরক্লিংলেদগী [illegible] শিদে [illegible] নং শিদ্রিঙেদা ঐখোয়না মাবু ডাক্তর তম্লা হেক লোয়বগা [illegible] হাযব্রা ? করিনো নংনা ঙাংলিবদো ? মাদি মপা হাৎপগী লমন খুম্বা পামদদুনা, মীযামগী সেবা তৌনবা ডাক্তর তমদুনা লৈবি । ঐখোযদি মীযাম্না ঊংনা চিক্না নুংঙায়না নিশা চাদনা, [illegible] লৈবিরি, ঐখোয়দদি কযা ফরবা অয়ুক নুংথিনদা [illegible] পোল্লাংরে । নুমিদাংদসু নুংঙায়না তুমজ-হিপচবা ফংলে । মখোয় [illegible] শিংশিল্লিবা [illegible], খোয়া শিজবনি শম্লা হায়রবদা ইমুঙ অমগা অঙাং অমা, ড্রগ [illegible] অঙাং ২/৩ না অঙাংগী মনাদগী সনা পৎপিগ্রে অদুগা অঙাং অদুগী মখৌনি চবনদা ব্লেদনা লেম্লগা ঈ চুপ্লিদুনা হাৎপিখ্রে । অঙাং হাৎপা মখোয [illegible] । মবালগী মতুং ইন্না চহি ৬/৭/১০ রা কযানো জেন্দা থমজিল্লে । জেন্দগী হেক থোরকপগা হাৎপিখিবা কযা লৈবিসিদি ।

নখোয়সু মী হাৎলুরে অদুদগী জেন্দা মতম খরা লৈক্নরে । নখোয়বু উরগা লালগোপালগী মচাশিংনা মনাউশিংনা করম্না লেল্লমগদগে ? নখোয় হাৎনিংফম থোকই । অদু খন্দুনা নখোয়সু লৈফম থোকই ।

মী হাৎপকী জেন্দা চহি কয়া লৈরুরবশিংনা হায়, ঐখোয় শোয়ব্রে, হাৎকেনা হাৎপা নত্তে শোয়দুনা লৈখিদবনি মদুগী জেন্দা লৈফম থোক্পা লৈরুরে। কয়াদা ব্রানা জেন্দা লেনখ্রবা অমুক্তং শোয়খিবদগী।

মচা মব্বা লৈখিদবা মীদদি নখোয়বু হঞ্জিন হঞ্জিন চামরক হাৎনিংঙি। মরমদি মাগী মচা নৎত্রগা মপুরোইবা অদুদি মশক উখিদ্রে শিখ্রে। মপুরোইবা লৈখিদবা অদুনা হিংলিঙৈদা থবক ব্রানা শুদুনা শেল তাল্লগা মতু মচা থাক্লম্বনি। হৌজিক থাকপিনবা লৈত্রদুনা কয়া ব্রারে মচাশিং মহৈ তম্বা তোকহল্লে। চাবা ফংদদুনা য়াম্না থুনা অহল ওইশিল্লক্কি। নখোয়না দন্দি ফংলবনি হায়দুনা জেন্দা লৈধতনা মখোয়গী কান্নবা করিসু ফংদে। মখোয়গীদমক্তদি মীহাৎপসি হাত্তোকপিয়ু। মখোয় অসি উরগা খোয়দৌ শাউগত্তুনা তুম্বা, হিপ্প, তাবা চংদে।

ঐখোযদি মীয়াম্না নাইট ষ্টোম হায়না খংনবিবা মী অসি থাগৎলিবনি মানা মাবু পাইবা ঙম্মী, মাঙবা ঙম্মী হায়নজরবস মা মীদি মীনি। শা নত্তে। বোবোত নত্তে। খুৎসু খুৎলাই, থাং, তা, নোংমৈনচিংবা অমত্তা মাউদনা, ঐখোয পুলিস মযাম্না তোনা ঙমদবা থবক তৌই। মাবু ঐখোযনা কৌথাক্লগা মনা পিসিবা খন্নবি।'

'হসঃ ঐবু হৌজিকপু কদা দা লোগদগে? পুলিসনা ঐগী ব্রা মুমফম মাউনবনি হার্যবনে। ইত্তু ইনা হন্দোক্লুনা ঐ কদাগদা চেনগনি? অরাপ্পদা লৈবা মবিমতা অমগীদা লৈনা চিনা? মফমদুদা ঐ কবি শুবগা চাগনি? মমগী শেল থাহল্লব্রব লৈদে। মৈ ইমৌশিং মাগী মাগী মচাশিংগা ব্রানা হিংনি। ইসা বানিনিদা বঙ্গাদেশতগী তাম্হোবকপা, শ্রীলঙ্কাদগী তাম্হোবকপা, পাকিস্তানদগী তাম্হোবকপা মখোযসে; মখোয়গী মবল মথুম লৌ-ইংখোল হন্দোক্লম্বগা মীগী লমদা চাক্কি ফিনিবা ওইরি। হৌজিক্কি মতম অসিদা কনা লৈ মী অমদা চাক চারা ২/৩ পিজনিংবা। ও। ঐ হৌজিক কদায়দা চেনগনি? চেল্লগবু হিংগদ্রনে? মপা হাৎপা ঐখোয়বু উবদা মখোয়দি নহানখৈ য়াম্না হাৎনিংনা লৈবোরে। অদুদি ঐ মখোয়গী ইমুংদা হোৎচিল্লগা মখোয়গী মীনায় ওইজগে হায়বদা কান্নগনি। অদুদা

মপা হাৎপা মীবু মখোয়দা থম্লিংগদ্রা ? লুখাক চগুম শেংজগে হায়বা ফাউবা য়ারোই । ঐ কৈনো'মা তৌরে । ঐগী লৈফম লৈত্রে । ঐ ঙাউরে ।

চীংদা মিং ওল্লগা খৃষ্ট্যান চৎদুনা লৈত্রসিবা ? মদুদা মানা ঐবু হাৎপা লাক্কদ্রা ? মী হাৎলুবগী পাপ য়াম্না চাউখ্রেদা মী হাৎত্রিঙৈদা পাপ য়াম্না চাউব্রি খংলম্লবদি মহাক হাৎপা ঐ য়াউজরম্মোয়দবনি । শেল লৌশিল্লুরগা শেল পিংনিংদবদগী, লৌ পিনিংদবদগী হাৎপা হেক য়াউশিল্লুরে । ঐসু শিবা তাবনি ।

পসুরাম্না মমা হাৎলুবগী শাগ্রা লৈফম চাকম খংদবগুম ঐসু লৈফম চাকম খংদ্দো । কদায়দা ঙায়হাক্তংদা মী হাৎলুবগী পাপ কাউথোক্নুনা দঝা অসি নংলিবনি । মহাক শুসি নোংমা নিনিসিদা মীনা হাৎত্রবদি কনিদা । অতৈ ব্রা অমত্তা ঐ আশা তৌনিংঙায় লৈতে । মীগী মরমদা কোয়চেন চেন্দুনা হিংবদুবু হিংবা কৌব্রা ? অদু শককপুদি সিদা লৈনা লৈনা শিবনা ফংত্রনে ?

'অদুবু অকনবা অমা লৈরবদি, মঙোন্দগী হেন্না কনব অকনবা অমা চোংথোরক্নুনা মাবু শোয়দনা হাৎপিত্রনি । মতম অদু কাউবদং নং ঙায়দুনা লৈগদবনি হায়রি' ।

অদুদি তা-নোঙালজাউগী শ্বর ফুনবা ফনবা শ্রীধাম নবদ্বীপ্তো চৎকদবা অসিদা ঐসু য়াউহৌরগে । অঙাংশিংগা অমত্তা অয়ান্না লৌ লৌরাক অমগী শেল পায়শিল্লগা হেক্তা মাংত্রগে ।

নোঙালজাউদি শেল পায়বা মীনি । মচা শু লোয়না থবক তৌরি । অশাবা লমদা লৈরগা এজমা হায়বা অনাবা অদু ফৈ হায়না লৈবনি চাউখোইনা লৈবনা কিবদগী মতম খর থৈদোকপনি । মঙোন্দা শেল থাবিনবা মী লৈতে । অমুক নুমিদাং চাক চানবা লৈফমগা থা অমদা লুপা লিশিং ১৫নি ।

হৌজিক চাউখোইগী খুত্তা শেল খজিক্তা ঙায়রে । মফম অদুদা কুইনা লৈনবগী শেল লৈত্রে । মহাক নবদ্বীপ থাদোক্নুনা মনিপুরদা হল্লক্রে ।

মানা লুপা লিশিং ৫০দা লালগোপাল্দা লৌফম অমা য়োল্লুরে । অদুদগী লালগোপাল হাৎলগা লৌফম অদু মাগী ওইরে । অমুক লৌফম অদু মাগী মনাউনুপাদা লুপা লিশিং ৫০দা য়োল্লে । নাইট ষ্টৌম নন্দকুমারনি খন্দুনা কিমনবদগী নবদ্বীপতা লুপা লিশিং ৫০ হুন্দোক্লুরে । লৌগী মমল লোয়খ্রে । হৌজিক মানা তোংজবা করি লৈরি- শিবা ।

চাউথোই মযুমদা লৈররে । ফত্তবা পাউ, খংহন্নিংদবা ব্রা হায়বসিমক্তবু থুনা শন্দোকই হায়বদুনি । মী পুম্নমক্লা য়া য়া হেক্তা লাউবি । কনানা মী মচিন মেল্লুনি ।

মী পুম্নমক্লা রাম, কৃষ্ণ, য়িসু বুদ্ধ অসিনচিংবা মাগী মাগী ধর্ম্মগী লাই নিংনৈ; অদুবু মাদি নন্দকুমার নিংদুনা লৈরে । মপান-ইপান থোক্তবা মখৈ নিংখ্রে। তুংদা লাক্কদবা থোক্লগদবা খংবা কনা লৈবগে ? লাই নিংলিমখৈ হাৎত্রি । লাই নিংবা কাউবা কান্দা হাৎখিগদ্রা খল্লি মানা ।

চাউথোই হল্লকপা নুমিৎ হুম্নি শুবগী নুমিদাং পুং ৮ অদুব্রায়দা চাউথোইগী অব্রাং শঙ্গোয় ই-না কুপ্পা অদু ইখৎ খঙহৌদনা মৈ চাক্লক্লে । মাই মাই য়ুমদগী মপান-ইপান ইথোক-থোক্লদবদা মৈ চাক-এ কোইরাউ লাওনরক্লে । মী খরসু কিনা কিনা মৈ কনবা থোকনরক্লে । মী খর লাকপা উবদগী অকিবা থাদোক্তুনা মীয়াম অমা থোক্লরক্লে ।

চাউথোইদি অততাইনি । মাগী শঙ্গোয়নি । শঙ্গোয় অসি চাক্লগা মাগী য়ুমগী তিন শৌদোক্তুনা য়ুমদা লানশিল্লকদৌরিবনি । মহাক মতাং অসিদা মাগী লাই কাউরে । শঙ্গোয় কন্দবা য়াদে খন্দুনা ইমুঙদগী চেষ্টোরক্লে । ঈশিং ঈশিং হায়নদনা, পুখ্রি মনুংদা মী ৩/৪ চোংথখ্রগা ঈশিং শোকৎলে-শোকৎলগা পুখ্রি মপান্দা ঈশিং ঙায়বা কাংবুদা পিরি । মীয়াম অমনা শঙ্গোয়দা ঈশিং চায়শিল্লি । শঙ্গোয়গী মৈ মুৎলে ।

'চাউথোইদি, চাউথোইদি' মী খরনা হংনরি ।

মিনিট খরগী তুংদা 'চাউথোই অসিদা লৈরে' হায়নরক্লে । চাউথোই লৈরক্তা তারম্মে । ময়াদগী ঈনা অতৎ অখম লৈতনা চেম্থরক্লি । ঙায়হাক্কী মতুংদা চাউথোইগী থব্রায় য়াউদ্রে, চাউথোই শিরে ।

চাউথোইনা শিদনবগীদমক্তা শেল তীংনা, নন্দকুমারনা খংলরোইদবা মফম্নি খন্দুনা নবদ্বীপ্তা চেঞ্জরক্লরবনি। নবদ্বীপ্তা ভাগ্যচন্দ্র মহারাজনা কংলম্বা শ্রী গৌরাঙ্গ মহাপ্রভুগী মুর্ত্তি কোন্দুনা মাবু কর্নাবনবা মমিত্তগী মপি তানা কয়ারক হায়জপ্লবনি । অদুবু করিমতা কান্নদে, উত্তা ঘী হৈবগা চপ মান্নখ্রে ।

(১৫)

অসুম্না নন্দকুমারনা সুপ্নগী থা ৩ খক্কী মনুংদা মপা হাৎপশিংগী মথক্তা লমন খুমখ্রে । নন্দকুমারগী মথক্তা অচৌবা পোৎলুম অমা লৈরম্বদো থাংথখ্রে। মাগী অৱাবা নুংঙায়তবা পুন্নমক কোকখ্রে। পৃথীবীদা মখোয়গী খোঙগুন মুথৎপিখ্রে। মখোয়গী মশক উবগা থম্মোয় চাকপদো তৌররোই। নন্দকুমার শনিনা য়েংবা তোকখ্রে ।

চাউথোইনা শিববা মতুং নুমিৎ হুম্নি লৈরগা বিমোলাগী খুত্তা চিঠি অমা থুংলবে মবোন্দি অসিনি ইবুংগী ইবেম্মা, ঐ এম, বি, বি, এস তম্বা লোয়বে। ঐ কেরালাদা পি, জি, তমথগে খল্লি । অদুনা ঐ কেরালাদা মিং চনশিল্লম্লগা মনিপুরদা নখোয় উনবা মতম খব ফংগনি খল্লি । ঐনা লাক্কদবা নোংমা নিনি ৱাংলিঙৈদা নখোয়না ঐবু এবেদ্রোমদা ওক্লনবা পাউ পিবক্কে ।

মথং মথং

ফোঙলবা লাইরিকশিং

Printed at:- Leimahal Press, Khurai Lamlong Keithel,
Ukhrul Road, Imphal East-Manipur